

অচুম্বগী মমি
02,3PUN
Q0;2
নাওরোইবম পুনসি

[illegible]

অচুম্বগী মমি



নাওরোইবম পুনসি



ACHUMBAGEE MAMI

(A collection of Six Short Stories)

অহানবা ফোঙবা : সেপ্টেম্বর ২০১০

অইবা : নাওবোইবম পুনসি

অফোঙবা : নাওরোইবম সুবদনি
খুরাই কোন্সম লৈকাই
ইম্ফাল ইষ্ট - ৭৯৫০১০

কোপী মশীং : ৫০০

ফংফম থোকপা : অইবা

মমল : লুপা ৯৫/-

লাইরিক ফংফম : ইরাবত ভবন (রুপমহল টেঙ্ক)
পুনসি ফর্মাদি (লম্লোং)

নম্ফম : **লৈমহল প্রেস**

খুরাই লাম্লোং কৈথেল, ইম্ফাল ইষ্ট

"অচুম্বগী মমি" কৌবা লাইরিক্কী মরমদা ৱাহৈ খরদং

নাওরোইবম পুন্সিনা ইবা "অচুম্বগী মমি" কৌবা লাইরিক অসি নৈনজরে। লাইরিক অসিদা লাই থাজদবা (এঠৈইজম) অমসুং সোসিয়েল সাইন্সকী মরমদা কুপ্না নৈনদ্রবসু, লাই থাজদবা মহাপুরুষ (এঠৈইজম)শিংনা ইরমবা লাইরিকশিংদগী ৱাহৈ পরেংশিং কোখোক কোখোক্তুনা হাপচিনবা অসিনা লাইরিক মপুম অদু পানিংবা অমসুং নৈননিংবগী ঈখৌ লাংবা পোকহল্লি।

অমরোমদসু হৌজিক হৌজিক ওইরিবা সমাজগী ফিভম অসিসু সমাজ, অমসুং শেনখুমগা মরি লৈননা শন্নপ-শন্নপ্না পুথোক্তুনা ইরি। বিজ্ঞানগী খম থেংনা চাউখৎলবা মতম অসিদা মীওইবনা হিংননবগী লম্বী থীবা অসিনা অমত্ত ঙাইরবা লম্বীনি। অওৎ-অনৈ লৈতবা, মীনা মীবু ব্যবাহার তৌবা, চান্ন-নুংশিননা পুন্না হিংমিন্নবা সমাজ অমা দরকার লৈবদু উৎলি। লম্বী অদু কার্ল মার্ক্স অমসুং জননেতা ইরাবতকী থবকশিংনা অচুম্বগী মমি ওইগনি হায়না ইরি।

শেঞ্জাও পাইবা সমাজদা শেঞ্জাও পাইবা মশেল অমনা অমদগী হেনগৎনবা হোৎনবদা শুরি নোন্নীবা অনংবা লাইরবা কাংলুপ্পু শুদৎনবা হোৎনবা অদু কাংলুপকী জ্ঞান লাকপদা অচুম্বগী মমি ওইরোই অমসুং শেঞ্জাও পায়বগী সমাজ মাংখিগনি।

ক্ষেত্রিময়ুম গান্ধীজিৎ সিংহ

তোপ খোংনাংমখোং

ৱাহৈ অমা অনিদং

তাইবং মীওইবা ঐখোয়না ঐখোয় পুন্নমক অসিবু শেম্বিবা মপু অমা লৈ হায়না লৌনৈ । তাইবংপান অসিদা লৈফম, হৌফম খেন্নবদগী, কুচু কুমেন, মান্নদবা লোল, ময়েক, মান্নদবগী, ধর্ম্ম তোঙান তোঙাঞ্জরবসু ঈশ্বরদি অমত্তনি হায়না লৌনরি । মী কয়া কয়ানা ইমুংদা শুমাঙদা মন্দিরদা চঙদুনা ঈশ্বরগী মতিক মগুন থাগৎপগী ১দি নুংশিবগী ঈশৈ শক্লি । থাইনগী মতমদগী হৌজিক ফাউবদা কবিশিংনা ঈশ্বরগী তৌব ঙস্মু শীংথাদুনা ইনরি।

অশেংবমক ঈশ্বরদি থাগৎফম থোকপনি । ঈশ্বরবু থম্মোয় শেঙনা নুংশিবা মহাক অদুনা কদৌঙৈদসু মী, শা, জিবশিংদা হিংশা তৌরোই ।

অদুবু য়াম্না ঙকপদি 'ঐ লাইনি' হায়বা মী খর মরু ওইনা খা ভারত্তা থোরক্লি । মখোয়গী খুনেক্তা ঈশ্বরনি হায়বিনবা ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়ার অমসুং ইনাক কৈরাক খুনবা মী কয়া কয়াসু লৈ। মী অদুনা লাই শাবদুদ ফংলকপা শেল অদু মখোয় ময়াম য়েন্নে । অসিগুম্বা লাই শাবশিং য়েংবা লাকপদা ভারতকি টুরিজম চাওখৎলি হাযদুনা ভারত সবকারনসু মখোয়গী পুক্লিং থৌগৎলি । মীরৈবাক মচানা ভারত্তা লাই শাবা য়েংবা কোয়রক্লগা অসুম্না নোক্লরম্বা য়াওই ।...... but the people are a set of superstitious fools.

মী খরনা মরুপ তৌরগা শেল ৱানা তুংশিল্লগা বৃন্দাবন চৎলি । কয়া অমনা মচা মগুশিংনা শেল খায়গৎনরগা মমা মপাবু বৃন্দাবন চৎহল্লি । লৌ ইংখোল মচেং অমা য়োল্লগা চৎপসু য়াওরি । থবক তৌবা খরনা কেসিয়াবদগী শেল শুরগা চৎনরি ।

লাই খুরম্বা চৎপা পাম্বা মী তরাগী শেনখায় পুথোকপদা মী অনিগীদি অখোম্বা মী অদুগী ওইগনি । মখোয় অদুবু বৃন্দাবন লল্লোনবা কৌই ।

মখোযশিং অসিগী মনুংদা খবনা লাইগী মীংদা শেল তানবনি। খবনা লম যেঙবা চৎচবনি। খবনা ঈশ্বর নুঙশিবদগী লাইফম যৌনবনি।

লাই খুবম্বা চৎপা যাত্রিকশিং অসি অযাম্বনা লাইবৈ। লাইববশিংগী মবক্তা নুঙাযবা পামদবা কনা লৈবগে? মখোয পুম্নমক্না নহানমুক্কি মপোক্তা ফত্তবা তৌকবনা হাযবাদ ঈশ্বরদা লংজখিবা লৈবনা হন্দক্কি মপোক্তা লাইববির্বানি হাযনা লৌই। অদুনা মবম ওইদুনা লাই খুবম্বা চৎলগা নুঙাযগনি খঞ্জে। অদুনা মীনা হাযবদা যাগল্লি। কবিনো উপায অমা তৌদুনা শেল পুথোক্নুনা হেক্তা চৎলি। মবম অদুনা অবাপ্পদা লৈবা খুঙ্গংশিংদদি লৈতবগী মথক্তা লৈতবা ওইশিল্লকই। অঙাংশিং যেঙাশনবিদে। মনিপুবগী লাইবব প্রজা কযাদগী লাই খুবম্বগী মীঙদা শেল চৎখিবনা লাইববগী চাং হেনগৎপগী ফেক্টর অমা ওইবি। ঈশ্বরগী থৌজান ঙাযদুনা লৈনৈ। শেল ঙাংনা অমসুং মতম মাঙনা লাই খুবম্বা চৎপবু অগীংবা পামজবা মীশিংগী মবক্তা এস অমা ওইকবনা লাইবিক মচা অসিনা খবদং কান্নবা পাগদ্রা খঞ্জবদগী ইজবনি। কনাগুম্বনা ব্রাখল তিন্নদবদগী লায় খনবিনা তৌবিবোই নিঙইজে।

অদোমগী

অইবা

নাওরোইবম পুনসি

খুবায

য়াওফম তাকপা

অচুম্বগী মমি

থাইনগী মীশিংগী মহিং ১সুং লাই

জগৎ সংসার অসি শেমদ্রিঙৈদা Space অসিদা করি লৈরম্বা করম্বা মতমদা জগৎ সংসার অসি শেমখিবা হায়বদো Scientist শিংনা হায়বা ঙমদে। অদুম ওইনমক ঙসিদগী চহি বিলিয়ন মরিগী অদুৱাইদা য়াম্না শক্তি লৈবা পোৎশক অমা কায়বদগী নুমিৎ, থা থৱানমিচাক ময়াম অসি শেমখিবনি হায়না Scientist শিংনা হায়রি। মসিসু মপান নায়দনা চাওবা শুন্দ্রংগী চফুগুম্বা অমদা কায়বনি অদুগা ঐখোয়না ঙসি নিংথৌ তুরেন হাযনা খংনরিবা থৱানমিচাকশিং অসিনা য়োমশিল্লগা থম্বনি হায়বি। মসিবু Universe হাযরগসু খংনৈ। ঐখোয়গী Universe অসিগী ৱাংমদা অতোপ অতোপ্পা Universe কয়া অমসু লৈ হায়না লৌনরি। ঐখোয়গী Universe অসিদগী পৃথীবি নত্তনা অতৈ Planet তা মী ১সুং জিবশিং লৈতে। অদুবু অতোপ্পা Universe খরগী Planet তা থৱায় পানবা জিবশিং লৈবগী খুদম ফংই হায়রি। শম্না হায়ববদা ঐখোয়না থৱানমিচাক মথি তারকপাসিদা জিব পানবশিংনা হিংবগী মচাক য়াওরকপা য়াওই হায়রি। হৌজিকস্ু পৃথীবিদ থৱানমিচাক মথি তাশিনবনা পৃথীবি অসি তপ্ন তপ্ন চাউবা হেন্‌গৎলকই। পৃথীবি অসিমক নুমিত্তগী খোরকপা মচেৎ অমনি অদুগা থা-না পৃথীবিদগী থোকখিবা মচেৎ অমনি হায়না লৌনরম্মী। পৃথীবিগী লৈবাক্কী শরুক অসি মচেৎ মকায় নাইবা পোৎশক্লি, হায়বদি চাউরবা প্রশান্ত মহাসাগরগী অরুবা ওনবা ঙমদবা লৈরি। অসি পুম্নমক ঈশিংনা কুপশিনবদগী পৃথীবি অসি মতুম তাবা ওইনা উরি। নুমিৎকী অকোয়বদা পৃথীবিনা কোইরি। পৃথীবিগুম্বা অচৌ অপিক নায়বা Planet মাপন্না মতম চুপ্পদা নুমিৎকী অকোইবদা লৈরি।

অতৈ অতৈ জিবশিংদি চহি লিশিং কয়াগী মমাংদগী মপা মপুশিংনা তৌরম্বা থবকশিং অদু হৌজিকসু অদুম তৌরি। শম্ন হায়রবদা মি কৌবা তিনশিংনা লাং শাদুনা উশাশিংদা য়াল্লি। লাং অদুদা থুবদগী তিন মচা

মখল কয়া কয়া থুদুনা লৈবিঙৈদা মিনা চাজবা ঙম্মী । লৈবাকখোইনা লৈবাক্লা মকোন শাই । উতুবী কৌনা উচেক্লা উ অদুম হুৎলি । যোংশিংসু অদু মঙাই মপু মপানা তৌবম্বশিং হুজিকসু অদুম তৌবি ।

অতোপ্পা অমবোমদা তাইবং মীদি লেপ্পা লৈতনা চাউখৎলকই । মীওইবনা হেক ব্রাখল লৈবদগী চাননবগীদমক্তা হোৎনদুনা লাকচৈ । অদুদগী লৈফমগী, ফিবোলগী, চখোক চৎশিন নুংঙাইননবা লম্বী থিবা, যেক্লবা হাৎনবা, যেক্লবদগী কন্নবা পাম্বৈ পুথোকপা, অমগা অমগা পুনশিন্নবা হোৎনবক্লম্মী । চাউখৎত্রিঙৈ মতমদদি মীশিংনা নুঙ ১সুং চৈনা মখোযগী খুৎলাই ওইবম্মী । শাগী শদুমশিং অদু মখোযনা যাম্না ব্রানা শেক্লুনা অদুগা অমুক যাম্না ব্রানা শাযবম্মী । অশোনবা মীশিংদগী অকনবা মীশিংনা মুনাবখিদুনা অশোনবশিংনা ইচা চাজবা ফংলমদে । অশোনবশিংবু মতম অযাম্বদা ঝুবিবা, মযানা চিকথৎপা তোইনা তৌবম্মী । মতুংদা মখোযনা লম্মে চাক্লকপদা যাউবা অমুনবা শা, কৈ, শজি চাববদা, মদুনা থোৎলম্বা, মহাউ লৈবম্বা খঙবদগী মতুংদা মখোযনা শা ষন মৈদা লৌবগা চাবম্মী । খব লৈবগা মখোযনা থুম হাপ্লগা মহাও লৈবা হেল্লি খংলম্মী অদুদগী মক মবাং হাপ্পুনা চাবা হৌখিবম্মী ।

থাইনগী মীশিংনা উতোন বাতোন্দ লেক্লম্মী । অচৌবা শা Dynosour গুম্বনা চংবা ঙমদবা শুকুংদা লৈবম্মী । অঙম্বা চীংগী চীংদোন্দা মখোযনা লৈফম শেম্লম্মী । তৌবা ঙম্লবা শাশিং অসুক্কী মতিক যাম্না লৈবম্মী অদুনা মীশিংনা মখোযদগী ঙাকথোক্লবা খুৎলায পুথোকপা ঙমদবদগী যাম্না শোন্ন লৈবম্মী । মখোযগী লোল ঙাঙননবা যাম্না লৈজবমদে । লোল খজিক্তংনা অদগা ইঙ্গিৎ তৌনদুনা অমগা অমগা পাউ ফাওনবম্মী । মখোযনা শুকংগী ফক্লাংদ, নুঙপাক থক্তা, লৈঙোই শেক্তদা লাই যেকপা যাম্না পামজবম্মী ।

থাইনগী মীশিং অসি নুংশাগী মৈশানা খাংবা ঙমদবা মতম লৈখি । মতম অদুদা মীশিং অসিনা পৃথীবিগী যাওনগী মতুংইন্না তৌবিবনি হাযবা খংজবমদে । মখোযনা লৈবিবা উমং অদুগী লাইনা শাউদুনা তৌবিবনি

খল্লম্মী । মরম অদুদ্গী মখোয়না শা শাদোং খর শুরুংগী মনাক্ত নুমিৎ খুদিংগী থেৎলম্মী । য়াম্না শারম্ব অদু মাংখ্রগা নোং লাক্লে । মখোয় নুতিগী শা কৎপদা লাইনা মখোয়বু নুংশিবিরে হায়না লৌরম্মি । অদুদগীদি নিংথমথা চংলক্লে । মখোয় ইংবনা য়াম্না রাবম্মী । অমুকসু উমংলাইনা মখোয়বু শাউরবনি খন্দুনা শা-শাদোং থেৎলম্মী । হৌজিক চাউখৎলবা মতম অসি ফাওবদা ত্রাইবেল খরদি অদুমক্ চত্থরি ।

(Primitive) থাইনগী মীশিং অদুনা খর শিংলকপদা হিংমিন্নবগী রাখল্লোন লাক্লম্মী, মমা মচা নুংশিবা খংবা, পুন্ন লৈমিন্নবা, পুন্ন শা তানমিন্নবা হৌরক্লম্মী । চানবা পোৎচৈ পুল্লপ পুল্লপ থমদুনা য়েন্ন য়েন্নদুনা চামিন্নবম্মী । মীশিংনা শাগুম্না হিংলিঙৈ মতমদদি ধর্ম্ম হায়বদু খংলমদে । অদুবু মখোয়গী চৎনবী লোনচৎতি য়ুমগী, লৈকাইগী, জাতিগী রাখন্দা লাক্লম্মী । মখোযনা ভুৎ প্রেত্তি অদুমক থাজরম্মী । দরকাবগী মতুং ইন্ন খুৎসু খুৎলাই পুথোকপা খর হৈরকপদদি মখোয়না অকিবা পোকচরিবা ভাবনা শাবা লাই অদু মুর্ত্তি, শারগা লাৎলম্মী ।

মী অতোপ্পনা শাবিরম্বসু নত্তবা মখোয়না শাবা পোৎ লাই (God) অদু মুর্ত্তি (Idol) শারগা মখোয়না য়াম্না কিনা খুরুমলম্মী ১সুং লাৎলম্মী । অসিগুম্বা মতম অসিদা মী অমনা মনা মশিংনা হিদাক শেম্লগা অনাবা অমদা পীথকপদা অনাবা অদু করিগুম্বা ফরবদি হিদাক তৌবা মহাক অদু ভুৎ- প্রেৎপু ওম্বা মীনি হায়না মাবু লুনা কিনা তৌনৈ । মহাক মশামক্লসু লাইগা রারি শাই হায় । হিদাক কবম্না শেম্বগে তাকথোক্তে মঙ্তাকনি হায় । মতম অদুগী যাম্না চাউখত্তবা Primitive কী মতম অদুদা লৈরম্বা মশক খংদবা পোৎ কযামরুম্না মখোযবু কিহল্লম্মী । কনাগুম্বা অমা নাবক্লবদি মানা তৌরুবা থবক্কী পাপনি হায়না লৌনবম্মী । মী খরনা পাপ অদু কোক্লবা। ঙা হাৎলগা উশিন তৌরম্মী । খ্বায়দগী চাউবা শাপতি মখোয়গী খুৎসু খুৎলাই খরগী মপান্না লাইগী মুর্ত্তি (Idol) কয়ামরুম পুথোক্লবসিনা ওইরে । মী অমা নারকপদা লাইগী মুর্ত্তি পুম্নমক খুরুম্বসু

য়াউরম্মী অদুবু মতমগী মতুং ইন্না খর শিংলক্লগদি লাই (God) শিংগী মমিং অমমম থোন্দুনা মাগী মাগী থবক্কী মতুং ইন্না শিন্দোক্লখি শম্না হায়রবদা নিদ্র লাইরেম্বী, উষা লাইবেম্বী, সুর্ষদেব, চন্দ্রদেব, অগনিদেব, বায়ুদেব অসিনচিংবা অদুদগীদি মখোয় মখোয়না তৌরুবা থবক্কী মতুং ইন্না লাইগী ফম্বাক্তা অথুম অহাও কৎপা হৌনরম্মী মখোয়না লাইমাংদা মী মঙক কক্লুনা হাৎলগা ঈশ্বরনা মখোয়বু থৌজানবি হায়না খলম্মী । হৌজিক্কি মতম অসিদসু তান্ত্রিকশিংনা বেঙ্গোলগী 24 Pergana হায়বা মফম অদুদা তৌবি । অসুম্না লাই পান্নবা মী, অনাবগী হিদাক শেম্বা হৈবা মীবু লাইগা নক্লবা মীনি খন্দুনা কিনা তৌরম্মী· অদুগা ভু ৎ প্রেৎ তানথোকপা ঙম্বা মীশিংনা পাখং লৈশাবী কয়া লাইমাংদা মঙক কক্লুনা হাৎলম্মী । অদুগী মতুংদদি মীশিংনা অসুম অসুম শিংলকপগা লোয়নননা মাগী মাগী লাইনা শক্তি লৈবা হেল্লি হায়নদুনা কাংবু কাংবু নাইনদুনা হাত্তোক্লরম্মী। লাই চাউবা তান্নবদগী পাউতাক মতেক মতেক পিবা ঙম্বা মী থোবকখি, ভারত্তসু ইন্দুস ভেলি, সিবিলা ইজেসনগী মতম হায়বদি ঙসিদগী চহি লিশিং ৪ / ৫গী মমাংদগী নুপী লাইরেম্বিশিং, পসুপতি, নূঙ, উ, শাশিং অসিনচিংবা লাৎলম্মি ।

অদুগী তুংদা অর্জ্জ জাতিশিংনা কাংবু কাংবু নায়না ভারত্তা লাক্লম্মী । অহানবা লাকপা অর্জ্জ কাংবুনা লাৎপা লাইদি নুমিৎ ঈশিং, মৈ অসিনচিংবনি ।

ইকোন কোন্না লাকপা অর্জ্জ কাংবুনা হায়রিবনা ব্রহ্ম, সিবা ১সুং বিষ্ণু হায়রিবা মখোয় অহুম অসিনা হান্ন লাৎনরম্বা লাই পুম্নমক্তগী চাউবা হেল্লি। মরম অদুনা হান্নগী লাইশিং অদু তোকপনা ফরে । ঐখোয়না লৈরিবা অসি ব্রহ্মনা শেম্বনি, সিব-না য়ৈখায় থুগায়বনি অদুগা বিষ্ণুনা য়ৈখায় থুগায়বা থোক্তনবনি । ত্রিমুর্ত্তি-ব্রহ্ম, সিব, বিষ্ণু, অহুম অসিনা লাই অশেংবা ওইদুনা লাই পুম্নমক্কী মথক্তা লৈগদবনি । ঐখোয়না লাইগা খ্বায়দগী

নক্লে। মরম অদুনা কনাগুম্বা জাতি অমনা লাইগী থবক ইনখাং থোক্লবনি মদু ব্রহ্মন ঐখোয়না খুরুম্বিগদবনি ; অতৈনা খুরম্বা য়াদে হায়রম্মী।

অসুম্না মানা মানা থোকপা লাই পংলাক্ত লাৎনবদগী বুদ্ধ ১সুং মহাবিব জেন পোক্লকখি। মখোয় অনিনা লাই অমত্ত লাৎহল্লমদ্রে। অদুদগী যিসু অদুদগী হজ্রবত মহম্মদ পোক্লকখি। মখোয়সু লাই মুর্ত্তি লাৎপা য়ারমদে।

চহি লিশিং কয়াগী মমাংদগী মীগী খুৎনা শাবা লাইবু লাই ওইনা লাৎপা অদু অনৌবা ধর্ম্মশিং অসিনা থিংখিবনা লাৎনদ্রে। লাই ময়াম লাৎপা লৈবাক খজিক্তা ঙায়রে।

হায়দোক্লগা য়াংগনি ।

ইম্ফালদগী অৱাংলোমদা কিলোমিটর নিপাল্লোম চৎলগা ইবোমচা কৌবা নুপা অমা লৈরম্মী । লৈকায়গী মীশিংনদি মাবু ইবোদমক কৌনরম্মী মহাক ঈশ্বরবু য়াম্না নুংজিরম্মী । ময়ুমদসু লাইশং শাদুনা লাইগী মুর্তি লাৎলম্মী । অয়ুক খুদিংগী শ্রীগোবিন্দজী খুরম্মী । অফিসকী থবকসু তৌরম্মী । মাগা য়াম্না লুনা তিন্নবা চাওরেন কৌবা অমা লৈরম্মী । অফিসকী কার্ন্টিনদবু ওইরবসু মবক মবক্তা চাওবেনবু লাই নিংহন্নিংবদগী ঈশ্বরগী রাবি হেক হেক লিবম্মী । নোংমা ইবোমচানা অফিসতগী ছুতি লৌরগা বৃন্দাবন চৎপদা চাওবেনবুসু হৌনম্মী । চাওরেন্না যাবমদে । অমুকসু য়াওশং ঙকযাদ জগৎনাথ ক্ষেত্রদ চৎকদৌবি চৎলুসি হৌরম্মী । লাই নিংবা, লাই খুকম্বা চৎপা অমত্তা চাওরেন যাবা লৈতে । অদুর্মক্তি ওইরগা ঈশ্বরদা ভক্তি লৈবগী থবক, মীনা নুংশিনবা ৱাঙাং শাঙাং, বৃন্দাবন থাগৎপা, হরিদ্বাব ঋষিকেশ কী ফজবা, জগনাথ ক্ষেত্রগী মীয়াম ১সুং ফজবা পুম্নমক্কী ঙাংবা শকপদি চাওবেন অদুম মনাকোংদা তাশিল্লি । নোংমতসু ইবোমচানা ঙাংলিঙৈদা মানা যেৎপা খোৎপা, লাই থাজবা ১সুং থাজদবগী মওং অমত্ত উৎলমদে চাওবেনগী য়ুমদি কৈশামপাত্তনি । মখোয় অনি অফিসতা নত্তনা ছুতি মনুং ওইববসু নোংমতা লম্বী লমখাংদা থেংনরমদে । ইবোমচানা মাবু নুংশিবমুক চাওরেন্নসু মাবু নুংশিরম্মী । মখোয় অনি ইতাউ শান্নরম্মী ।

চহি খরগী মতুংদা নোংমা বন্দ নুমিৎ অমদা মখোয় অনি কৈশামপাৎ থোং ময়াদ অয়ুক্কী পুং মাপন অদুবাইদা থেংনরম্মী । হেক থেংনবগা অমনসু ইতাউ অমনসু ইতাউ কৌনরম্মী । মখোয় অনি হোটেল অমদা চা থকমিন্নরম্মী । কুইনা উনরুদ্রবদু মঙায় করি চাখিসিগে করি থকখিসিগে হংনরম্মী । অদুবু মখোয় চা-দগী হেন্ন থক্লমদে । চাওরেননা ইবোমচাবু চাক চরা অমত্ত চামিন্নসি হায়দুনা ইবোমচাগা লোয়ননা ময়ুমদা

হনাজিল্লক্লম্মী । ময়ুমদা নুপী অঙাংদা চাক ইনশাং হাউনবা তৌ মরুপ অমগা লোয়ননা চাম্মিন্নগদবনি হায়রগা মখোয় অনি অচিকপা কা অমদা চংলম্মি ।

মখোয় অনি চাক ঙায়বা ওইনা ৱারি শান্নরম্মী —

চাওরেন — ইতাউনা হায়খিবদাই । হৌজিক কলি যুগনি । কলি যুগতদি ঐখোয় ইশেন শংহাত্ত হাৎনবনি । মতৈ মনাউ নুংশিনরোই । মচিন মনাউ নুংশিনরোই থকসি খাসি লৈনরবোই । পোংচৈ মুন্নরনি । অমগী মপোং অমনা লাক্লগা চাখ্রনি ।

ইবোমচা — মানি চুম্মী ইতাউ ।

চাওবেন — ইতাউ ঐ সুম তাজবদা পৃথীবিনা পোকপা চহি কবোর নিফু হেল্লে অদুগা মীওইবনা পোকপা চহি করোর তরামুক ফারম্লগনি হায়রি । ঈশ্বরগী উ-বা, নাপী শীংনা, শা-ঙা জিবা ময়াম শাবদা তাইবং মীসু শারবনি হায়াব । ইতাউনা হৌজিক অসি কলি যুগনি নুংশিনররোই হায়বিবি । কলি যুগকী মমাংদা দ্বাপুর যুগ ওইখি । যুগ অদুদ কুরুক্ষেত্র লাঙ্গাউ থোকখি । দুর্যধন, দুঃশাসন শকুনিনা লাল তৌননবগী মচাক ওইখি । মসিগী মরমদা নোংমা ইতাউনা ঐঙোন্দা শ্রীকৃষ্ণগী লিলানি হায়বিখ । কৃষ্ণগী লিলাদ শিখিবা মীয়াম অদু হৌজিক ফাউবা শিবসিনা য়ৌবা ঙমদ্রি হায়রি । দ্বাপুর যুগকী মমাংদা ত্রেত যুগ ওইখি । মদুদা খা ভাবতকী য়োঙয়াম অদুগা লংকাগী প্রজা কয়া হাৎলি হায় । অদুদসু ইতাউনা শ্রীহরিগী লিলানি হায়বিখি ।

ইতাউ, হৌখি শাখিবা যুগনা কলি যুগতগী হেন্না ফৎখিদে, ইতাউগী শ্রীহরিদতা তাইশিনখ্রদা মতু মাই মহাক অশেংবা ঈশ্বরনি ।

মীওইবনা হেক লৈরকঙৈদগী হিংননবগী চিঞ্জাক থীবা কোয়চং চংলি । শা, উচেক, অফং অফংবা পুংচা চাদুনা লাকপদগী মী থেংনৈ,

মীসু অদুম চায়' । ইং ১৪৯৪ জেনেভা মচা কলম্বসনা অমেরিকাদ থুংবদা পাগান জাতিনা মী ফারগা চাবা থেংনরম্মী । ইতাউ, জিবা পুন্নমক অসি মাগী মাগী হিংননবা চাজবনি । লমহুইনা ঙানু খুনু, লাকই হিংননবনি । ইপোৎ চেকশিনজব তাই । কৈনা শাঁজি শঙাই ষন চাই । মহৈ মহৈ অঙম অঙম্বা ফা ফাদুনা চান্নবনি । নাপীবু শগুপ শায়বা জিবশিংনা চায় । নাপী চাবিনবা লৈত্রবদি পৃথীবি অসি নাপীগী নাপী ঙাক্তা ঙায়রনি । নাপী চাবা জিববু কৈ, নোংশা, শওম, লমহুইশিংনা চাবি । নোংশানা লমশণ লাকপা উবগা ঐখোয়না হরে কৃষ্ণ, হরে কৃষ্ণ শোনজৈ । ইতাউ নোংশা, কৈ, মখোয়গী জাৎসি লৈত্রবদি, নাপী মহৈ মরোং চাবা জিবা ঙাক্ত ঙায়রবদি পৃথীবিদা অশং অমান লৈববোই । ঐখোয় অশং অমান, মহৈ চাবা জাতি ওইবরোই । জিব অমনা জিব অমবু ফাবগা চাবা করিসু দষ লৈরোই । অদুবু শাশিংনা তৌনরবসু মীদি ব্রাখল লৈবা জিবনিনা তৌনদে । মীদি খ্বায়দগী তমথীবা শানিনা কাংবু কাংবু নাযনদুনা হাত্তোক্লরম্মী । মবম অসিদগী মীগী মশিং হেনগৎপা ইঙম ঙম্নদে । কলমবস্না মফম অদুগী মীশিংদা "মখোয়না নুপী চাদ্রিবা করিনো" হংলম্মী । মখোয়না খুন্নম্মী — নুপীদি খায়, হাউতে ।

কলম্বসকা ভাস্কো দা গমাগা অনিনা লৈবাক পুথোকপগী লময়ানবা ওইবদগী ইউরোপ ১সুং অমেরিকানা অফ্রিকাগী নেগ্রো নুপামখৈ ফাদুনা জহাজদা পোরকপদা দেঙ্গি লায়নানা নাদুনা তুম্ন তুম্ন হাৎখিবা ১সুং জহাজ হন্ন হন্ন চত্তুনা ফাবিবা কয়াদগী হিংহৌবশিং মীনাই ওইনা থল্লিবসিনি । কয়ানা তমথিরবা মীনো । শা হায়বসু মীনি । হিংচাবা হায়বসু মীনি, তম্নরাই হায়বসু মীনি, ভুৎপ্রেৎসু মীনি মরম অদুনা ঐখোয় মী ফনবা হিদাক য়াম্না দরাকর ওই ।

চাওরেন — নহানমখৈ ইতাউনা ঙাঙ্ঙগা ঐনা তাবা ওইদুনা লাকই । ঙসিদি ঐসু খরা ঙাংগে ।

ইবোমচা — ঙাঙবিয়ু ইতাউ তাজগে ।

চাওরেন — পৃথীবিগী অখং অহৈশিংনা ঈশ্বর অসি অমত্তনি হায়না লৌই । ঐখোয়না প্রকৃতি খুৎশেম হায়রিবসি ঈশ্বর মাগী খৎশেম হায়বনি । ঐখোয়না উরিবা নুমিৎ থা, থবানমিচাক গ্রহশিং উ গা শা, মী ঐখোয় পুম্বা ঈশ্বর মানা শেম্বনি । লাই (ঈশ্বর) মাদি লৈদুনা ঐখোয়বু শেম্বী শাবিবা ওইরবসু ঐ ঐগী শক্তি (পাঙ্গন) গী মতুং ইন্না হিংনবা ঙাক্তনি । শক্তি কয়ানা তিন্নদুনা শেম্বা থৌনা ফবা তীন্‌কাঙ, উচেক বায়া, শাঙা, উ, তাইবং মী কয়া কয়া পৃথীবি অসিদা পোকখ্রবনি । মখোয় কনা অমত্তা অশিবগী খয়াত্তগী নাম্হোকপা ঙমদে । অদোম্না লাইনি হায়বিবা কৃষ্ণ, রাম, যিসু চৎখ্রে । মরমদি জিবশিংগী হকচাংদা মতম চুপ্পা শক্তি তুংশিন্দুনা লৈতে ।

লাই (ঈশ্বর) হায়বসিদি মামুক চউবা অমা লৈতে । মাদি পুন্নমক্কি মপুনি । মঙোন্দা কৎপা ইতিক লৈতে । মাদি অয়ুক নুংথিন্দা নুমিদাংদা উবা থা থবানমিচাকশিংগীসু অমত্তা ঙায়রবা মপুনি । লৈবাক খরনা মাবু গোদ হায়না খুরুম্মী । ঐখোয়না সিদবা মপু কৌই । মুসলিমশিংনা অল্লা হায়না কৌই । মঙোন্দগী ঐখোয়না নিজগদবনি । লাইদি ঐখোয়দা পাঙ্গল থৌনা লৌশিং পিখ্রে । মরম অদুদগী নং, মা, ঐ, ওইদুনা লৈনরি ।

লাই হায়বদি অচুম্বা হায়বনি । অচুম্বা চৎপা, অচুম্বা পাম্বা, জিবশিংদা হিংশা তৌদবা, পুন্সি নুংশাংই । পুক্লিংদা অকি তুচুংবা, অনাবা অমত্ত লৈবোই হায়রি । মীপুম খুদিংনা নুংশিনা চান্ন তৌগনি । ভারত কী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা পুন্নমক ঐখোয়না কাউখ্রে । প্রাইম মিনিষ্টরসু ওইরমদবা, ভারত সরকারগী ফম অমত্তসু পায়রমদবা মহাত্মা গান্ধীবু ঐখোয় মীওইবনা হেক লৈরিবা মখে মাবু কাউবা য়ারোই । মহাক্কী অচুম্বা পাম্বা, মানা অফ্রিকাগী প্রজাশিংদা তশ্নীবা তাকপীবদা নত্তনা মখুৎমক্না থবক্ সুবা নোম্বা য়াউদুনা অফ্রিকাগী প্রজাশিংবু অঙকপা পোকহনখি । অফাউবা মী কয়া পোকখ্রে ; অদুবু মখোয় অয়াম্বা মাগী লৈবাক, মাগী মবমদমগী বাখন

তৌবা, শেম্বা শাবা তৌই । গান্ধীদা অচৌ মচা ঐগী লৈবাক মীগী লৈবাক খায়দনা থবক তৌখিবা পুম্নমক ঈশ্বরনা য়াই । মরম অদুমক্না মহাকপু মহা-অত্মা কৌবা তাইতল পিখি ।

ঈশ্বর মঙোন্দা ঐখোয়না অমুক কবিবু কৎখিগদগে ? মাবু নিংশিংবিরগা অচুম্বা তৌবিয়ু । মামুক মবুক ফবা লৈতে । মঙোন্দা কনাগুম্বনা খংদবদগী পোৎ কৎলি । অদুবু মাগী মখুন্তা য়ৌদে । অখঙ্ অহে শাবা অমনা কৎপা পোৎ অদু লৌথোকপিখি । মীনা খংদবদগী মঙোন্দা পোৎ কৎলি ; য়াম্মিসু হায়দে, য়ামদেসু হায়দে । মঙোন্দগী পোৎ চৈ চান-থক্লবা নিজে । খক পিরকপা কৌবা লৈতে । মাগী মমাংদগী অচা-অথক অথুম অহাউ লৌথোকই । কবিসু হায়রক্তে । লাই মাংদা মী শা মঙক ককই । মাদি অদুম য়েংদুনা লৈখোকই । তৌগন্ মদু ফত্তে হায়দে ।

নোংমা ঐনা অহল লাইনিংবা অমগা উনবদা মানা হায়খি —- অসৃক চাউখ্রবা জগৎ সংসারগী মপু মহাকপু ঐখোয়না নুংশিজে । ইবুংঙো মহাক্কী লৈফম খংদবনা চান থক্লবা কৎকদবসু কৎত্রে ; খুরুমগদবসু খুরুমদ্রে । মহৌশাদি ঐজ্ঞা বামদাশকিদা হেক হেক কৎলম্বনি । মাগা ঐগা কৌনদবদগী মাগীদা কত্তবা কুইবে । হৌজিক্তি শং মচা অমা শাদুনা ইবুঙো মহাক লাৎপা য়ানি হায়দনা লাৎলে । মতম শর লেপ্পুরবনি কয়াদি নুংঙাইত্রে । ঐনা মরক থৎনা হংখি — করিগীনো ? পাবুং বামনগা খৎনবা য়াব্রনে ? অহল অদুনা ঐঙোন্দা শাউরংননা য়েংঙগা খুমখি — লাইদ কৎপদা ইবুঙো য়াম্মি য়ামদে হায়ফম থোক্তে । লাইদি মী ঐখোয়না তৌরিখে য়াবনি । লৈজ লৈজবদা কৎলু হায়বনি । অদুদা মাগী রামদাশ হায়বা অসিনা ঐঙোন্দ "হে অহন, য়াম্না কৎলগা মহে চাউবনি, খংদ্রো, খিত্তং কৎলদি মহে ফংলোইনে" সি হায়রকপনিদা । অদুদা ঐনা ঐজ্ঞা লাইদি ঐঙোন্দা য়াম্মিসু হায়দে য়ামদেসু হায়দে অদুগা মখোয়না নুপী অঙাংদা ঙাঙগদবা ব্রা ঐঙোন্দা হায়রি । ঐজ্ঞাগী লাই মঙা তরুক অসি লগাউ মরু ওল্লবোইরে ;

ঐদি হৌজিক্তা খংজরি । কয়াম কুইরে লগাউ মরু ওনবা ? নুঙায়দকো ঐদি হয়েংদগী লাকচররোই । অদুগানে ঐনা লাক্তবা হায়বসে ঐগী ইত্তুংদা লৈবা মী কয়া লাক্লরোইদ্রনি খংউ । অসি হায়রম্লগা ঐখোয় হমুং ফনা য়াম্মি মখোয়দা কৎপা তোকপা ।

অসুক্ক চাউখ্রবা জগৎ সংসারগী মপু মহাক কদাযদা লৈ, মহাক ঐখোয়না শাবা শঙ অসিদা লৈ হায়না খঞ্জরগা ঐখোয়না লৈবাক্তা বোড়াগা তোংনবগা লাই শারগা শঙ অসিদা লাৎচবনি । অদুগা ঐখোয়না নুতিগী অঙম অঙম্বা কৎচরে, মতম খরদি লেপ্পুরবনিনে । অহল অসিনা খল্লিবসি "ঈশ্বর হায়বসিনা ঐখোয পুন্নমকপু শেম্লি শাবিবা তৌই । মাবু ঐখোয়না নুতিগী পুজা তৌফম থোকই শাযবনি ।

ইং ১৯৫৩ দা চিনাদা য়ুহাব হাবদা মী লাক্ষ অমামখায শিখি । সুনামিনা মী নিশিং লিশিং মরক মবক্তা হাৎলি । ইং ২০১০ গী জানুৱারী ১৭ হাইটি দা) য়ুহাবদা মী ২০০০০০ শিখি । লাল কয়া থোক্কুনা মীশি মীনা কথা নংখ্রে । হিরোসিমা ১সুং নগাসাকি উৎ ওনখ্রে মী লাক্ষ অনিসু শিখি লাইমাংমক্তদা মীনা মীবু তান্ন তান্ন হাৎলি । লাইগী সেবা তৌজবা সেবারি ময়াম লাইশঙদা কর্নবিনবা চেনশিনবা ময়াম হাত্তোকপিখি । মদুদা লাই মাদি নোকমি নোকমি তৌদুনা নত্তুগা শাউনা য়েংদুনা লৈহৌই । য়ুহার হানু হাযদে, লাল তৌগনু হাযদে, বোম থাদগনু হায়দে । মাগী সেবা তৌবা মী ফাউবা হাৎপদা য়েংদুনা লৈ ।

দয়ানন্দ স্বরস্বতি কৌবা অফাউবা নিপা অমা লৈরম্মী । মানা অঙাং ওইরিঙৈদা মপা ইবুংঙোনা নুমিদাংদা সিববাত্রি পুজা তৌরম্মী । লাইগী মাংদা কৎপা অচাপোৎ অমত্ত মানা চাগে হাযবদা য়ারমদে । মঙোন্দা মপানা ঈশ্বরনা চারবা মতুংদা ঐখোয়না চাগদবনি" হায়রম্মী । অহিং অথেংবদা উচি ময়াম লাক্কুনা লাইগী মাংদগী অথুম অহাউ চাবা উবদা মপা অদু কন্না নোমদুনা হৌদোক্লম্মী । অদু ফাউবদা মপা অদু নাখোক্কুনা

তুমন্নী । মপাদ মুর্ত্তি লাত্তুনা ঈশ্বর নিংবিগনু হায়জরম্মী । মপানা মাবু ফুবিরম্মী । খর লৈরগা মহাক মযুম থাদোক্তুনা ঈশ্বর থিবা চৎখি । মানা ঈশ্বর লৈতে হায়রম্মী ।

কার্বলাগী লালফমদা মপুরোইব্বা কায়নরবিশিংগী মীকপ মীরাউখোল কনানা তাখিবগে ? হজরৎ মহম্মদনা তাখি । তুরেন্দা কুমথরগা ঈশিং খুজোক অমা থাংকৎলগা থক্কে তৌবদা মাগী লানমীশিংনা ঈশিং ফংদুনা শিখিবা অদু নিংশিংলগা ঈশিং থক্কমদে, মপুরোইবা শিখিবগী মীকপ মীরাউখোন্না মনাকোং অনিদা শীংজানা য়ৈবদগী মহাক তুরেন্দগী কাখৎলম্মী অদুগা লালদা হিংহৌবা নুপাশিংনা নুপীশিং অসি য়েন্নদুনা লৌশিন্নবা হায়রম্মী । মহাকপু ঈশ্বরগী লাইপাউ পিবা মীনি হায়না ঐখোয়না ঙসি খংনরি ।

পাক চাউরবা অফ্রিকা মহাদেশকী নুপা পুম্বা ইউরোপ ১দি অমেবিকাগী হিংচাবশিংনা (মী ফত্তবশিং, ইউরোপ অমসুং অমেরিকানশিং) ফার ফাবগা জহাজদা ঙাবি নম্বগুম নম্মগা পুবিবক্তুনা য়ুমগী মীনাই ওইনবা লৈবা, শন শেন্নবা, ইংখোল কোযনবা, চুগী ফার্ম, চুজাক্কী ফার্ম, হিদাকমনাগী ফার্মনচিংবা তৌনবা লৈনৈ । অফ্রিকাদা নুপা পুমতাক তাক্লে । লাইরবা তোল্লবিশিংন মচাশিংগা লোয়ননা লৈহৌরি । মীনুংশি মচেৎ অমত্ত য়াউদ্রবা হিংচার্বশিংনা মখোয়বু পিজ পিথক্লবা ফারুবা, লৈরুবা তৌবা নত্তে । নোংমদা পুং ১৬ থবক সুহন্নবনি । মপুরোইবশিং অদু নোংমা লাক্কনি খল্লি, লাক্তে । ঙসি খল্লি, লাক্তে । চাদ থক্তন কয়া ঙায়রে লাক্তে । নুপী অঙাং বোম বোম তুদুনা শিনরে । ঈশ্বর মহাক্তবু কৌদুনা লৈজখি । ঈশ্বর মহাক লাক্লগা লমন খুম্লখিনি খঞ্জখি । অদুম্মক লাকখিদে । পুয়া, পুরান্দা, ইপিকতা, মিথোলোজিদা ভাবনা শাবা ব্রারি, থোকখিবা খরা, মীনা পাবদা নুংঙাইনবা ইবনি । অশেংবদি লোয়নমক ওইদে ।

হিবন্যাকাসিপুগী মচা ইবুঙো প্রহলাদ মপানা হায়বা য়াদে । শ্রীহরি নিঙঙি । মপা ইবুঙোনা শাউদুনা অঙাং ওইরিবা প্রহলাদ চীংদগী থাদৈ

শিখিদে ; মৈদা লওশিল্লি শিদে । নোংমা মপানা প্রহ্লাদতা হংখি — "নংগী শ্রীহরি অদু কদায়দা লৈ" । মচান খুমখি "ইবুঙো মাদি মফম খুদিংদা লৈ উখোং অসিদসু লৈ।" বা অদু তাবদা হিরন্যকাসিপুনা মখুত্তা পায়বা শীংজংনা উখোং অদু য়াল্লম্মী । হেক য়ানবগা উখোং অদুদগী নরসিংহ থোরকখি অদুগা হিরন্যকাসিপু হাৎখি । লাই থাজবা পোক্লবা (শুমহৎপা) ব্বারিনি । থোকখিবা নত্তে । থোকখিবা ব্বারিবুদি শেমজিন শাজিনবা ব্বারিনা হেন্ন ফজে হায়দুনি ।

— মহারাজ হরি চন্দ্রগী দান তৌবদা হালেংবা লৈতে হাযবা তাবদগী কয়াম ওম্বগে খংনিংদুনা হবিচন্দ্র মহাবাজনা ব্রহ্মন অদুগী পেন্নবা "কবি তৌজৌগে কবি হাবিগনি" হংলম্মী । ব্রহ্মন না হায়বম্মী "নংগী নচা নুপা অমা লৈবদো ইমাংদা হাৎলো অদুগা শেন্লো অদুগা নির্ংথিজনা থোং থাক তৌবো । ঐ মতম কুইনা লাই নিংবদা ইশা অসি শোম্বুবে কনখৎহনগে" । হরিচন্দ্র মহাবাজনা খুদক্তা মচাবু হাৎলগা থোং থাক তৌরগা ব্রহ্মন অদুদা পিজবম্মী । চাবা থকপা লোয়ববা মতুংদা ব্রহ্মননা "মহাবাজ, হৌজিক্তি ঐ পেল্লে চৎখ্রগে" হাযবম্মী । মহাবাজনা খুকমদুনা বিদায় তৌবম্মী । ব্রহ্মননা হাযবম্মী "মহাবাজ ঐনা হল্লমদায় মীকুপ অসিদা নচা ইবুঙো অদু অমুক্তা কৌবিয়ু ।" মহাবাজনা মহাক লৈখিদ্রবনিনা ঐ কৌজররোই হায়বম্মী । ব্রহ্মননা অমুকসু হন্ন কৌননবা মহাবাজদা তক্লরম্মী । মহারাজনা "ইচা ইবুঙো কৌরম্মী । খুদক্তা পাবুং মহারাজ হায়রগা চেম্থোরক্লম্মী । মপা মচা কোন্নবিঙেদা ব্রহ্মন অদু লৈরমদ্রে ।

মতাং অমদা অমুক মহারাজ হরিচন্দ্রগী মথক্তা চাংয়েংবা বিশ্বমিত্রা মুনি কোনুংদা লাক্লম্মী । চাক ঈশিং চাবা থকপা লোয়রগা নিংথৌদা দক্ষিনা তৌনবা, হায়রম্মী । নিংথৌনা সনা তাঙ্গ অমা দক্ষিনা তৌরম্মী । অদুবু মুনিনা নিংথৌদা "নংগী লৈবাক পুম্বা অদুগী মথক্তা সনা তাঙ্গ তরেৎ অমগা দক্ষিনা তৌদ্রবদি বিশ্বমিত্র ঐগী ইতিক খংগনি" হায়রম্মী । হরিচন্দ্র ১সুং মহারানী মমা মচা পুল্লপকী অশিৎপা সনানা দক্ষিনা তৌখ্রে । মহারাজ হরিচন্দ্র মী অশিবা মৈ থাবা ওইখ্রে । মহাবানীনা ফত্রবা

ব্রহ্মান অমগী মীনায় নুপী ওইখ্রে । ব্রহ্মান অদুনা মীনায নুপীগী চাক পিবদা অঙাংগী শরুক তমদে । মতম চুপ্পদা [illegible] অদু "ল[illegible]শেকখ্রোদা" হায়দুনা লৈবনি । নোংমা যাথং নুমিৎ অমদা [illegible] অদু [illegible] চিক্লম্মী । অশিব অঙাং অদু মৈ থানবা শীং লৈরবা শেল [illegible] পীযু হাযবদা ব্রহ্মান অদুনা যাবিবক্তে । অশিবা মচা অদু কোন্দুনা মা শিবগী সংস্কাব তৌফমদা পোবক্লুনা "ইচা অসিগী সংস্কা[illegible] [illegible] শেল্দি লৈজদে" হাযবম্মী মদু তাবদা [illegible] [illegible] [illegible]গী মচা সংস্কাব তৌবা [illegible] হায[illegible] [illegible] [illegible]দা নেংখাঙ কুপ্লকখি । মাকপ [illegible] [illegible] মখেযনা "ইচ বোহিদাশ [illegible] [illegible] হাযবম্মী । খুদক্তা বোহিদাশ [illegible] । [illegible] [illegible] । [illegible] কযাদ অথাং কন্থুবা, বাদি[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] থাক্তে লৈনবা, মখোযদ্‌ [illegible], [illegible] [illegible] লিবা বাদিনি ।

চাওবেন — ইতাউনা লাং [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] ব্রাখ্নদগী নিংবিবিনো ? নশাগীদমক্তব, নক্তুগা ঐখোয খ্বায পুম্মনক্কী যাইফনবসু নিংবিব্রা ?

ইবোমচা — অদুগীবুদি ইতাউ মানা তৌবনা মানা ফংবা, ঐনা তৌবনা ঐনা ফংবা । ঐনা ঈশ্ববু ইবাং পূজা তৌদুনা নুমিৎ খুদিংগী খুরুমজবি । ঈশ্বরনা ঐবু থৌজানবিবদগী ঙসি ফাউবদা ইমুং মনুংদা অনা অয়েক লৈজদে ।

চাওবেন — ইতাউগী লৌ কযাম লৈবগে ? ঈঙ্খোল কয়াম চাউবগে? ইচা নুপানা কযানো? ইচা নুপীনা কযানো ?

ইবোমচা — ইতাউ পবি [illegible] লৈ । ঈঙ্খোল পেইন্ট কুনমঙা চাউবা লমনি, ইচা নুপা [illegible], ইচা [illegible]

চাওরেন — মখোযগীদমক্ত ইতাউনা কবি করি থম্বিবে ? লৌ অদুদি অহন্ন থম্বীবম্ব্রা? চাবা কোন্নব্রা ?

ইবোমচা — ইপা ইমানা থনম্বা লৌ ঈশ্খোলনি । ঐ করি অমত্তা লৈশিনবা ঙমদে । চাবদি ঐখোয়না লৌ উরগা চাবনিনা ওকই । ইচা নুপিশিংদি লোয়না লৈশাবী ফাববনি ।

চাওরেন -- থবক তৌমিন্নবা ফনা কুইরে । বেঙ্কতা শেল কয়াম থমজিল্লগে ?

ইবোমচা — কদাযদগী শেল্লোন্দা চঙ্লে ঈখোয লবাই মীনা বেঙ্কতা শেল থম্বা হাযবসে তৌনদে নচন নুপীদুসু মচাশিংগা লোয়ননা ফিশা লোনশা থব তৌবা অঙাংশিংনি । স্কুল অমুক কা অমুক কাদা তৌবা জাত্তুনি । শেলগী ব্রা পন্নগুর্মাস । শেল তুংশিল্লি, হৌজিক থব লৈবগা বুদাবন চংপা ঙম্লবা অসি মঙায় ।

চাওবেন — নুপী অঙাং যাম্না লৈববনিনা শেল তুংশিনবগী থবক তৌবিয়ু । ইচাশিংগী লুহোঙ খোংদোংবদা শেল চংগদবা যাম্না লৈ । ইতাউ, লম চত্তুনা লাই খুকম্বা তোকপিরো । মীবক্তা হিংগে থল্লবদি শেল য়াউদনা করিগুম্বা থবক অমত্ত তৌবা য়ারোই । ইচাশিংগী মথৌ মঙম থোক্লকপদা মীগী মতেং য়াউদনা তৌবা ঙম্লবা হোৎনসি । লৌ ঈশ্খোল কায়থোক্তুনা শিজিন্নরবদি লৈহৌবা মখোয় কবি চাগনি ? লৌ পরি অমা অসি শঙম মরিনি নচা অমমমদা য়েনবদা শঙমগী তংখায় অমমম থুংই । ইতাউনা লাই নিংবনিনা লাই নিংবগী মহৈ, ইতাউতনা ফংগনি হায়বি । ইতাউনা পোকপা ইচাশিংদি লাইগী মহৈ ফংলোই । মমা মপা ওইবা ঐখোয়বু ইচাশিংনা মনিং থুংদ্রবদি মতৌ য়েংবা ঙম্লোয় । মমা মপাবু চাথোক্লক্কনি । ইতাউ, য়ুমদা লৈনা লৈনা শেল তীংদনা ঐ লাই নিংই, ইতাউসু নিংবিয়ু ।

অচুম্বা চৎপা, অচুম্বা ব্রা ঙাঙবা, মীনা মীবু ব্যাবহাব তৌবা, মীগী মতেং পাংবা, কল্লক মীহৌবা লৈতবা ইমুং খুদিংমক চাবা থকপা ব্রাত্তনবা হোৎনবা, হুই, হৌদোং শা যনদা নুংশিবা উৎপা, চাবোইদবদা হাত্তোকপিদবা, মীগী মতেং পাংবা, শেন্দোয় চাদবা, উ, ব্রা, য়াম্বুৎপিদবা, য়াম্বুৎপিবগী মহুৎ থাজিনবিবা, হব্রাগাড়ি, স্কুতব, ইঞ্জিন পানবা ময়ামসিগী মৈখু থাদোক্তনবা হোৎনবা, মৈখু থক্তবা, নিশ চাদবা, দ্রগ চাদবা, দ্রগ যোন্দবা ওক্তবা মীগা তিন্নদবা, দ্রগ যোনববু অচৌবা দন্দি পিবা । মসি ওইগনি ঈশ্বব হাযবদো ।

নুপী অঙাং লৈববা ঐখোযনা নিংসদবা লাই হাযববু অসিনি । অসিদগী হেন্ন ফবা মওংদা লাই নিংবদি নুপী অঙাং লৈত্রিঙৈদা তৌনৈ । সিদ্ধার্থ গৌতমনা অঙাং ওইবিঙৈদগী [illegible] ১সু জিবপানবশিংগী ব্রাখল তৌদুনতা লৈবম্মী । মদু উবদা [illegible] বাখল হোঙনবগী গোপা কৌবী অমগা লুহোঙবিবম্মী । খব লৈবগা মচা অমা পোক্লে । মতম অদুদা সিদ্ধার্থনা নিংজবা পুম্বা কাযবা তাবে খন্দুনা অহিং অমা শগোল শাবথীবু অবাপ্প উমঙ অমদা থিন্দোকহন্নখি । ইভাউ, ঐ সীদ্ধার্থগী ব্রাবি তৌজগে অঙাং (গৌতম 563-483 BC পোকখিবা) ওইবিঙৈ সীদ্ধার্থ কৌরিঙৈ গৌতম কৌবী নুপী অমনা য়োকপিবিঙৈদা মাগী পোক্লফম লমদম নেপাল তেবাইদা মপা ইবুঙোগী শগোল শাবথীগা কোইমিন্নবদা উরকপা কনানা চানিংঙাই লৈতবগী ব্রাবা, কনানা অহল ওইশিল্লকপগী ব্রাবা, কনা অমনা সড়ক্কী মতাইদা অব্রা চৈনাখোল খাঙজবা, মীযাম চংদুনা অশিবা পুথোরক্লগা কপ্পা লাউবা তৌবা উরকখি । অঙাং ওইরিবা মহাক্লা শারথীদা হংবদা শারথী অদুনা ময়েক শেঙ্না শেঙ্না খুম্বীরম্মী । "ঐখোয়সু অকোন অহানগী ব্রাতনি, লোয়নমক শিগদবনি"।

মীয়াম অমনা মী খর মখুৎ তুংবুন্নদুনা ফু ফুদুনা পুবকপা উবদা মানা শাবথীদা হংলম্মী । শাবথীনা খুম্লম্মী "যুববাজ, মখোয অসি মীগী শেল নত্তগা পোৎ লৌশিল্লগা শিংবা ঙমদবদগী ফাবগা ফুনা ফুনা, ব্রায়েনশংদা

পুরিবনি ”। পাউখুম অদু তাবদা যুবরাজ মশা শোঙ্গরম্মী ১সুং ‘কোনুংদা হল্লিল্লসি’ হায়রম্মী । নোংমসু অশিবা অঙাং অমা মখোয় খরনা মুন্নবা থেংনরম্মী । খংদবদগী যুবরাজনা শারথীদা হংলম্মী । শারথীনা খুন্নম্মী । “অঙাং অসি শিরবনিনা পোলোইরসি হায়বদা মমা মচেশিং অসিনা “ঙাইখো, ঐখোয় অমুক্তা পেন্ন কপচখিগে ইচাশি কোন্দুনা হায়বনি” । “শারথী ঐ নারে । কোন্নুংদা হল্লসি” হায়রম্মী । মহাক লুম্বিনি লৈকোন্দা লোন্না লোন্না চেন্দুনা ৱাখল তৌরম্মী । মফম অসিদনি মমা ইবেম্মা মযাদেবীনা মাবু পোকপা । মাবু পোকপা নুমিৎ তবেৎনি শুবগা মমা ইবেম্মা মযাদেবী সংশাব থাদোকখ্রে ।

[illegible] [illegible]ইঙদগী ঐনা মহাক [illegible]শাংদু [illegible] নুংশি[illegible] [illegible] [illegible]না কাং, মাগী মমাংদা মীনা থীনা তৌবগা, [illegible]ংপা [illegible] তৌবা য়াবমদে । কনাগুম্বা অমনা মীঙোন্দা তাথী তাওইনা তৌবা যাবমদে । ব্রাহ্মনশিংনা মাগী মপাবু অফবা ওইনবনি হায়দুনা লাই তোইনা খুরুমহল্লম্মী । মশক খংদবা, করি কবি লমদা লৈবা ব্রাহ্মননো খংদবা ময়াম অসিনা নিংথৌগী লাই খুরুমদুনা লাইদগী বড নিরিবনি হায়দুনা নিংথৌগী মকোক্তা ঈশিং হৈবা, খুজাইদা চেং, থোইদিং লৈ, হাপ্তুনা মখুৎ লোন্নহন্দুনা অয়াম্বা মতমদা লৈহল্লম্মী । ব্রাহ্মন্না তৌ হায়রিখে তৌবম্মী । মপা ইবুঙো মহারাজদগী ব্রাহ্মননা হেন্না চাউবগুম তৌবসে মহাক পান্নমদে । অদুগা মাগী মতমদা বৈষ্য ১সুং সুদ্র (হরিজন, দলিট, চন্দাল) জাতিবু মতম অদুগী ব্রহ্মনশিংনা নোংমগী মখোয়না তাঞ্জবা শেলগী তংখায় লৌদুনা ওৎপা নৈবা কযা তৌবিরম্মী । অসিনচিংবা ময়াম অসি করম্না কোক্কদগে খন্ননবগী মহাক সন্যাসি ওইনা উমঙ্দা লৈবম্মী ।

উমঙ্দা চহি তরেৎ লৈরুরবা মতুংদা মীযাম্না মঙাল ফংলবা মী হায়রগা খঙনবা মহাক অদু মীয়ামগী মরক্তা চংশিল্লক্লুনা সোসিএল ৱার্কবগী লুচিংবা অমা ওইনা হিন্দু ধর্ম্ম শেমদোকমিন্নরম্মী । বৈষ্ণ্য ১সুং সুদ্রশিংনা ৱানা তাঞ্জবা শেল ব্রহ্মনশিংনা লৌবা য়াহন্দ্রে । যিসু খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈ

মগধগী নিংথৌশিংনা খুৎকল পাঙ্গল্লিঙেদা ব্রহ্মনশিংগী ধর্ম্ম মুথৎনবা হুল কয়া লিংলম্মী। মদুগী মনুংদা তম্বা ছাত্র খরদি বৌদ্ধ ধর্ম্মসু থাজবা হিন্দু ধর্ম্মসু থাজবা ওইরম্মী। মখোয় অদুননি বুদ্ধ শিরবা মতুংদা বৌদ্ধ ধর্ম্ম তপ্ন তপ্ন লৈখা তাহল্লকপগী মরম। নহানমুক্কী মপোক্তা ফত্তবা থবক তৌবদগী হুন্দক্কী মপোক্তা বৈষ্ণ্য নত্তগা সুদ্র অসি ওইরকপনি হায়বা মহাক্না য়ারমদে। চহি কয়ামরম মীয়াম হুপ্না থেঙনমিন্নবদগী ব্রাহ্মন, ক্ষেত্রি, বৈষ্ণ্য ১সুং সুদ্র অমত্ত ওইখিরম্মি। হায়বদি হিন্দু ধর্ম্ম অসিমক্তদা বর্ন মরি থোক্ল খায়দোক্তুনা ব্রাহ্মনগা ক্ষেত্রিগা মীচং অমা ওইরগা বৈষ্ণ্য ১সুং সুদ্রগা মীচং অমা ওইরগা নাকপাক পাকপাক তান্নদুনা খৎনবা পুন্ন মক তোল্লম্মী। মখোয় অমগা অমগা চারৌ মৌরৌনরম্মী। ব্রহ্মন ১সুং ক্ষেত্রিনা পৈশিল্লম্বা লনথুম পুম্বা বুদ্ধদেবদা কৎলম্মী। মদু পুম্নমক বুদ্ধনা লাইরবশিং খন্দোক্লগা য়েম্থোকপিরম্মী। মহাক্না হায়রম্মী নহানমুক্কী মপোক হায়বা লৈতে, মথংগী মপোক হায়বা লৈতে। ঈশ্বরদি সুক্লে লৈতে। মীওইবনা শিবদা থব্রাযদি শিদে হায়বসে মহাক্ন য়ারমদে।

বুদ্ধনা সৌর জগৎকি মরমদসু য়াম্না মমুৎ তানা নৈনরম্মী। ঈশ্বর লৈতে হায়বা, লাই থাজদবা মহাকপু, ব্রহ্মন ওইবগা বুদ্ধগী মায়খুম উপ্পা খরগী মচা মশুশিংনা বুদ্ধবু হিন্দু ধর্ম্মগী দশ অবতারগী মনুং চনশিনবিরম্মী। মহাক্না শিথ্রবা মতুং চহি ৫০০/৬০০ কি মতুংদগী ভারত্ত হিন্দু ধর্ম্মগা বৌদ্ধ ধর্ম্মগা অনিমক লাৎনরম্মী। অদুদগী বৌদ্ধ ধর্ম্ম তপ্ন তপ্ন শিথরকখি অদুগা হিন্দু ধর্ম্মনা তপ্ন তপ্ন মপাঙ্গল কনখৎলকখি। মসিগী মরমদি অসিনি ইনাক খুনবা ১সুং ব্রহ্মান মখোয় অনি মান্নরগা থবক সুদনা লেমজা চাবা য়ানবনি। অমুক হন্ন অমোৎ অকায় সুবশিংবু বৈষ্য ১সুং সুদ্রশিং হিন্দুগী লাইশংদা চংবা থীংলম্মী। বুদ্ধদেব মশানা ইবা লাইরিক কয়া মাঙহল্লম্মী। কয়া অমা হিন্দুগী মমিং মথা ওন্থোক্তুনা শিজিন্নরম্মী। লাইরিক কয়া অমা লাই থাজবগী ঝারি হাপচিনবিরম্মী। মশামক মপোক তরেৎলক লৈ হায়বনচিংবগী লাইরিক ইশিনবিরম্মী। বৌদ্ধ লম্বোইবা চীন লৈবাক্তগী

লাকপা ফা-হিয়ান ১সুং হুয়েন শাংনা বৌদ্ধ ধর্ম্মগী লাইরিকশিং ১সুং বুদ্ধনা শিজিন্নরম্বা পোৎচৈ ময়াম মাঙহন্নখিবগী মপুক্লিং নুঙায়রমদে। অদুবু মখোয়না বুদ্ধগী খোঙগুন, ময়া অমদি শুমচিং পুখিরম্মী।

....

ইতাউ, পৃথীবিদা ধর্ম্ম শব্দোক্লম্বা খরনা মহাক মশা 'লাইনি' হায়জৈ। খরনা ঈশ্বরগী মচানি হায়খি।

ইতাউ বুদ্ধদি মহাক মশা লাইনি হায়জদে, হায়বিনবগী থবকসু তৌদে। মীশিংনা মাবু উরগা পেঞ্জে। হৌজিক্তা শ্বর্গদগী তারকপা মীগুম খল্লম্মী। মহাক কনাদসু মীত্রং তৌরমদে। মানা হায়রম্মী, ঐনা ঙম্বা থবক খুদিংমক মী খুদিংনা ঙমফম থোকই। পুক্লিংদা চপ য়ুংনা তৌগে হায়বা ব্রাখল লৈতবননি। মহাক নুপী অঙাংদা অচোপ্পা থবক তৌদে। হিন্দুগী মীনা লাইনি হায়নরিবা কয়া অমনা নুপী অঙাংবু উরবদি অচিক্পা তাঙ য়েংদুনা পাকথমিন্নবা ঙাক্তনি। লাই শাবা মখোয় খর, খা ভারত ১দি শ্রীলঙ্কাদা কুচু ঙৌবা জাতিগী নুপী লৌই ১সুং মাবু দর্শন তৌবা লাকপদা থোং লোনশিল্লি। করিগুম্বা কান্দা রেপ তৌবদা মশামক্কী নুপীনা কেমেবা লৌদুনা ফাবা, শাপ তৌবা অসিনচিংবা কোন্না লিবদা য়াউরক্কনি।

লাই শাবশিংদি মহাক মশাবু মীনা লাইনি হায়ননবা মিত্রং তৌশিল্লি। মতম অদুদা অপঙবশিংনা মাবু লাইনি হায়। ভারত্তা মগোল নিংথৌ সহজহান্না তুলসিদাসপু কোনুংদা কৌখৎলগা "নহাক রামগী ভক্তনি হায়না তাই। অদু ওইরবদি নংনা তৌবা ঙম্বা শক্তি খর ঐগী ইমাংদা উৎলু" হায়রম্মী। তুলসিদাসনা "ননায় ঐদি প্রভু রামচন্দ্রতবু নুংশিজবনি। মাগী মতিক মগুন শোন্দুনা ঈশৈ শকচবা, ইজবা অসিতনি। অতৈদি ননায় ঐ খংজদে" হায়রম্মী সহজহান্ন - "নংনা ঈশ্বর নিংবগী শক্তি খজিক্তং ঐগী মাংদা উৎলু হায়বনি" হায়রম্মী।

তুলসিদাসনা ননায় ঐ করিমতত্তা খংজদে হায়বদা মহাকপু কৈসুমশংদা থন্নম্মী । নোঙাল্লগা "শাউনুকো" হায়রগা মহাকপু থাদোকপিরম্মী । লাই শাবশিংনা মিত্রং হেক হেক তৌবদুদা তুলসিদাসসু মিত্রং তৌব্রা য়েংবনি ।

হন্দক জেনেভাদা ফমখিবা পৃথীবিগী লৈবাক চনিরোমগী ধর্ম্মগী লুচিংবশিংনা বুদ্ধ ধর্ম্ম নত্ত্রবদি পৃথীবি অসি শান্তি পুরকপা ঙম্লোই হায়খ্রে । (মীতৈলোন SE 20.10 09)

পৃথীবিদা লৈবিবা লাই মচা [illegible] ... [illegible] ।
[illegible]
[illegible] লৈবনা [illegible]
লৈফম থোকই এতাক [illegible] কযম্লনা [illegible] । পৃথী[illegible]
অহৈশিংনা যাম্না তোযনা খননা ব্রাফাম্ন । হন্দক মালেমগী লৈবাক পুন্ন মক্তগী ধর্ম্মগী লুচিংবা ২০০ রোম্না geneva গী রাউন টেবল অমদা হৌজিকসিদা করম্বা ধর্ম্মনা খ্বায়দগী ফবগে য়েংননবা ভোৎ থাদনখি । ভোট লৌনবা অদুদা বৌদ্ধ ধর্ম্মনা মশিং হেন্দুনা মনা ফংখি ।

ইকারুসকী রিশার্চ ডিরেক্তর ষ্টোন হল্টনা হায়খি - বৌদ্ধ ধর্ম্মনা ধর্ম্ম পুম্নমক্তগী খ্বাদগী ফবা ওইদুনা মনা ফংখিবসি ঐদি থোইদোক্ল ঙক্লা থোক্তে । মরমদি যিসু পোক্কদবা চহি ৫০০ গী মমাংদগী লৈরক্লবা ধর্ম্ম অসিগী মীংদা ইতিহাসতা লাল শোক্লখিবা অমত্তা থেংনদে । অতৈ ধর্ম্মশিংদি মসিগী ওন্ন তৈনবদা তৌবা ঙাক্তনি । বুদ্ধিষ্টশিং অসিনা মাখোয়গী ধর্ম্মগী ওইবা লিক্লম অদুদা অদুম্মক চৎচরি । মশাদি খৃষ্টান পাষ্টর ওইরগা বুদ্ধিজমদা ভোট পিবা ফাডর টৈদনা অসুম্না হায়খি - "কেথোলিক চর্চপু ঐনা অসুক্কী মতিক নুংশিজে । ঈশ্বর মহাক্কী নুংশিববু শেংদোক্তুনা লাইরিক কযাসু ইবি । অদুবু ধর্ম্ম অসিদা হাৎনা সুনবদি লেপ্প লৈতে । মসিনা শান্তি ওইবদি ফংলোই । মরম অসিদগী ঐনা খৃষ্টানগী

ৱাংমদা বুদ্ধীজমদা ভোৎ পিখিবনি ।" পাকিস্থানগী মুসলিম পুরোহিত টালবিন ৱাশসাটনা অসুম্না হায়খি - "ঐহাক মুসলিমদা পুক্লিং লুপচবা মী অমা ওইনা ঐনা খঙলিবদি, ঙসিগী লৈরিবা সমাজ অসিদা করিসু নত্তবদা অমনা অমবু তাথি তাওইনা তৌনরক্লি । মসি বৌদ্ধ ধর্ম্মদা অদুক হাক্ল লৈতে । অদুননি ঙসি পৃথীবিদা বৌদ্ধ ধর্ম্মনা খ্বায়দগী ফবা ওইরিবসে ।"

ধর্ম্মনা অমা চৎলগা ভোৎনা বুদ্ধিজমদা পিবা মালেমগী ধর্ম্মগী লুচিংবা খরনা অসুম্না হায়খি । "বুদ্ধিজম ইচম চম্বা ধর্ম্ম নত্তে । মসি য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা ধর্ম্মনি । মসিনা পোৎ খুদিংমক্কী তশেংবা মশক তাকই । ইসলামগুম্বা ধর্ম্ম কয়াদি য়াথং পিদুনা ইন্নবা হোৎনৈ । বুদ্ধিজমদি ৱাখল লৌশিং থোকহনবগা লোয়ননা থম্মোয় ইং তপ্ন লৈতাহল্লি । পৃথীবিদা ঙসি ৱানরিবা ময়ামসি কোকহনসি হায়ববদি বুদ্ধিজম নত্তনা অতৈ লৈতে । অতোপ অতোপ্পা ধর্ম্মগী মরু ওইবা মীশিংদা বুদ্ধগী ৱাখন চংলকপা হৌরে তাক্লবনি ।

মনিপুর ইউনিভর্সিটিগী লিংগুইষ্টিক ডিপার্টমেন্টতা প্রেফেসার ওইরম্বদগী পোত্থারবা এম এস নিঙোম্বা আগষ্ট ১৬, ২০০৯ দা থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোকতা মালেমগী থাক্ত পুরোহিত হাপ্তুনা বেনরেবল "ভিখু অনালায়ো" হায়বা মিংথোন ফংখ্রবনা হায়খি - কাংবু কাংবু নায়না খৎন চৈনবা হাৎন সুনবা নত্ত্রগা লৈবাক্কী ওইনা নত্ত্রগা মালেমগী ওইনা থোক্লবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসি বুদ্ধিজমনা ইরাই লায়না মাঙহনবা ঙমগনি । মীওইবনা লান্ন খনবা ৱাখন্দগী মশানা মশাবু অৱাবা পীজৈ । অপাম্বা মীহৌবা কল্লকপা তুক্কচবা লৈবা মহাক অদু অকনবা ফিবেপ লৌরকপা মতমদা চুম্না লৌবা ঙমদে । মীওইবা ঐখোয় খুদিংমক অমত্তনি চপ মান্নে হায়না খনবা ঙমদবা মীনা খেন্ননা হৌবকপনি খন্দুনা ফুনৈ খৎনৈ ১সুং লাল তৌদুনা পাঙ্গল মুন্নবা হোৎনৈ । মী ওইবা জাতিবু তোঙান তোঙানবা কাংলুপ কয়া থোক্লা খায়দোকহল্লিবা মখোয়গী ইথিল মখাদা সোসিএল সাইন্স অসি চাউখৎলকখি । হৌজিক লৈবিবা

থর্ম অমাগী পাউত্রাকশিং অসি মতমগা চানদবনা অনৌবা সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা লেপ্পনা ঐখোয় পুম্নমক্না হোংনবা তাই।

মতৌ অসুম্না মীওইবা মশেল অমত্তনি, মহৌশা খুংশেমগী কাঙলোন মনুংদা হিংহল্লকপগী মরম অমসুং মহে ওইনা থোরকপনি। মহৌশাগী নিয়ম কাঙলোনগী মতুং ইন্না মীওইবা ১সুং শা ঙা য়াউনা লেঙজি পাল্লিবা পুম্নমক হিংমিন্নবা অমসুং মীওইবা পুন্সিগী খ্বায়দগী ফজরবা ১দি পুকচেল চাউরবা পান্দম ওইবা পুন্সিগী নিংতম্বা অসিবু লেপনায়দনা ফংহনবা অসি মালেমগী মনুংদা খ্বায়দগী ফরবা বুদ্ধিজমগী পাউজেলনি।

....

ইতাও, হিন্দুদি মীকুপ খুদিংগী লাই খুবমনিঙাই লৈ। ঐখোয়না খংদবগী য়ানি। লাই কোটি কুপ্লাহুমদোই হায়নদাইনে। য়েংবিয়ু, নোং ফুঙ ঙানবদগী তুন্নমদায় ফাওবগী মনুংদা নিঙনরিবা লাই ময়াম। মিনিট খুদিংগী নিংনবা লাই লৈমাম্নেদা উসা লাইরেম্বী, সূর্যদেব, বৃন্দ দেবী, শন্ধ্যা য়ানি, নিদ্রা দেবী, খংদ্রে য়ামদ্রদনা। অয়ুক্তা শ্রীগোবিন্দ জী খুরুম্বা চংনরি। শ্রী কৃষ্ণ, য়াম, চৈতন্য, আদিত্য, সিব, বিস্বকর্ম্ম, ব্রহ্ম, বিষ্ণু, মহেশ্বর, হনুমান প্রভু, সনি, মহাদেব, বারুনি মহাদেব, ইঙৌরোক মহাদেব, কাইনা, হিয়াংথাং, লাংথবাল কুঞ্জ অসিনত্তবা কয়ামরুম অমসু চংনৈ। চহিগী ওইনা দুর্গাপূজা, শরস্বতি, গনেশ, বসন্তরাস, বিশ্বকর্ম্ম অসিনচিংবা।

ঐগী ইরমদম, ঐগী লৈবাক মনিপুরদা লৈরিবা লাই ময়াম অসি খুরুম্বদা মহে ফংগদবা য়াংলি থন্নবা নতুগা লম কোইবা পামজবনবা অথাপ অথাপদা লৈবা লাই ময়ামসু খুরুম্বা চংনরি। মশিং থীবদা লোইবা নায়রবা মমিং খংদবা লাই ময়াম অমা মনিপুরগী বাংমদা লৈ। পসুরাম কুন্দ, সোমনাথ, গয়া, হরিদ্বার, ঋষিকেশ, বৃন্দাবন, শ্যামকুন্দ, য়াধা কুন্দ, জগন্নাথ ক্ষেত্র, কন্যাকুমারি, তিরুপতি। লাই খুরুম্ব চংপসু মহে তম্বা

চংপনি খনবিয়ু । অশাংবা মী কয়া অশিংবা ওনখ্রে । ইত্তাউদি নুত্তিগী অরুক্তা শ্রীগোবিন্দগী খুরুম্বা একাগাড়ি তোংদুনা চংলি । ঐদি ইত্তাউ নহক্তগা শ্রীগোবিন্দজী খুরুম্বা চংগা কান্দা অণ্ডাং ট্রেনগী থীংবোক থীনজিন তৌই । মনিপুরগী মায়েদা শেল লৈতবদগী মাহি খুরুম্বা চংগা ওয়দে হায়নসে ঐদি নুঙায়রজদে । অদুবু নিংবু নিংবদি খোঞ্জবা অমা লাকই হায়বদুনি । Office ডগী Arear কংব্রা, মীঙোন্দগী শেলবু পুরবসু লৌ-শিংবু য়োহেঙ্ককসু করিনো উপায় অমা তৌরগ্রা চংখিনিদা । ঐনা চংলগা শেল মাংনবনি হায়না থীজনসু য়ারোই । ঐনা ইত্তাউগী অনিংবা অশাঙ্বা খংজে । লাইনিংবা হায়বসে সংসারগী অশান্বা মীহৌবা কল্লকপা অমত্ত লৈত্রবনি । মসিবু য়াউদ্রবা মহাক অদু কয়াদ নুংঙায়রমগবা । অদুম ওইনমক ললথুম লৈতবা, মচা মশুনা শৌ শাগে লৈবা ইত্তাউবু, অন্ধা বিশ্বাসনা কুপ্পুনা য়ুমগী থবক ইনখাং অমত্ত হেক সুহন্দবসি কনানা ওইরিগবা । অঙাংশিংনা ইত্তাউদা শেলগী দিমান্দ ইত্তৌ তৌদ্রিবনিনা হৌজিক ইত্তাউনা লাইনিংবগী মহে চারি । মতম খজিক্তা ঙায়রে, অঙাংশিংনা চাউশিল্লকপদা ইত্তাউ কোক শাগদবা । ইচা পাখংনা মীগী মচা পুশিল্লকনি, লুহোংদবা য়াবোই । ইচা নুপীনা চেন চোংখিনি লুহোংদবা য়ারোই, অউনপোৎ য়ম্মিগা য়ামদেগা মমা মচানা কল্লগা লাউবগা তৌরক্কদবা । ইত্তাউ ঐনা হায়জরিবশে তাদ তাশিনবিয়ু । মীরক্তা ওইনা হিংবনিনা মীগী চংনবি য়াউদবা য়াদে । অহনশিংনা ঐখোয়দা তাকশিখি । "ইপা ইমাদি মীংনা উবা লাইনি । থম্মোয়দা থাগোজৌ, নহা ওইরিঙেদা মহে তমশিল্লু, নগাঙ্গল কল্লিঙেদা লল তানশিল্লু, অহল মতম ওইরগা চাননবা ।"

ঐসু লাই খুরুম্বা চংশগী মীংদা লময়েংনিংঙি। মফম অদুগী মীশিংগী য়ুম লৈ কৈরে, চাক-চা ঈথক উনিংই । ঐনা লম চংনিংঙি হায়দুনসু ইশাং য়াউদলা চংগা নুঙাইরোই । লম চংগা হায়বসিদি মহে তম্বনি । লম য়েংবা চংগা অশিংবা মী ওইরকই । অশিংবা ওইরগা পোৎ অমগী অক কর্ম মখক খংঙি । Columbus কী নাকোংদা Indus (India) তা

সনা লুপা লাইমন ময়াং কায়না কংঙি হায়না তারম্মী । Spain ১সুং France কী Atlantic মহাসাগরগী মপান্দ লেপতুনা বাখল তৌরম্মী । মহাক মশানা মশাদ হংজরম্মী "মহাসাগর অসিগী অসোম য়াংমদা করি লৈবগে" কনা অমত্ত জহাজ তোংদুনা লাপ্না চৎনরমদে । মাগী য়াখল্দা Indua (India) নত্তনা করিবু ওইগদগে ? Columbus কী মথৌনা, মরিংজেন, তৌঙন্না, হেক উবদা মীনা নুংশিবা ওইবদগী Spain গী মহারানী Isabella দা হায়জবদা য়াবিরক্লুনা জহাজ অহমগী মতেংনা America পুখোকখি (খৃ ১৪৯২) । Indus মি ওইরমম্রে । অদুবু সনা, লুপা, লল থুম পুন্না মহারানীদা শিন্নথোক্লম্মী ।

মীওইবদি অনৌ অনৌবা পোৎ খংনিংঙি, উনিংঙি, তানিংঙি । Columbus না America পুখোকপদা অনৌবা পৃথীবি অমা লৈরম্বগী পৃথীবিগী মীয়াম্না অঙকপা পোক্লখি । অদুদগী য়ুরোপ পুন্না মথুম ময়াং হৌদ্রে । জহাজ তোঙ তোংদুনা শিবা কিদনা সনা, লুপা, লল থুম, লৈবাক পুখোকপা, থিবা, লৌশিনবা চৎনরম্মী । ঙসিদি পৃথীবি অসি চাউরম্বদগী শিশক পিক্লে ।

লম লমগী তোঙান তোঙানবা ধৰ্ম্ম লৈজরবসু অতোপ্পা ধৰ্ম্ম চৎপা কাংবুনা অতোপ্পা ধর্ম্ম চৎপা ত্রাইবেলদা, খুজংদা, সহরদা লান্দশিন্দুনা মীশি মীনা কয়া থোক্লগা মখোয়গী ধৰ্ম্ম অদু নমদুনা চৎহনখিবনা অয়াম্বনি । মী মশা অদুনা মাগী হান্নগী ধৰ্ম্ম অদু থাদোক্লগা অতোপ্পা ধৰ্ম্ম অমদা হেক্ত চৎনদে । অদুবু হৌজিক্তি পৈশা পিজদুনা, ঐখোয়গী ধৰ্ম্মনা মকরে হায়জিন্দুনা ভোং খোম্বগুম ধৰ্ম্মসু খোম্নরি ।

ধৰ্ম্ম পুন্নমক্কী ব্যাবহার চৎনা লোনচৎ লৈজে । মাগী মাগী লাইরিক্তা য়াউবদি ওহোক্লা ফজদ্রে । অদুবু মহাক অদু মাগী ধৰ্ম্মগী পাঙতাক ইনবা ঙমজদে । কনাগুম্বা অমা হিন্দু ওইরো, মুসলিম ওইরো, অচুম্বা ঙাঙবা, অচুম্বা তৌবা, মীগী মবুক নাবা, য়া ঙাঙদবা, মীনা হায়বা ইনবা, মীনা

অরানবা বা ভাঙ্গু হায়রসু মানা বাদবা, অচুম্বগীদমক্তা লেম্না, মী, শা, ঙা, জিব পুম্নমক্তা নুংশিবা, মীকৌ মীরম ফজবা, অচান মীরাই নায়দবা, জিব পুম্নমক প্রকৃতিনা শেম্বনি খন্দুনা ফজথোকপা মী, পংলৈ লৈতে। ঐখোয় হিংমিন্নবা পোক্কপনি। মসিনি ধর্ম্ম পুম্নমক্কী ধর্ম্ম হায়বদো। মসিনি ধর্ম্ম পুম্নমক্কি লাইরিক্তা য়াউবদো।

ধর্ম্ম হায়বসি অমরোমদদি য়াম্না তমথীবা হনি। খৃষ্টান, হিন্দু, মুসলিম অসিনচিংবা ময়াম অসি মশা মশা নুংশিনদে। অমনা অমবু নুংশিদে, ধর্ম্ম অমগা ধর্ম্ম অমগা চাউবা তান্নে। য়াম্না তাথি তাওন্নে। সিয়াগা সুম্নিগা হাংনৈ; মখোয় মুসলিম ওাক্তনি। হিন্দু মশেল হাংনৈ। হিন্দুগী কাংবু মরি লৈ। মচাম্না চাগদবনি হায়বা ব্রাহ্মন, পাম্বোম্না চাগদবনি হায়বা ক্ষেত্রিয়, মখোঙনা, মখুংনা চাগনি হায়বা বৈষ্য ১সুং সুদ্র খৃষ্টান ধর্ম্ম চংননবা হাংনখিবা ময়াম অওকপনি। মখোয় মশেল পঙ্হাং হাংনৈ। লাল তৌনৈ। হিন্দুগা মুসলিমগা হাংনৈ। হাংনদবা করি ধর্ম্ম অমমুক লৈরিবগে?

সিখ ধর্ম্মগী অফাউবা কবিরনা অসুম্না হায়রম্মী - Kabir taugh that God is found every where and in every man, and therefore special rituals and place of worship are unnecessary. Kabir preached equality of all man before god and opposed caste divisions.

রাজা রাম মুহন রোইন অসুম্না হায়রম্মী .... (religious reformer, founder of Neo Hinduism) Ram Mohan Roy criticised orthodox Hinduism for its polytheism, its idol-worship, caste divisons, suttee (the self immolation of Hindu Widows on the funerals pyres of their husbands) and so our; he developed the idea of equality between men before a single God, whom he envisaged as an impersonal Universal Being.

রুম্পকী রাইটার অথবা অসুয়া হায়রম্পী ...... God as the creator of the world. It sets out to demonstrate that the world "does not depend on God" and that God is not inherent in all existance". As a result of this criticism of theological evidence of God, the author draws the conclusion that there is no God. ....

Mohammed (570-632) Arab religious and the political leaders the founder of Islam. He is numerated by Moslems as the greatest prophet, God's messenger. It is proclaimed in Islam that "There is no God other than Allah, and Mohammed is His prophet". In about 610 AD he began to preach a new religion that later came to be known as Islam. Mohammed call upon men to embrace a new faith, which was based on the acknowledgement of a single God, Allah.

Dayananda Sarasvati - 1824-1883. He became widely known as the founder of the reformist movement in the frame work of the Arya Samaj which he founded in 1875. ... "What did the Universe Originate from, God or something Else ? Dayananda says its efficient cause is God, and its material cause is Prakriti .... Thus God, the soul, and 'Prakriti are corelated within the Universe as "Three causes" The efficient, the auxiliary, and the material. .... This view, writes Daynanda deprives the would of all its fascination and presents God, Soul, and matter consists in that God is the centre of the Universe.

.... For instance, a certain person asks another, "Fetch me some water". The person who Fetches the water says. "Here is the water". The Master, who order is nothing but God, the second who is nothing but soul and the Third is nothing but Matter. ....Dayananda preached worshipping a single God and condemmed Polytheism. He criticised such features of Hinduism as Idol-worship.

ঈশ্বর অমত্তনি হায়বা অদুগা মুর্ত্তি শাদুনা লাৎপা পামদবা Philosopher কথা কয়া লৈবি । মখোযগী মবক্তগী অনি অহুমদং খনগৎচদুনা খুদম পিজবনি । পৃথীবিদা জাতি য়াম্না লৈ । জাতি খবনা লাই অমত্তমক লাৎলি । জাতি খরনা লাই অনি/অহুম লাৎলি । লাই কোকথোং কোকথোং লাৎপা য়াউবি ।

হিন্দু জাতিগী মতাংদা য়াম্না শাংখ্রে । জাতি অসিনা অতোপ্পা জাতি অমবু কৌশিন্দবা । জাতি অসিমক্ত থবক খুৎসুগী মতুং ইন্না জাতি মচা মচা মরি থোক্ল খায়দোকই । লাইসু কোকথোং কোকথোং লাৎলি । অমাঙ্ অশেম য়াম্না খায় । অতোনবা জাতিনি হায়দুনা ফু-চৈবা তৌবা, জাতি অসিনা মিত্রং য়াম্না হৈবা মীবু লাইনি লৌই । জাতি অসিনা glossolalia (লৈয়েং ফাইবা, শীংলি নাওবি শোঙ্বা লায়নানি । য়াম্না পুক্লিং নুংঙাইনা থম্মোই চাউথোক্লা ঈশ্বরগী মাংদ চাদ থক্তখৈ নাতৈ পুতৈ চাদবা বা ঙাঙবা । মসিবু থাজবা মীশিংনা ঈশ্বরনা মঙোন্দা হায়হনবমক্লি হায়না লৌই । মসিগী থবক অসি অতৈ লৈবাক্তদি থীংখ্রে।) গী চোইয়োন লোনবা ১সুং Hallucination গী (বাখনগী অনাবা কয়া লৈদুনা, নত্তগা নিশা চাবা, য়ু ঙাওবা, নত্তগা থবায় শোকপা থবক তৌবদগী থোকল্লি । মতাং অদু মশা ইশাং পাংশিল্লি, নাকোং তাদে, মনম খংদে, ১সুং শোকপা খংদে, মনা তাবা বাংলি । মহাক্লা ধর্ম্মবু থাজবদগী মমিত্তা উবা, বাখন্দা লৈবা

চোইরোন পারোল লোনবা মীবুনি । অসিগুম্বা মীশিং অসি লাইমাংদা থোক্তুনা লাইগী ৱা ঙাংজনিংই ।) চোইরোন লোনবসু লাইপাউনি হায়না খল্লি । মনিপুরদসু মরক মরক্তা অসিগুম্বা মীনা লাই হেক হেক শারকই । মীশিংনসু অথুম অহাউ, অচা অথক কয়া কৎলি । মী কয়ানা লাইমাংদা জগোই শাদুনা ঈশ্বর পেন্নবা তৌনৈ । হিন্দু জাতিনা লাইমাংদা হামেং, য়াউ, ইরোই ঙানু, খুনু শা, উচেক, ঙা নচিংবা দুগগী মমাংদা বলি তৌই ।

অশোংবা নারক শিংলক্তা, উমং ৱামংদা হিন্দুগী লাই মখল কয়া অমসু লাৎনবি । হায়বিবা লাইশিং অসি কপালিক, তান্ত্রিক অসিনচিংবশিংনা পাখং, লৈশাবী ১ সুং অঙাং অহল খায়দনা ঈশ্বরগী মমাংদা বলি তৌই । ইকুই কুইদনা চহি তরাগী লৈশাবী অমা মঙক ককখিবন্মী । থোঙ্ শাবদা মী হাপ্পি , ৱাটর বিজার্বর শাবদা অদিবাশি লৈশাবী চহি কুননিথোই সুরবী হাপ্পদগী Madhya Pradesh কী Chief Minister, Mr. Sethi না Assembly দা হায়রম্মী - "ত্রাইবেল কাংবু অসিনা মখোয়গী চীংদা শাবা ডামদা নক্তগা Reservor দা লাইরিক লাইসু হৈতবদগী পংজবদগী মখোয়গী চীংগী লাইদা কৎপনি ।"

মহাভারত্ত য়াউরি- কৃষ্ণনা নারদগা মখোয় অনি গবুড় তোংদুনা উমঙ অমগী মথক্তা পায়দুনা চৎমিন্নবদা নারদনা হায়বম্মী - তাবিযু প্রভু, উমঙ অসি লাইনিংবা নুপা অমনা নিংথৌ মচানুপী লিশিং তরাতরুক হেন্ন মাগী নিংজবিবা লাইদুগী লাইমাংদা বলি তৌগদবগী ফাজিন্দুনা থমলি । প্রভুনা নুংশিবিববদি মখোয় পম্নমক্কি থৱাই কনবিযু । "কৃষ্ণনা মখোয়গী থৱায় কনবিখি; অদুবু মখোয় পুম্নমক্না ইবুংঙো কৃষ্ণদ লৈগনি হায়দুনা ময়ুমদা থীনবিগে য়াদ্রে; কৃষ্ণগী লৈমাশিংদা চনখি ।করিগুম্বা কনবিরমদবা থোক্লবদি হাৎখিনি হায়বগী ৱাফম্নি ।

বৈদিক যুগতগী হৌনা চৎনরকপনি থাজনবা অমা লৈরম্মী । মপুরোইবা শিরবদি মপুরোইবগী অশিবা হকচাং অদু মৈ থারিঙৈদা মাগী নুপীসু মথন্ত মৈনুংদা চোংশিল্লগা শিনরম্মী । মাসি হিন্দুশিংগী ফজবা লিচৎ

ওইরম্মী । মাহমুদনা ভারত্তা লান্দরকপদা রানাবুদি হাৎপা ঙল্লবসু মানা পামজবা পদমীনি রানিদি মৈনুংদা চোংশিন্দুনা শিখিবনা হানখি । " ঐ শিরনি; মহাক য়াউদনা ঐ করম্ম হিংগনি।" হিন্দু ধর্ম্মনা মসিবু সতিগী গুন চেনবি "সতি" কৌই । মশানা পাম্না পাম্ম চোংশিল্লম্বদগী মমৈথংদদি চোংশিন্দুনা শিবা কিনরম্মী । নহা ওইরিবা মরল লৈবা মপুরোইবনা শিবদা মহাক মৈনুংদা চোংশিন্নিংদে । অদুবু মপুরোইবা মৈ থাবদা (সংস্কার তৌবদা) নুপীসু য়াউনা মৈ থাথ্রবদি মখোয়গী মরল মথুম অদু মনাউ নত্ত্রগা ময়াম্বান ফংগনি খনবদগী মচিন মনাউশিংনা ফাদুনা মৈনুংদা লংশিলম্মী । মসিবু সতি দাহো কৌই । অফাউবা মী কয়া চোংথোরক্তুনা চহি চা কয়া মসি থীংনবা হোৎনরম্মী । অদুবু মাই পাক্লমদে । কাযনথংদা লোর্ড বেন্টিংকনা ভারতকী ভাইখরোই ওইবা মতমদা ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগব, রাজা রাম মুহন রাইগা মখোয অহুম্না শেম্বা অইন অমনা ইরাই লাইনা থীংখি । 'কনাগুম্বা অমা শিবদা মাগী নুপীসু মৈদা ইনশিল্লবদি ইনশিনবদা য়াউবা মী খুদিংমক লুপা চামঙা চামঙা ফাইন তৌগনি অদুগা থা ৩/৩ সু জেল পিগনি । ব্রিটিশর অমা লাক্লগা হিন্দু ধর্ম্মগী ফৎখিদ্রবা নিতি অমা মাংহনবসি মতম অদুগী অন্ধবিশ্বাসনা থল্লবা ভারত মচাশিংদদি কযাদ কান্নরবা !

অফাউবা নিপা অমনা হায- "সাসার সিদা অঙক অঙকপা কয়া লৈরম্মী । সংসারদা থোক্লিবা থবক খুদিংমক প্রকৃতিনি । প্রকৃতিদগী হেন্ন কনবা পোৎ অমমুক লৈতে । মীওইবনা করিনো খংদবা অঙক অঙকপা পোৎ য়াম্না উবা য়াই । মহৌশা খংলমদবা অঙকপশিং অদু ঙসিদি খংলে । ঙসি, করিনো খংদবা পোৎশিং অসি নোংমদি ইরাই লায়না খংগনি থাইনগী মীশিংনা তৌরম্ব' থবকশিং অসি মুন্ন কুপ্পা নৈনদনা, ইথি থীজিন্দনা, ইপং পঙনা হেক থাজরুবা অসি লাল্লি । পৃথীবিদা লৈরিবা ধর্ম্ম পুম্নমক্কি লাইরিকশিংদা য়াউরবা ৱারিশিং অসিগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা লাইনিং, লাইশোল তৌবসু অমত্ত মান্নদে । মীনা লাই শাবশিংগী মরমদা থীগৎপদা মখোয়দগী, করিগুম্বা অচুম্বা তৌঙম্বা অমত্তা থেংনদে । মখোয়

অসি হৌখ্রবা, মতমগী পোৎ ঙাক্তনি । ফিবম চুম্না হৌরকপসু লৈতে । ঙসি পৃথীবি অসিদা মী লিশিং কয়ানা লাই শাদুনা শেল তাল্লি । মখোয়না ঐখোয়না চিংননিংঙাই ওইবা নাতৈ চাদবা থবক কয়া মশেন মরাং ওইনা, করিগুম্বা মিত্রং তৌশিন্দুনা ঐখোয়বু ঙকহনবসে খরদং থীগৎপদা মখোয়গী চলাক অদু ইরাই লায়না ফাগনি ।”

ঈশ্বরবু থাজহল্লগা মীনা মী কয়াদগী খুদোং চাবা লৌনরি । সংস্থান অমা শেম্লগা মনি মুক্তানা থল্লবা ফজরবা লাইশং অমা শাদুনা মদুগী মনুংদা উনা শাব, নুংনা শাবা, গ্রেনাইটনা শাবা মুর্তি ময়াম অমা ফজনা হক্তুনা শেন্নবা লাইগী ফম্বাক্তা তোঙান তোঙাল থিল্লগা থম্মী । লাই পান্নবনা ভক্তশিংদা, নত্রগা লাই খুরুম্বা চংলকপশিংদা তোঙান তোঙানবা মমিং হায়দুনা অদুদগী তোঙান তোঙানবা কান্নবা কয়া হায়বদগী ভক্তশিংগী পুক্লিং পেন্দুনা লুপা শংবা কয়া কয়া তিংনা চংনদুনা তোঙাল তোঙানবা লাইদা শেল কৎনৈ ।

কনা অমনা নচা নুপা পোকহনগে; কনা অমনা নচা নুপী পোকহনগে; কনা অমনা নং নুংঙায়হনগে; কনা অমনা নংনা নীংবা খুংহনগে; মী অমদা কনা অমনা পোৎশেম যাদু তৌশিল্লে হায়জিনবী । পোৎশেম যাদু লৌথোকপিনবা মাইবা কন্না থী । নুপী অনি লোনবদা অহন্না অতোনবিদা, অতোনবীনা অহন্দা পোৎশেম যাদু তৌশিন্নে । নিংথৌখোংগী মাইবদা, থৌবান্দ লৈবা মাইবদা পোৎশেম লৌথোকপিনবা চেন্নৈ । অসিগুম্বা ময়াম অমা হায়জিন্দুনা লৈরক খুল্লক্তা নুপা নহা লৈতবা মতমদা নত্রগা লৈরবসু লৈনা শেল তান্নরি । খরনা অওইব্রা ওইদব্রা মমল য়াম্বা নুংগী খুদোপ শিরবদি প্রোমোশন ফংনি হায়রি । মসি পুন্নমক অন্ধবিশ্বাস ঙাক্তনি ।

....

খৃ: ১৯৬১ দা ভারত মচা খরনা Great Britain দা শেলগী মতেং নিরুবদা Great Britain গী M.P. Lord Fenner Brock Way না হায়রকপা ৱারোল মীতৈলোন্দ পিজবা - “নোংপোকলোমগী লৈবাকশিং

ঐখোয় ইউরোপকা চাংদম্নবদা ঐখোয়না নখোয়দগী ইনাকখুনবা খরদি হেল্লি হায়বসি অচুম্বনি। ভাবনা শাগৎপা ঈশ্বরগী করিগুম্বা মতেং অমত্ত য়াউদনা ঐখোয়না Science ১ সুং Technology গী মপান্ন ঐখোয় চাউখৎলি। অমরোমদা অদোমগী মীশিংদি ভাবনা শাবা ঈশ্বরগী মফমদা পাঙ্গল ১সুং থৌনা ফুদোক্তুনা (অমরোমদা মতম মাঙহন্দুনা) শিরগা মথংগী মপোক্তো নুংঙায়নবতা খল্লি। নখোয়না অরেম্বদা লাই খুরুমদুনা, নমিৎ উইশিন্দুনা, পুজা তৌদুনা, লাইফমদা লাই খুকুম্বা চত্তুনা, অরেম্বদা মতম মাংহল্লগা ঐখোয়না ৱানা সুজবদা থবক্তি মহে খর নঙোন্দা পীবা পাম্লা? ঈশ্বরগী শক্তি শিজিন্নদুনা নংগী লৈবাক্তী মপাঙ্গল কল্লবা নুপা নুপী কযানা মাঙ্হনখ্রিবা মতম অসি কবম্না হঞ্জিনহনবা ঙমগদবগে? থবক হেন্ন য়াংশিন্নবগী অদুগা মশা খীংনা থবক তৌনবগী থবক সুফমদা কাংশি খীংই। নখোযনা শিববা মতুংদা হেন্ন ফবা মপোক অমা ওইকনবগীদমক থবক কন্না সুদুনা শেল তানগদবা মতমদা ইন্দিয়া ১সুং এসিযাগী লৈবাকশিংদা শোয়বিদবগীদমক ঈশ্ববদা প্রথনাগী কাংশি হন্ন হন্ন খিংই। নহাক্না ঈশ্বব নিংবগী মহেনা নংনা নিংজবা পুম্নমক থুংলগদবনিনা ঐখোয়দগী কবি আশা অমুক তৌবিবগে?"

....

ইন্দ্রদ্যুম্মনানা হৌজিক জগনাথ ক্ষেত্রনা লৈরিবা মফম অসিৱাইদ নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্মী। নোংমা নুমিৎ অমদি ইন্দ্রদ্যুম্মনাগী মমংদা শ্রীকৃষ্ণ লাক্তুনা হায়রম্মী - "ইন্দ্রদুম্মনা, মহাবাজ নংনা নুতিগী সেবা তৌজরিবা কৃষ্ণ ঐদি শাদানবগী তেন্ন পান্দুনা উমং অসিদা শরু পোলাং ওইনা লৈরে। নং ঐগী শরু অসি লৌশিল্লগা লাইশং অমদা থমজিল্লু।" ইন্দ্রদ্যুম্মনানা মীকপ থোক্লম্মী; মমংদ উখিবা মবুঙোতা উদুনা লৈরম্মী। ৱান নোংঙানবা ঙায়রম্মী। নোংঙানবগা ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণনা তাক্লম্বা মাইকৈদা মনাই মশল খরগা শগোল তোংদুনা উমং অদুদা শরুশিং অদু থীরম্মী। অদুদগী শরুশিং অদু ফংলম্মী। লাইশং অমদা শকশিং অদু

চেকশিন্না থম্লম্মী । নিংথৌনা খুদক্তা বিশ্বকর্ম কৌদুনা থোকখিবা থৌদোক্কী ৱারি লিরগা ইবুঙোগী মুর্ত্তি শান্নবা তৌ হায়রম্মী । বিশ্বকর্মনা মুর্ত্তি অদু মা শাজগে তৌবতদি মানা মুর্ত্তি শারিঙৈদা কনাগুম্বা অমত্ত মুর্ত্তি শাবা লোয়দ্রিঙৈদা য়েংহনবিগনু হায়রম্মী । মুর্ত্তি শারিঙৈদা কনাগুম্বনা উখিবা থোক্লবদি মা অমুক মখা শাবা তৌরোই হায়রম্মী । ৱাফম অদু য়ান্নদুনা ইবুঙোগী মুর্ত্তি শারম্মী ।

বিশ্বর্কমনা ইবুঙোগী মুর্ত্তি শাবা নুমিৎ খরনিগী তুংদা নোংমা নুমিদাং অমা বিশ্বর্কমগী খুলায়গী মখোল মহারানীনা (ইবুঙো শাবগী)য়াম্ন নুংশিনা তারমই । খোঞ্জেল অদু তাবদা মহারানীনা লাই শাবা অদু য়াম্না য়েংনিংঙম্মী । মানা বিশ্বর্কম উদনবা তৌরগা লোন্না খুপ্ন য়েংলম্মী । মথংগী নুমিত্তগী খোঞ্জেল অদু তাখিদ্রে; লাই শবা বিশ্বর্কম লাক্ত্রে । মরম অসিদগীনি ইবুঙো জগৎনাথ শাবা লোইদবা মুর্ত্তি ওইনা উরিবসি । অদুম ওইনমক শ্রীকৃষ্ণগী শকুশিং অদু শাবা লোইদবা মুর্ত্তি অদুদা লোইনা নমশিল্লম্মী মবম অসিদগী পুরিগীজগনাথ ক্ষেত্র অসি হিন্দুশিংনা লুনা চান তৌনৈ । শ্রীকৃষ্ণ বাসুদেব ১দি দেবকিগী নিপানসুবা মচানি, নিপান্নি পানবদা পোকখি । চহি নিপান শুবদা কংশা মহারাজ হাৎখি । চহি নিপান শুবদা নিংথৌ ওইখি । লাই অমা ওইরগা মহাক লেংলি পাল্লিবা অসিগী মরক্ত লৈরম্লগা শাদানবনা শা ওইরবোই নিংদুনা হাৎখি ।

চহি খুদিংগী হিন্দুশিংনা জগনাথ ক্ষেত্রগী কাং চিংই । চাউরবা কাং অনি/অহুম শাঙলবা থৌরি লিশাং কয়া শমজিন্নদুনা নুপী, নুপা, অঙাং, অহল, খায়দনা চিংলিবনি । মী খরনা থৌরি শোক্লবা, নত্তগা চিংবা য়াউনবা কন্ন হোৎনজে । মী খরনা হয়েংমুক্কী মপোক্তা নিংথৌগী মচা মশু ওইনা পোকচরুনবা, খরনা সংশার ঈপাক্তা অমুক হন্না জিবা পানবা ওইনা পোক্তনবা লেপ্তুনা চেল্লিবা কাংখোংদা চোংশিন চোংশিন্দুনা শিনৈ । য়াম্না কুইরবা হিন্দু ধর্ম্মনি । চহি খরদদি ওইরম্লরোই । মী য়াম্লমগনি কাংখোংদা চোংশিন্দুনা শিবা । অফবা ওইনা পোকচরুনবা চোংশিন্দুনা

শিববু করিগী থীংবিরিবনো ? খৃ: ১৯৫০ দগী অথিংবা থমখ্রে। পুলিসনা কুংনা ঙাক্তুনা খৃ: ১৯৫০ দগী চেংশিনবা তাদ্রি।

জগনাথগী লাইশংদা নোংমা নোংমাগী লাইখুরুম্বা লাকপা মীশিংবু পিজ পিথক তৌবদা চংবা, চেং, হৱাই, মনা-মশিং খজিক্ খরাক্কী নত্তে। য়াম্লবা মীয়ামগীনি। অদুবু ঐখোয় খ্বায়না খংনরিবা ঈশ্বর হায়বসি নত্তবা তোঙানবা ব্রাহম্মোক অমা লৈব্রা খংদে। লাইশং অসিগী জয় বিজয়গী থোঙ্গান্দা য়েকলিবা মফি য়াউদবা নুপা নুপীশিং য়েংবদা তুক্কচবা, হঙ্গোইবা, ইপা ইচা, য়েংমিন্নবা য়াদবা লাই ময়ামসিনা করি তাক্লিবনো ? লাই হায়বসি নুপা নু[illegible] মফি য়াউদনা লৈমিন্নববুনি হায়রিব্রা ?

জগনাথমক্কী লাইশংদা লৈশাবী চামাকুন জগোই ভাজন তৌনবা লৈরিবনি নুমিদাং পুং তবাগী মতুংদা মখোয় নুতিগী অমমম শিন্নদুনা থৱায় য়াউদবা ইবুংঙোগী মুর্ত্তি মমাংদা জগোই শাথেক কয়াগা লোয়ননা জগোই শাই। মখোয়না নুতিগী জগোই শাজরিবা অসিবু য়েংবিরিবদি থৱায় য়াউদবা ইবুংঙোগী মুর্ত্তিগা যন্ত্র পায়বা পুরোহিতকা অনিসিদনি। জগোই শাবদগী লৈশাবী অদুনা ৱারক্লবদি মৈঙাল শিদরক্লে। মতম অদুদ জগোই শাবদগী চোকথরবা মশা অদুনা শেৎলকপা ফিরোল লৌথোক্লগা থম্মোই শোক্লা ইবুংঙো জগনাথকী মখোং ময়াদ তুশিন্দুনা অসুম্না হায়- হে ঈশ্বর, ঐবু নুংশিবীয়ু, ঐবু নঙোন্দ লুহোংবিয়ু। মতাং অসিদা থৱায় য়াউদ্রবা হকচাং অদুনা মাবু নুংশিবীগদ্রা নত্ত্রগা যন্ত্র নুংশিবা খোঙবা হৈবা পুরোহিতনা নুংশিবিরমগদ্রা ?

....

হিন্দু ধর্ম্মগী লাইরিক্তা অসুম্না ইবা থেংনৈ "ঈশ্বরগী মরমদা, আত্মাগী মরমদা নৈনবদা খুদোং চাগদবা অইংবা, অতপ্পা, অচিকপা, মফমদা লৈবা পামগদবনি। ভক্ত নত্তবা কয়ানা লৈরিবা, মী কুংনা তারিবা মফমদা লৈতনবা হোৎনগদবনি।"

....

“ভক্তশিংনা মখোয়বু ঙাকপিরিবা ভগবানগী মরমদা তত্তনা তাগদবনি, শক্কদবনি নীংশিঙগদবনি অমসুং মহাকপু পুজা তৌজগদবনি ।”

....

“সংসার অপুম্বসি, য়ুবীবু মকুনা কুনশিনবগুম চাউরবা প্রকৃতিগী পোৎচাক কয়ানা কুপশিল্লিবনি । অসুঞ্চী মতীক নুংশিৎ নুংশা ফাওবা চংহন্দনা কুপশিনখিবদগী মসিগী মনুং অসি য়াম্না শাথীনা মল্লম্মী । মরম অদুনা মল্লিবসি ঙালহন্নবগীদমক্তা, নুমিৎ, থা দরকার ওইরিবনি ।

....

“পুন্সি সমস্যাদি থাদা চৎলগা কোক্কদবা নত্তে । চুম্না মিংচৎকীদমক মমিংগী ওইনা ঈশ্বর নীংবা শাবা, তৌশিন্নবা কয়া অমা লৈরি । অসিগুম্বা ঈশ্বর নীংশিন্নবশিং অসিনা জগৎ সংসার অসি থাদোক্তুনা আধ্যাত্মিক ধাম (অতিয়া) য়ৌনবা চৎনিংদে । মখোয়না ঈশ্বর নীংইবনি হায়দুনা লাই নীংবগী পোষাক শেৎচিল্লগা ভৌতিক সংসার অসিদা হান্নগীগুম্না অদুম লৈনিংই । ঈশ্বর লৈ হায়বা থাজদবশিং (নাস্তিক) অমদি ঈশ্বরদি মীশক পোৎশক নায়বা নত্তে হাবা মীওইশিং (মায়বাদী) অসিনা ঈশ্বর লৈ হায়বা থাজদবা ধর্ম্মত শন্দোক্তুনা অসিগুম্বা পঙ্‌লবা ঈশ্বর নীংশিন্নবশিং অসিবু খ্বায়দগী মল্লবা মফমশিংদা চৎননবা লমজিংই । নাস্তিকশিংদি ঈশ্বর লৈ হায়বসি অপান্ননা সুকয়া য়াদে ।”

....

“পঙ্‌লবা ঈশ্বর নীংবা শাশিন্নবশিং ১সুং বেদগী য়াথং, পাউতাকশিং থৌওইদবা, ইন্দবা মীওই কয়া অবতার তৌহল্লীবশিং অসি মখোয়গী মতুং ইল্লিবশিংবু লান্না লমজিংবদগী জগৎ সংসারগী খ্বায়দগী মল্লবা মফমদা চত্তবা য়াদ্রবনি।”

....

সংসারসি য়ুবী মকুনা য়োম্বগুম্না পুম্মম মমদুনা লৈরম্মী । নুংশিং নুংশানচিংবা চংবা ৫মদবমখৈ য়াম্না শাথিনা মম্মম্মী । মরম অদুনা মন্নিবসি ঙালহন্নবা নুমিৎ, থা দরাকয় ওইহিরিবনি হায়রি । পৃথীবিনা হান্নঃ শারগা মম্মি য়েংবদা নুঙায়তে হায়দুনা থা-গা নুমিৎকা শাবনি হায়রি । Big Bank Theory গী মমাংদা মীওইবনা খংবা য়ৌদ্রিঙৈগী ৱানি । ধম্মগী লাইরিকশিং অসি হৌজিক্কী মতমগদি য়াম্ন চান্নদ্রে, শেমদোকপনা ফরবনি নংবু হৌজিকপু লাই নিংদুনা লৈরো; করি চারগা হিংগনি । লাইনিং লিৎলম অদু কায়বা থোক্লবদি, মীশিংবু লান্না লমজিংবা অপংবা মীনি হায়রি । মখোয়শিং অদু নরক্ত থাগনি হায়রি ।

....

ঈশ্বরদি Almighty God নি, মঙোন্দা কৎপা ইতিক নত্তে ।

মতম চুপ্পদা নত্তগা অহাঙবা মতমদা মঙোন্দগী নিজগদবনি ।

....

লাইনি হায়রিবা মখোয়শিং অসিদগী হঙ্গোয়গদবা অদুগা ওইথোকপা য়াদবা খর নঙোন্দা লিগে ।

১) ব্রহ্মাসু জগৎ সংসার অসিবু শেম্বা মপু অমনিনা তৌগে হায়বত তৌবা ঙম্লম্মী । ব্রাহ্মামক্না পোকপা মচানুপী সরস্বাতি, মহৈগী লাইরেশ্বীবু লৌদুনা চহি চামা পান্নরম্মী । মচানুপা ১গা নুপী অমগা পোক্লম্মী । মচানুপাগী মমিংনা স্যামভুমারু অদুগা মচানুপীগী মমিংনা সতরুপ কৌরম্মী । মচিন মৌপ্বা অনিসু লোন্ন লৌনরম্মী মখোয় অনিনা মচা নুপা অনি, নুপী অনি পোক্লম্মী ।

২) সিব মহাদেব-অচৌবা হিন্দুগী লাই অমনি । পার্বটিনা মাগী নুপীনি । নোংমা সিব মহাদেবগা পার্বটিগা উমংদা কোইমিন্নবদা মবান্নিমক্কি পুক্লিংদা তিন্ননিংবগী অপাম্বা পোক্লম্মী । মখোয় অনি শামু ওল্লগা

তিন্নরম্মী । মদুদা গনেশ পোকখি । গনেশনি মশানা মী ওইবা অদুগা মকোক্লা শা ওইবদো । অমুকসু নোংমা নুমিৎ অমা উমংদা সিবনা য়োং ওইরগা পার্বটিগা তিন্নরম্মী । মদুদা হনুমান পোকখি ।

নোংমা সিব মহাদেবনা কৈলাস চীংদা ফমদুনা লৈরিঙৈদা মধুর কৌবী নুপী অমা মহাদেবদা পুজা তৌবা লাকচরম্মী । মহাকপু মহাদেবনা ফাদুনা তিন্নরম্মী । মতম অদুদা পার্বটি চৎথোক্লুবদগী হনজিল্লকপদা নৎতবা লিচৎ চৎনখ্রে খংবদগী সিব দদি শাপ তৌদদুনা মধুরদা ওইনা চহি তরানিথোই হঙোই ওলহল্লম্মী । মহাদেবগী মদুরদ লৈখিবা বৃজ অদু হঙোইদা চহি তবানিথোই লৈকুরগা লংকাগী নিংথৌ রাবনগী মহারানি মন্দোদোরি ওইরবদসু মহাদেবগী বৃজ অদু মপুং ফারক্লুনা ইন্দ্রাজিৎ ওইনা পোকখি । মহাক্তি রাবনগী অশেংবা মচা নত্তে ।

৩) কৃষ্ণ কংস নিংথৌগী জেন্দা বাসুদেব দেবকিনা পোকপনি । নিপালসুবা মচা, নিপান্নি পানবদা পোকপা, মশাগী চহি নিপান্দা কংস নিংথৌ হাত্তুনা ম'না নিংথৌ ওইখি । নোংমা কালিন্দি তুরেন্দা মফি লৌথোক্লগা নুপী ময়াম ইরুজবা মানা উবম্মী । নুপীশিংগী মফি অদু লোয়না খোমজিল্লগা মানা মনাক নকপা উ পাম্বী অমগী মখোংদা থল্লগা উথক্তা লৈরম্মী । নুপী লৈশাবী অমমম কাখৎলক্লগা মাগী মনাক্তগী ফি লৌরনবা হায়রম্মী । অমমমতা ওইনা মাগী মমিৎনা নুপিগী হকচাং কয়াৎপু য়েংবা য়াম্না পামজরম্মী । মাগী লৈমা লিশিং তরাতরুক্তা নিপাল লৈরম্মী ।

৪) রামসু ঈশ্বরগী শাইওন অমনি । মপা দশরথন অঙাং পোকপা ঙমদবদগী মুনিনা লাই খুরুম্লগা চরুগা লফোই গা মহারানী অহুমদা পিজবদা রাম, লক্ষ্মন, ভরত ১সুং শত্রুধন পোকখি । রামগা লক্ষ্মনগা অঙাং ওইরিঙৈদা বিশ্বামিত্র মুনিগী লাইনিং কায়দনবা লিরুংতেন পায়দুনা ঙাক্ল হল্লম্মী । অশোক বন্দা লৈরিঙৈদা মনাউনুপা লক্ষ্মনা লৈশাবী রাবনগী মচন নুপী সুপরনাখ কী মনাতোন ককথৎলম্মী । সুপরনাথ না কপ্পুনা

মবুংদা লমন খুম্বীনবা হায়জরম্মী । অদুগী ৱাহৌদগী রামগা রাবনগা লাল থেংনরম্মী । রামন ঙমদুনা সিতাগা লোয়ননা আযোধ্যা দা হল্লক্লম্মী । রাবন্দা লৈরুরবা সিতাবু লৌশিনফম থোক্তে খন্দুনা বন্দা সিতা মচা নুপা অমগা লোয়ননা লংশেকখি । প্রজাশিংনা সিতাবু বন্দগী লৌরুনবা হায়জবদগী সিতা লৌবা চৎপদা মচা নিপা অমগসু লৈরমদুনা লৈবাক ইরাং লাঙনখি । রাম ঈশিংদা চোংথদুনা থ্বায় থাখি ।

৫) যিসু খৃষ্ট - মীকোক থীবা নংনবা জোযেফ ১সুং মেরি মতৈ মনাও য়াম্না কন্না ময়ুম য়ৌনবা লাক্লম্মী । অহিং ওইরক্লম্মী । মরম অদুনা মখোয় মনাক্তা লৈবা শগোলশংদা অহিং অসি পনখিনবা হোৎনরম্মী । অদুবু যিসু পোক্লম্মী । মোবেনা লৈশা লৈশানা যিসু মীরোনবনি; মাগী মপা লৈতে । জোযেফনা মরিবু মীবোল্লি খংনা লৌবনি হায়রি । যিসু নত্তবা জোযেফ ১সুং মেবিগী মচা অতৈসু লৈবম্মী ।

....

থাইনা মমাংঙৈদগী হৌনা প্রয়াগতা কুমভমেলা কৌবা মেলা অমা চহি মরি/মরি খুদিংগী অমুক/অমুক পাংথোকনরক্লি । ভারতকী উমঙ্ ৱামঙ্দা লৈবা মুনি, ঋষিশিং, ভক্তশিং, ১সুং পৃথীবিগী প্রজা কয়া মশাবু পাপ চেল্লবনি হায়না খঞবা নুপা, নুপী লাক্ষ হুমফু, হুমফুতরা রোমনা গঙ্গা, যমুনা, ১সুং স্বরস্বতি তুরেন অহুমগী ইতিনফমদা লুপকনি । হিন্দুশিংনা খ্বায়দগী শেংবা তির্থ মফম্নি লৌনৈ । গঙ্গ ১সুং যমুনা তুরেন অনিনা তিন্নবদি মীশিংনা উবা ফংই; অদুগা স্বরস্বতি তুরেন্দি মীৎনা উবা ফংদে । মহাক্তি স্বর্গদগী লাকপা ঈচেন্না তির্থ অসিদা তাররিবনি হায়না ভাবনা শানৈ । কুমভমেলা নুমিত্তা মশেংবা অচুম্বা পুংফমদা তির্থ অসিদা লুপ্লগা মাগী মাগী মশাদা লৈজরম্বা পাপ পুম্নমক চামথোকখি ১সুং কোক্কনি হায়না লৌই । মপাপ চেল্লি হায়না লৌজবা নুপা নুপী লাক্ষ লাক্ষনা মীৎনা উবা তুরেল অনিগা মীৎনা উবা ফংদবা অমগনি তুরেলগী ইতিনফম অপিকপা

তির্থ অসিদা ইকুপকদবগী মহে মহে অফবা পুংফমগী মোইবুং খোংলকপা ঙায়নদুনা লৈনৈ; মোইবুং হেক খোংলকপা অদুগা লাইশংগী কাংশিনা হন্ন হন্ন খিংলকপা মীকুপতা তির্থ তম্না ইরুপ্পা চেনশিন্নগদৌরিবনি । মীওই লাক্ষ লাক্ষ অদুগী লাংতকনবগী মীকুপ অদু নাম্থোকখিদনবাগী হোৎনবদা কৃক কৃক ইন্নবা চেনশিন্নবদা লৈনাংদা নানথুবা, তুশিনবা য়াউবদা কনানসু থওইবিদে, চীংখৎপিনবা মী লৈতে ।

তির্থ স্নান লোয়রবা মতুংদা নেৎশিন্নবদা শিবা, লৈখোম লৈনাং পুমতে তৈবা নুপা নুপী লিশিং লিশিং তুরেন মপান্দা তাদুনা লৈবশিং খোমজিল্লি । অসিগুম্বা মখলগী মীয়াম অমা পাক্তক্লনা শিবা অসিদা ৱাবিবা কনাসু য়াউদে । কুমভমেলাদা তির্থ স্নান তৌবা লাকপদা শিরবা মী মহাক অদুদি চংনা স্বর্গ কারবনি নত্রগা হয়েংমুক্কী মপোক্তা খর ফগৎপা ওইনা পোক্লুরগদবনি হায়না খংজদবশিংনা লৌনৈ ।

স্বর্গদগী স্বরস্বতি তুরেল তারক্লুনা গঙ্গ ১সুং যমুনা ঈতিনফমদা তারকপদা মশক উবা ফংদবসি পাপ চেনবা ওইবননি । মসির্গী তির্থ অসিদা লুপ্পদা অমুক অমুক্তা মী য়াম্ন য়াম্না শিখ্রবনি । লিশিং য়ৌবা য়াউখ্রবনি । হৌজিক্তি ভারত সরকারনা কন্ন শিদনবা হোৎনবিরে । হন্দক ইং ২০১০ গী এপ্রিল থাদা কুমভ মেলা থোকখি । শুপ্নতগী মী ১৭ তমক শিখি । নিংশিংবিগদবদি ভারত মচাদি অন্ধবিশ্বাসনা কুপ্পনি । মতম খবগী মমাংদা, ভারত্তা মতম কুইনগী মমাংদগী চৎনরকপা সতি দাহোবু (মপুরোইবা মৈ থাবদা মাগী নুপিসু মৈনুংদা লংশিনবনি) লর্দ বেন্টিংক, ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগর অদুগা রাজা রাম মুহোন রাই না অইনতনা ইথাই লাইনা মুথৎখি ।

....

ইতাউ, ৱারি মতেক মতেক খর লিজগে -

শ্ : ১৯৬৩ দা Tamil Nadu গী Balaji Temple দা লাই খুরুম্বা লাকপা মীয়ামদা গঞ্জা অদু পাউদর তাবমখৈ তকখায়রগা প্রশাদি দা হাপ্পগা

পীজবদগী কায়নথংদা খংনরকপদগী লাইগী পুরোহিত/পুজারি কোর্ট য়ৌনখি ।

....

Prof. Kasthuri কৌবা সত্যা সাই বাবাগী মেনেজর না সত্যা সাই বাবাগী পুনশি ৱারি ই । মদুদা য়াউরি - সত্যা সাই বাবানা ঈশিং বালতিন অমদা মখুৎনা লুপ্লদা ঈশিং অদু পেট্রোল ওল্লি হায় । থৌদোক অমদা মাগী মখুৎনা লুপ্লদা দিজল থাও ওল্লি হায় । মসিদা ইরিবা অসিনা অচুম্বা ওইরবদি ঐখোয় কয়াদ লাইবক ফরবা ? পেট্রোল ১সুং দিজল তাংবদগী ঐখোয় ভারত মচাশিংদা কয়াদ ৱারিবা ? ৱারিবা অসি কোক্লবা ইবুংঙো নংনা নংগী লৈবাক .... তা চেল্লিবা গোডাবেরি ১সুং কৃষ্ণ তুরেনশিংদা নখুৎনা অমুক অমুক্তং লুপপিয়ু ।

....

কেশ্বর কৌবা অমা লৈ । চীংদ কুইন ঠীকা তৌদুনা লৈবদগী য়াউশংদা ময়ুমদা থোরকপদা চীংমী পাখং অনি য়াউশং থাদা লোয়নরক্লম্মী । য়াউশং মনুংদা সড়ক্তা হরা গাড়ি নিংথী নুঙায়না চেল্লমদে । চীংগী পাখং অনি একা গাড়ি থৌবা হৈবোই হৈতবোই তৌবনিনা টাটা গাড়ি অমনা থোমদত্তুনা অঙাং অনিমক স্কুল মপাদ শিখি । মতম অদুদগী মীশিংনা হায়নখি - মখোয়গী শিয়ু হায়বা মতম অদু শুরকপদুদা আ-চীংদগী সিদা কৌরগা লাইনা শিহল্লিবনি । নহা খরনা হায়নখি - মখোয়না একা গাড়ি ফজনা থৌবা হৈতবদগী থোকপনি । অহল অমনা হায়খি - হৌজিক কানগী অঙাংশিং তিনখেৎ লাইখেৎলি ।

....

ইনে অমা লৈরম্মী । বৃন্দাবন চংলুরে । হল্লক্লগা ঐখোয়দা ফজ ফজবা ৱারি লিবি । বাধা কুঞ্জগী, শ্যামকুঞ্জগী, হরিদ্বারগী অসিনচিংবা কয়াগী

ফজবা নিংথিজবা ময়াম উরুবদুনা মহাক লাই ফংলবনি হায়না হৱাউজরম্মী । মাগী মমাংদা মী অমা চৎপা উবা য়ারমদে । মানা ৱারি লিগদবগী কৌশিল্লিবা মীশি ফনদি য়াম্লে । মখোয় ঈংখোন্দা মী চংবা তন্নরবনি । মাগী মথৌ ইরৈ লৈতবগুম তৌরম্মী । মচা মমৌদদি ওম্থোক্লা থীনা থীন হায়খ্রে । মাবু নুংশিবা মচা মমৌ লৈতে । ঈংখোলদা ষন চংলকপদা 'পাপী চন্দাল কনাগী ষননো' হায়দুনা থাংজৌনা লংঙি ।

....

হে ঈশ্বর ! নংদি তাইবং শেম্বা মপুনি । জগৎ সংসার অসিদা লৈরিবা তিন কাংদগী হৌরগা চা উরবা শা, ঙা, উচেক ৱায়া, পিক্লবা ইশংদগী হৌরগা চাউরবা উ, ৱা, তাইবংমী পুম্নমক নহাক্ল শেম্বীবনিদো । ননাই ঐখোয় পুম্ববু ৱাহনগে ননিংনি, নুঙাইহনগে ননিংনি । ননাই ঐনা নুমিৎ খুদিংগী হৈনে, উহৈ ৱাহৈ, কবিগুম্বদা সন্দেশ শেমদুনা ঈশ্বর নহাকমক্রি খঞ্জদুনা নহাক্কী মুর্ত্তিদ নুমিৎ খুদিং কচ্চরি । ঐখোয়গী ইমুংদা অনা অয়েক লৈহনবিগনু । ঐগী নুপাগী প্রোমোশন ফংহনবিয়ু । ননায় তোল্লবগী ইচাশিং নুপা নুপী পুম্নমক ফাষ্ট ক্লাসতা পাশা তৌহনবিয়ু । খ্বায়দগী ইনাক খুনবা লল লৈবা ওইজগে । ঐখোয় ইমুংবু নুঙশিদবা ইমুং পুম্নমক উৎকী মপৈ ওইনা তুমহনবিয়ু । ইবুঙো ননাই ঐনা নিজরিবসি পীনবিরবদি ইবুঙো নহাক্কী খুবম অসি সনা লুপা, মনি মুক্তানা থাম্লবা দলাল অমগী মঙ্ মঙ্জরি । পিনবিয়ু হে দয়াময় ।

....

ঈশ্বর প্রভু ননাইদি চহি ৫৫ দা ঙায়জরি । ইখোঙ্ ইখুৎ অসি নোংমাগী পঙ্শিল্লকপা হেল্লক্লে । ননাই ঐনা ঈরু মাইথজরগা প্রভু নহাক্কী নফমদা হৈ লৈ কচ্চরি । মরক মরক্তা সন্দেশ শেমদুনা ইবুঙোগী পেন্নবা তৌজরি । ইবুঙো নহাক্কী সেবা তৌজনবা ঈরু মাইথজবদা হকচাং অসি লুম্বনা খোঙ খুৎ থাংবদা ৱাবনা লোইরে খব লৈবগদি ননাইবু করম

তৌহন্দৌরিনো ? ইচা ইশু নুপা নুপী পুম্নমক পরিক্ষা ফেল ওইরে । ঐগী নুপাসু প্রোমোশন কাদরে । ঐদি হ্বারে প্রভু । নোংমতসু ইবুঙো প্রভু নংবু খুরুমদবা মীদি লৌশিং কয়া লৈশিনখ্রে । ফুরা দলাল শাগৎখ্রে । কার তোংখ্রে । অদুগা ঐখোয়না নোংমা নোংমগী অসুম অসুম লাইরবক্লে । তৌরিবা মতৌ অসিবু করিনো প্রভু ?

....

"ঐ মশক খংউ" অহন অমনা হায়খি ।

তুম্বা, চাবা, থকপা চাং নায়বিয়্, ফত্তবা পোৎ চাবিগনু।

অনা অযেক য়াউদনা নুঙাইনা হিংনবা ওইদবা ঙাংগনু ।

ঈশ্বরদি লৈতে অদুনা নংনা মাবু কৌগনু ।

মী শা, উচেকশিং লুনা চান্ন তৌ, নংনা নাবগা মখোয় লাক্কনি ।

থাইনগী মীশিংনা পঙ্লিঙৈদা লাই খুকুম্বগুম খুরুমগনু ।

ইবাৎ পুজা তৌগনু, লাইদা পোৎ কৎকনু ।

নংবু অপঙ্বনি থনখিনি । লাইদা কৎপা মীনা চাখি ।

ইনাক খুল্লিসি লাইনা নত্তে । লায়ররিবসি লায়না নত্তে ।

....

ঐনা লমফৈ (লংফৈ) দা লৈরিঙৈদা নোংমা অয়ুক অঙনবদা নিপা অমা ঐগীদা শেল শিংবা লাক্লম্মী । লংফৈদা লৈবগী হৌনবা শেল য়াম্না দরকার লৈরম্মী । মহাক লাকপা উবদা ঐ য়াম্না হরাউরম্মী । অদুবু ঐদি চিনয়া শেংদ্রি; ইরু মাইথাজদ্রি । অদুনা ঐনা লাক্লিবা নুপা অদুদা ফিদা অমা থারগা ঐ মনুংদা অমুক্তা চংলুখিগে ফম্বিরম্মু হায়রম্মী । ঐ চিন শেংদোক্লে অদুদগী লেত্রিন চংনিংলে অদুদগী ঐ ইরুজথোক্লে । পুংমুক

লৈরগা ঐনা মপান থোক্লকপদদি মহাক লৈরমদ্রে । ঐনা খনখি- শেল অদু ঈরু মাইথদ্রবসু লৌহৌবনা ফবনি । অদুবু ঐদি মতমদুদা ধর্ম্মবু য়াম্না থাজরম্মী । ধর্ম্মনা হায়রিবদি 'নশা মাংলিঙৈদা পোৎ শোক্কনু; পোৎ অদুসু মাংলবনি' হায়কো । 'ঐনা শেল অদু লৌহৌরম্লবদি শেল অদু হেক্তা মাংখিগদবনিকো - কোন্না অমুক পিবা লাক্কনি'। অদুবু নিপা অদুদি ঐনা য়ুমদা হল্লমদাই মিকুপ ফাউবা মহাক লাকখিদ্রে ।

....

নোংমা অঙাং অমা মপা মমানা Hospital দা পোরক্লম্মী । চহি ৭/৮ রোম সুরম্লগনি মশা য়াম্না শোল্লে । ডাক্তরনা অঙাংদুগী মশা সুক.শাক শোকত্রিঙৈদা চে অমদা হিদক খর ইরগা লৈরুনবা হায়রম্মী । অনাবগী মপানা ডাক্তরদা হায়রম্মী - ডাক্তর সাহেব, অনাবা হান্না য়েংবিয়ু অদুগা ইবিয়ু । ডাক্তরনা খুম্লম্মী - "খংলেনে, অনাবসে য়াম্না কন্না নারে, নহানখে খুল্লক ইরক্কি মীনা য়েংবদা ফত্তদুনা শিরমদাইদতা পুখৎলকপনি" হায়বম্লগা ডাক্তর চখোকখ্রে হিদাক অদু মপানা লৈরুরে অদুগা মচা অনাবগী মনাক্ত ফম্লরে । ইকান ক্যান্নদনা ফিঙৌ শেৎপী নুপী অমা মখোয়গী মনাক্তা চংলক্লম্মী অদুগা হায়রম্মী - নখোয়গী হিদাক লৈরুরব্রা ? মপাদুনা - লৈজরুরে খুম্লম্মী । Sister অদুনা ফক অদুগী ময়াদ Stand অমা থাংজিল্লক্তুনা অঙাং অদু ফজনা হিপহল্লগা Inj. Dextrose 5% Drip I.V. পিরম্মী । মপা অদুনা Sister অদুদা হংলম্মী - ইবেম্মা অঙাংদি য়েংবিদনা হিদাক কাপ্লিরিবসিবু করিগীনো ? ইচাদি লাই থোকইবনে । Sister না খুম্লম্মী - কনিসু নত্তেদা অঙাং অসি য়াম্না শোল্লে, হান্ন কন্নবা তৌবনি অদুগা ডাক্তর না Round লাক্কনি; অদুদা হিদাক লোইনা তাক্কনি । 'ইবেম্মা ইচা অসে লাই থোকপনি হিদাক তৌবা য়াদে । হিদাক য়াম্না থাখ্রে । অদুবু লাইনা ওইরমাল্লে হিদাক চংদে । ঐখোয়না লাকচবদি লাই থোকপা অশেংব্রা খংনবা পোরকপনি করিগুম্বা লাইথোকপা অশেংবা ওইরদি ইচা পুজখ্রগে ।

অঙাং অদু Chicken Pox তৌরম্মী । Doctor না অঙাংগী মশাদা তৈনবা Benzyl Benzoate মহি অমা, Cough syr. vitamin syr. অদুদগী Antobiotic নোংমদা অনি অনি কাপ্তুনা নুমিৎ মঙা Hospital দা লৈরম্লগা Discharge তৌখি । খুঙ্গংগী তোল্ল তাববা প্রজা কয়াদ মাইবা শাবা খরনা শেল খজিক্তুং ফংহৌননবগীদমক লাংথ্রে মতোন খর পিজবা, ঈশিংদা তুলসি মনা থাদবগা, মচিন্দা মুরুম মুকম খর শোনশিন্নরগা নত্তুগা তাইরেন মশা অমা ঈশিং লুপ্লগা অনাবদা ফৎ ফৎ কন্বিবা, থাইনা ডক্তর লৈত্রিঙৈদা তৌনবা অদু হৌজিকসু মফম খরদা অদুম্মক চৎনরি । মসি খুঙ্গংগী প্রজাশিংদা Awareness পিবা ব্রাৎপদগীনি । খুঙ্গংগী মীশিংনা অনাবা কবিমতা চাবা য়াদ্রবদ্দা মখোযনা এনাক্লেমগুম্বা গোলি পিজৈ । মদুনা চাক থাউদা য়ৈবদা চাকথাউ নাহল্লি । মবম অদুনা ওথোরকই । মদুদা মাইবনা লাই নুংশিৎননি হায ।

....

ঙসি বিশ্বকর্ম্ম পুজা নুমিৎনি । চাউবাসু নুপীগা লোয়ননা অযুক ঙস্তাদগী বিশ্বকর্ম্ম পুজাগী থৌরাং তৌজবম্মী । মাগী মকুপ খ্বাইরম্বন্দ কৈথেন্দা দুকান ফম্বা মখোয় মঙা/তরুকসু লাক্কনি । অদুগা লোয়ননা লৈকায়গী মরুপ মপাং কুনমুক; ইমুং মনুং য়াউনা মী য়াংখৈ ইনশাং নাপী শেম শাবা ঙরাং নুমিদাং লোয়খ্রবনি। ঙসি অযুক ঙন্ন বামন থোং থাকপা লাক্কনি । ঐজ্ঞা শ্যামকানহাইনা বিশকর্ম্ম পুজা তৌরগনি । দুকান মনুংদা লফু পাম্বী মচা অনি য়ুংদুনা হৈ লৈ ময়াম অমানা বিশ্বকর্ম্মগী মুর্ত্তিবু লৈতেংলি । ঐঞ্জা শ্যামকানহাইগী পুজা লোয়রে । মী মথং মথং লেপ্লগা লুপা ৫০ চৎপি, চামা চৎপী থাদনদুনা লাইমাংদা খুউ খুদক কুন্দুনা খুরুম্নে । ঐসু লুপা ৫০ চৎপি অমা কৎলগা প্রভু বিশ্বকর্ম্মদকোক নোন্ন খুরুমজৈ । মিনিট তরামুক লৈরগা মশা হায়রং হায়রং তৌবা মশা নানবা ইবুংঙো অমা লাকই। মানা হায় 'বিশ্বকর্ম্মদি মহৈ তম্বা কান্দা খুৎশা হৈনবা লাৎকদবনি । নংদি ইলেকট্রিকী মপান্না থবক শুই । ইলেকট্রিক লাকত্রগা

থবক সুদে । ইলেকট্রিক সুল্লাক লাক্লে ইলেকট্রিক পুথোকপা মাইকেল ফরাদে ১সুং থোমাস ইদিশনা মথান্নি লাৎলো ঐখোয় পুম্না মবানি লাৎলবদি মৈ ফংবা য়াই । লাই ওন্নরে' হায়রম্মগা চৎখি ।

....

অন্ধবিশ্বাস (অমম্ববু থাজবা) ১সুং তোকঙা মী অয়াম্বদা য়াম্ন থাজনৈ । অখং অহৈশিংনা হায়বদি ঈশ্বর লৈ খঞ্জবা মীগী মফমদদি মসি লৈতে হায় । মুসলিম ১সুং খৃষ্টানশিংদা মসি অদুক হাক্ল কন্দে । মীতৈ ১সুং হিন্দুশিং অয়াম্বানা মসি থাজনৈ ।

খৃঃ ২০০১ গী মে থাদা মীতৈ মচাশিংগী মকোক অমত্ত য়াউদ্রে । মতম খবগী মনুংদা লোয়না শিবগনি হায়দুনা নুপী মখৈনা মুকুম মুরুম শোন্নখি । নচা ইচা মতম খব মপান ইপান থোকহনগুমসি হায়র্নখি । নংগী নংগা থোঙ্গান্দা মৈ থাল্লু লাইতিন চংলক্তনবা হায়নখি । মাগী মাগী থোঙ্গান্দা মৈ থান্নখি ।

ইং ১৯৮৬ অদুবাইদা ফিম্মু শেৎপা চৎলি; নুমিদাং মপান থোকপদা মৈ য়াউনা থোকউ । খঙবা খোৎপা তৌরবদি অশি অনা নংগনি ।

ইং ২০০৯, গী মে থাদা নবুং নৌপ্পাবু লফু থোংদুনা চাক্কী । নৃঙনা দক্ষিনা ওইয়ু । মীতৈ লৈবাক পুংজাউ থীন্দনা তাকপগুম তৌখি । লফু ফুট অমা শাংবদা লুপা নিফু য়ৌখি । মফম খরদদি লুপা ৬০/৬০ য়ৌখি ।

ভারতকী কোনুং ওইরিবা দিল্লিগী নোংপোকতা লৈবী মৌ নহা চহি ২৮ রোকতা ঙায়রিবি অমা ভুৎ নুপীনি শোইতান চংবনি হায়দুনা য়ুম লোন্নশিংনা থাংনা থিনবা, মৈ থাবা তৌবিখি ।

রাজা বিরবলদা নোংমা মী চামরোমনা নিপা অমা চৈনা কন কন্দুনা পোরল্লম্মী অদুগা হায়রম্মী - "রাজা মহাক অসি উবদা মঙ্গোল লৈতে

অদুনা ঐখোয় মাবু হাত্তোকচরগে" । বিরবলনা খুমলম্মী "নখোয়দি মা উবদা মঙ্গোল লৈতে; অদুবু মানদি নখোয় উবদা শিদৌরি । ফৈ ঐ হৌজিক থবক চিল্লি । হোরেল পুং ৪ তাবদা কনানা শিগদবা অদুগা কনানা চৈ চাগদবা খংগনি "। অসি হায়রল্লগা বিরবল চখোকখ্রে । পুং ৪দা বিরবলনা হল্লকপদদি নিপা অমদু নত্তনা কনা অমতা লৈরমদ্রে ।

ফিংগেশ্বর ডিষ্ট্রিক্তা চহি ৬০ শুরবি নুপী অমা হেল্লোই শান্নে হায়বগী মীংদা চৈনা কন কন্দুনা ফনেক খোকপিরগা লমজাউ সড়ক্তা চৎহল্লম্মী ।

মচা লৈজদবা মতৌ মনাউ মচা অমা ফংনবগী মী অমদা হংলম্মী । মী অদুনা মখোয়দা তাকপিরকপা মতুং ইন্না থা ১৭ তা ঙাযরিবা অঙাং হাৎলগা লাই খুরম্লম্মী । পুলিশনা ফাদুনা হংবদা অঙাং হাত্তুনা ষাক্ত তৌরবদি মচা ফংগনি হায়না খুল্লকখি ।

নুপী অমনা হু খজিক্তং হাপ্পা হৈ মহি লিক্লি অমা অঙাং অমদা লোন্ন পীথক্লম্মী । অঙাং অদুগী মমা মপাদি নুপী অদুনা হান্না খংদোকখ্রবনি । নুমিৎ অদুগী নুংথিল্দা নুপী অদুনা য়ুম্লোন্নবদা চংলক্লগা 'থংনবা য়ুম অসিদগী হয়েং মী অমা শিগনি' হায়রম্মী । পাউ অদু অঙাং অদুগী মমা মপাদ তম্লম্মী । অঙাং অদু মতম অদুদা মশা নারম্মী । মখোয়না থুনমক; পুখত্তনা লাইয়েংলম্মী । অঙাং অদুদি লাইরিক হৈবা অন্ধবিশ্বাসপু থাজদবা ইমুংগী মী ওইবদগী মপুনশি কলহৌখি । নুপী অদু ফারগা হংবদদি শেল তানবগী লম্বী অমা ওইরম্মী । নুপী অদুনা খল্লম্বদি করি তৌরগা মহাক শিরোইদগে মঙোন্দা হংবা লাক্লগা মানা মাইবী লাইফাউ তৌদুনা লায়েংগে তৌবনি অসিনি । হান্না মহাক খুঙ্গংদা চত্তুনা হু পিথকপা ১সুং লাইয়েংবা অসি তৌদুনা লাকপা ওইরম্মী । চহি নৌরিবা অঙাংদা হু অদু দ্রোপ অমা হাপ্পনা নুমিৎ মঙানি চৎলি. দ্রোপ অনি হৈ মহি গ্লাস অমদা হাপ্পদা নুমিৎ নিনি চৎলি খংনবগী চাংয়েং তৌবদা য়াউ কুনসু হাৎখিবা ওইরম্মী ।

অনিশুবা পৃথীবিগী লাঞ্জাউ মনুংদা য়ুমথোং খুদিংদা কোম তৌদুনা থম্মরম্মী । ঐখোয়সু অঙাং ওইনা কোম মনুংদা অহিং তুম্লম্মী । মতম

অদুদা অহিংদা ফিমু শেৎপা নোংমৈ পায়বা ভুট চৎলি হায়নবম্মী । মদুবু কিবদগী অহল খরদি কোম মনুংদা লোৎনরম্মী । খুদোং চাবা অদু লৌদুনা মী খরনা ফৌ বোড়া কয়া কয়া, অহিং খরদা হুখিরম্মী । মতম অদুগী অহনশিংনা য়ুম মৈ চাকখিবদা ফৌ য়াউখিদনবা বোড়াদা হাঞ্জিল্লগা শুমাংদা থম্লবনা অয়াম্বা ওইরম্মী । ফিমু শেৎপা নোংমৈ পায়ববু কিদবা নুপা অমনা অহিংদা ফৌ হুরানবা অমা ফারম্মী । হুরানবা ভুট শাবা নিপা অদু থাংনা য়ানবদা য়াম্লা থীনা শোক্লম্মী । অদুবু মহাক অতৈ কনাসু ওইরমদ্রে । য়ুম লোন্নবা মনেগী মচা ওইরম্মী । নোংঙানবগা ঐখোয় অঙাংশিংনা হায়নরম্মী - "ভুট হায়বসে মী ওইরে"।

মহৌশাদি মীশিংনা থবক লমফৈ অমা চৎকদবা লৈরবদি ঈশিং অথনবা কোন অমা শুমাংদা থম্লম্মী । শ্বর য়েংলম্মী । শ্বর চুম্লগা খোঙ য়েৎনা হান্না শাংদোক্লগা থবক চৎনবম্মী ।

থবক অমগী ৱা লেপ্পবা, যাত্রা হুনবা, লুহোঙবা অসিনচিংবা কয়াদ নুমিৎ অফবা ফত্তবা খায় । তাবিশ নক্ত্রগা থা পানবা ওইরবসু অমা ফত্তে, ১৩ ফত্তে হায়বা লৈ । Hospital গী No-13 গী ফমুং অনাবা অমত্ত লৈবিয়ু য়াদে । মুসলিম ১দি খৃষ্টানদদি মসি থোইনা লৈতে ।

মী খবদি শগোলশেল নক্ত্রগা থাংজ নুমিত্ত ময়ুমদগী মপান থোক্কুনা থবক চৎলবদি থবক অদু মঙ্গোল লৈতে হায়নৈ । মরম অসিদগী নোংমা ঙনখৎনা নক্ত্রগা নোংমা থেংথনা থবক চৎনৈ । কনাগুম্বা খরদি ইন্টভিয়ু নংদদুনা খুদোং চাদবা মাইয়োক্লে ।

লৈশাবী, মশক মতৌ ফজবি, খুঙ্গংগী লাইরিক লাইসু হৈতবা ইমুংদা পোক্কুনা মরায়বক থীবা ওইশ্ববী অমা, অন্ধ বিশ্বাসপু থাজবদগী মমা, মপা, মবুং মৌপ্বানা মনিংগী ৱাপন্না পন শাদুনা লৈবা অমদা মহাকপু হুই, হৌদোং থম্বগুম থম্বিরম্মী । পাউ অদু তাবদগী ঐনা মহাক্কী মবুঙ অমদা লৈশাবী অদুবু ঐঙোন্দা অমুক্তা উহনবিয়ু হায়জবম্মী । মনিংগী থোংনাউ হাংদোক্কুনা

ঐবু লৈশাবী অদুগী মশক উহল্লম্মী । ঐনা মবুং অদুদা হায়রম্মী - "মহাক লাইগী শাপ্ন নাবা নত্তে; কুষ্টি থুংবনি মাগুম্না নাব য়াম্না লৈ । মহাকপু অসুম্না থম্বিগনু । মহাক শোয়দনা ঙাউরক্কনি । অনাবা অসি হিদাক পিজরগা শোয়দনা ফগনি । হয়েং মাবু পুদুনা চীংমৈরোংগী লৈ ইংখোলদা পুবিরকউ । ঐ মফম অদুদা লৈরমগে "। মখোয়না খল্লম্মী 'লাইগী শাপনা নাবনি মীনা ফহনবা ঙম্লোইদ্বা'।

অসিগুম্বা ঐখোয়না অন্ধবিশ্বাস হায়রগা খংনবা অসি করম্না কদায়দগী থোবকপনো - মরি মখোং থীবদা থোইদোক্লা অৱাব অমা ওইগনি । লাই তিন য়াম্না থাজবা মী, মরু ওইনা ইমা ইবেনশিংদা পাউ অসি য়াম্না থুনা ফাউনৈ । মীয়াম অমনা পাক্তক্লনা ঙাংনরক্লবদি ঐখোয় খরনা থাজদ্রবসু মদু থীংবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈতে ১সুং ঐখোয়দসু মদুনা অকায়বা পিরকপা যাউই । করিগুম্বদা খুদোং চাবা লৌননবা অপিকপা খুল মচা মচাদা য়াম্না তোয়না তৌবা থবক্লি ।

ইতাউ, হন্দক্তা টামিল নাদুগী নাগপটিনস ডিষ্ট্রিক্তা লৈবা লাইশঙ অমদা দলিটশিংনা লাই খুরুম্বা লাকপা চেটিপুলমগী দলিট নত্তবা মীওই কাঙলুপ খবনা অথিঙবা পীবগা লোইন্ননা নূঙনা থোমজিন্দুনা চঙহন্খিদ্রে ।

দলিটশিংনা নমদুনা লাইশংদা লাই খুরুম্বা চংগে তৌবদা দলিট নত্তবশিংগা খৎন চৈনবা থোকপদগী দলিট (সুদ্র) শিংগী মরক্তা খর অশোক অপন থোকখি । ইরাং অদু লাকশিন্নবা পুলিসনা ব্লেঙ্ক ফায়র তৌখি । অসুম্না টামিল নাদুগী মফম কয়াদ য়াম্না তোয়না থোকই । অমুকসু মফম অদুদা পুলিসশিং অশোক অপন নংবদগী দলিট (সুদ্র) নত্তবা মরাল লৈবা কয়া ফাবা পুনবা তৌখ্রবনি । হৌখিবা সেপ ৩০/৯/০৯ দসু দলিট ৩০ , লোম্না মান্নবা থৌওং অমদা লাইশঙ চঙনবা হোৎনখিবদা সি পি এমগী কাদরশিং ১সুং টামিল নাদু অনটচেবিলিটি ইরাদিকেশন ফ্রন্টকী মেম্বরশিংবু এম এল এ অমনা লুচিংদুনা চঙশিনখিবনি । পোলিটিকেল পার্টিশিং আসনা ভোৎ ফংনবা হোৎনবদা জাৎ অমগা অমগা নুংশিনদনবা

হোৎনবা পুম্নমক ঐখোয়না অসিগুম্বা থবক অসি তৌদনবা চহি কয়াগী মমাংদগী হোৎনরক্লবনি হায়না ফোঙদোরক্লি । (H. Lanpao 16/9/09)

উত্তর প্রদেশকী Allahabad তা লৈবা থবক ফংদ্রিবা নহা অমনা মহাক্কী মরে অদু ককখৎলগা হিন্দুগী লাইশংদা কত্তুনা থবক ফংনবা হৌৎনখি । মহাক্কী মমিং হেলা কৌই । হায়রিবা নুপা অসি চিত্রকুট ডিষ্ট্রিকতা লৈবা হোস্পিটাল অমদা সেনিটরি ৱার্কর অমা ওইনা এড-হোক বেসিসতা থবক্ তৌরম্বা মীওইনি । (MY 23/9/09)

লাইরিক্তি হৈবা মবুক চুমদবা মীনা, লাইরিক হৈতবা মবুক চুমদবা মীদগী সমাজদা মাঙনবা তৌবা য়াম্না হেল্লি । লাইরিক হেতবা মহাক্তি সমাজগীনা খনবা মখোয়গী অপঙবা অদু ফুদোক্তুনা অন্ধবিশ্বাসবু থাজনবা ঙাঙবা ১সুং লাইরিক লাইসু ইদুনা মীয়ামাদ নমথাক তৌবা ঙমদে । করিগুম্বা মখোয়না ঙাঙ শকপা অদুদি কনানসু মৱা লৌবিদে । লাইরিক হৈবা নমথাক হৈবা মহাক্না ঙাঙবা ৱাদি মীনা অচুম্বনি হায়না লৌই । মখোয়না মতম চুপ্পদা সমাজদা নমথাক তৌই ।

কনাগুম্বা অমনা অঙকপা অমা তৌবদা মদুবু অচুম্বা চুমদৱা থীগৎকে খন্দবা মহাক অদু অতনবা মীনি । অঙকপা অদু থীগৎনবগী থৌনা লৈজদবা মহাক অদু পাঙদবা মীনি । অদুগা অচুম অরান করিমত্তা থীগত্তবা মহাক অদু অপঙবনি । চহি খরগী মমাংদা মীওইবনা উদবা, খঙদবা, থীগত্তবদগী অঙক অঙকপা পোৎ য়াম্না লৈরম্মী । ঙসিদি পৃথীবিদা অঙকপা পোৎ তরেৎ নিপাল নত্তনা অতৈদি লোয়না খঙদোকপা ঙমখ্রে । শম্না হায়রবদি, মীওইবনা Planet অসিদা খঙদ উদবা পঙলৈ লৈশিল্লকত্রবদিগী অতিয়া মাইকৈ পাঙলক্লি ।

বিত্রাশিংগী চলাক

ইতাউনা নীঙবিরিবা লাই অসি 'মীনা লাই শাবা' হায়র্বদি 'মীনা পোকপা মী' অদুবু লাইনি খন্দুনা নীঙবিরি। নক্তগা মীনা নূঙথঙ, শ্রেনি, পাইজা মাইকোন, পাইজা মাইপাক পায়দুনা নূঙ নক্তগা উদা হক্লগা শেম্বা অদুদা খুরম্বনি। মসিদি ঐনা ইতাউদা কয়ারক হন্না হায়খ্রে- মসি ফত্তবনি। মসিবু ইতাউনা কন্না থাজরবদি ভুট-প্রেৎসু থাজবা তাই। মীত্রং হৈবসু লাইনি হায়রক্কনি।

ভূট প্রেৎ তা হৈ শীঙ্বা নিপা অমা লৈরম্মি। মাগী ৱারি মতেক অমত্তং ইতাউদা তমজগে।

ওজাদুগী লৈফম, য়ুম্নাক মমীং অশেঙবা হায়জরোয়। মযাংলমগী ওজা বিত্রশিং অফাউবা ওজানি হায়নৈ। ওজা অসিনা খুঙ্গংগী মীশিংদা হায়বা লৈ- "ঐগী ইংখোন্দা ভুট অমা লৈ। ইপানা শান্নরম্বা ভুটলা ইপুনা শান্নরম্বা ভুৎলা অদুদি খংদ্রে। ভুট অদুদি লোইশিলমদনা শিখ্রে। কনানা খংবা মফম মতম চাদনা ভুট শান্নকুবদগী ঐখোয়গী অহল মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা ওইরম্বসু য়াই। নোংমা ঐনা নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবদা মনিংথোঙদা চীন তেংবা থোকপদা অমম্বদুদা ৱাঙ চাউবা মী অমা ঐগী ইনাক্ত লেপতুনা লৈরম্মি। ঐসি মা উবদা কোকচাউবি ফুঙ কারম্মি। মতম অদুদা ঐগী মিহুল অসি দঙ দঙ ফুবম্মি। ঐহাক য়াম্না কিরম্মি। অদুবু মিকুপ ২/৩ গী মতুংদা ঐ জ্ঞান লাক্লুনা ঐগী ওজানা তম্বিখিবা মন্ত্রগী পদ অনিদং ঐনা ইপা পাকৎনা থীবদা ভুট অদু শ্বায মাঙখি।

ইস! ঐনা কন্নিগুম্বা মাইবগী মন্ত্র যন্ত্র খঙধবা ইচম চম্বা মী অমগুম লৈরম্বা থোক্লবদি অদুম ৱাহুদুনা শিখিবা তাবনি। হৌজিক ঐ মন্ত্র খঙলবসু য়ুমদা থেঙনা খক হঞ্জিন্দ্রে। ইচাশিংদসু ঐনা মরক মরক্তা হেক হেক হায়রবনি। অঙাংশিং কনাগুম্বনা খঙজদবদগী নুমিদাংদ ঐগী ঈংখোন্দ

চঙলকপদা ওক্রুগদ্রা হায়বসিগীবাবনি। ঐনা ইচাশিংদসু থেঙনা হল্লক্তনবা হেক হেক হায়। ময়মদি কনাগুম্বনা ইচাশিংদা হঙলকপসু য়ায় খনবদগী।

অমুকখকসু ঐনা অনাবা অমগী কৌরদনা য়ুম অদুদা খোঙ হাংলগা চংগে তৌবমক্তদ ঐগী খোঙ অনি অসি মশক উদনা তাপ তাপ পায়রক্তুনা খোঙ থাঙবা থোকখিদে। ঐনা খনখি ভুটনা ঐবু অনাবা অসি য়েংদনবা তৌরিবনি। ঐনা মন্ত্র অমা থীরগা "নখোয় মফম অসি থাদোক্লগা চৎখ্রো, নত্তবদি নখোয় পটাল য়ৌখ্রগনি" হায়খি। অদুদতা ঐগী খোঙ অসি থাদোক্তুনা থাঙবা য়াইদনা। মখোয় অসিদি অশেঙবা ৱারিনি ইবুঙো হোয়দা ঐনা কোন্না মথং মথং তাক্লক্কনি।" মসি মাইবা অদুনা সেবকশিংদা হায়খিবা ৱানি।

অসিগুম্বা ভুট-প্রেৎ কি ৱারি অসিদি খুঙ্গংদতা নত্তনা ইম্ফাল সহর ময়োল্দা লৈবা মীশিংদা য়াম্না কিনা থোক্লি খুঙ্গংগী মীশিংনা লায়রবদগী মচি ওইবা পোৎ চৈ, চিঞ্জাক চাজবা ঙমদবদগী মশা শোল্লি, ৱাখল খল্লবা ঙমজদে লাইরিক লাইসু হৈত্তে। মসিনা মরম ওইদুনা মখোয়না ভুট-প্রেৎ, লাই তিন য়াম্না থাজে।

খুঙ্গংগী মী অয়াম্বদি এনশাং হাওত্রগা নুপিদা ফুবি, অঙাং নারবসু নুপিদা চৈ থাঙবা য়াম্না তৌবি। ওজা বিত্রশিংদি মীনা য়াম্না নুংশিনা চান্না তৌবি। ময়মদি মহাক মচাশিংবু লুনা চান্না তৌবি। মানা এনশাং হাওহন্নিংবা নুমিত্তা ঙা নচিংবা হাউনবা লৈবিরক্তুনা হাউনবা শিল্লি। মীনা এনশাং হাওত্রগা নুপি অঙাং ফুবা উরবদি মানা য়াম্ন শাওই, ওজানা নুপিগী মীচং চংঙি।'নুপিদা এনশাং হাওনবা ঙা লৈরগা পিশিল্লু' হায়। অসিগুম্বা মাগী ৱারিশিং অসি নিংথম থাদা অঙাংশিংনা সড়ক মপান্দ নুংশা য়াইনা য়াইনা শান্নে।

চহি খুদিংগী য়াউশঙ থা অমা ৱাৎলিঙৈদা লৱায়গী অঙাংশিং য়াউশঙ কোয়নৈ। অদুবু ওজা বিত্রশিংগী লৈকায়দদি অঙাংশিংনা পোৎ হুবা চঙবা কিনৈ।

ওজা বিত্রশিংগী অরাপ অরাপ্পা লমদা মাগী সেবক কুন কুম্থামুক লৈ হায় । করিগুম্বদা মখোয় ওজাগী যুমদা মখোয় ১৪/১৫ মুক পুনবা নুগিংসু লৈ। অদুগুম্বা নুমিৎ অদুদা মানা সেবকশিংদা নিংথীনা পাউত্তাক পী অসুম্না হায়রম্মী - 'মীনা নুংশিনবা ঝাঙাং শঙাং থোংনা নৌনা ঙাঙবা তম্মু; মীবু শুমহৎলু; নংনা ঙাঙবদো মীনা তানিঙহল্লু । লমচৎ ব্যাবহার ফজবা ওইগদবনি । অদুগতা ঐখোয়না অরোনবা থবক তৌবদা খুদোং চাগদবনি । ঐখোয়গী থবক ঝাংলোয়দবনি' । অদুগা মানা চফু মচা অমা মাঙদা থম্লগা হায়রম্মী - 'নখোয় খুদিংমক্না অসিগুম্বা চফু মচা মরি মঙা/মবি মঙা লৈরো, অদুগা চফু, অদুগি মনুঙদা খুজিন খর, শম খর, চেং খর, মৈতান অশিবা খর হাপ্লগা মখুম চেৎনা খুম্লগা, খুনগী মতায়দা, চীংয়া, তুরেল মপান, কদায়দনো নংনা কাওরোইদবা মফম য়েংলগা লৈবাক্তা ফুমদুনা থম্লগা, মথক্তা নাপী হৌবা লৈবাক খর থনম্মু । নখোয় নখোয়গী লৈকায়দা অনাবা য়াওরকপদা ঐ কৌবক্লবদি অসুম্না হান্না থমহৌবসিসু কান্নবনি ।

ওজা বিত্রশিংনা ঝা মখা তারম্মী - 'হিদাক গুলি খর চারগা হেক ফগদবদো অদুগুম্বা খর ঙক্ল থোকহন্দ্রবদি শেল ফংবা য়াদে । অসিগুম্বা ঐখোয়গী অরোনবসে মীঙোন্দা হায়দোকপা য়াদেকো ইচাশা । সিদ্ধ পান্দবনি । অদুগা পংতক সুতক তৌবা ইমুঙ শেন্দি পায়বা অদুগুম্বা ইমুঙগী পুখ্রিদা, নুঙ য়াম্না মুবা থীরগা মমিৎ অনি হুৎলু, মখয়াৎ মান্ন শেম্মু অদুগা পুখ্রিদা থাদৌ । তৌবতদি নংনা লঙথখিবা মফম অদু চাওরাক্লা খঙঙু ।

কনাগুম্বা ইমুঙ অদুনা পাঙদবা মী ওইরবা, করি করিনো ইথী থীগত্তবা মী ওইরবা, ইমুংগী নুপী নত্তুগা নুপা অদুনা লাইদা পুক্লিং লুপ্লবা অদুগুম্বা মী অদু ঝারি সুম শানবদগী খংগনি । মীনা হায়নবসু নংনা তাগনি । অদুগুম্বা ইমুংদা অথেঙবা অহিংদা নংনা মপান থোকপদা নূঙনা মখোয়গী যুমথক্তা হেক হেক থাউ । কান্নবা লাক্কনি । ভুট থাজিল্লকপনি লৌথোকপা হৈবা মী লৈ হায়গদবা মখোয়দা ।

পাম্বোমদা য়ন্ত্র য়াম্না শিরবদি নুপা নত্তগা নুপী অদুদা নহাক্লে মহাকপু য়াম্না থাগৎলু । অদুগা অবাৎপা অমা নংনা হাপচিন্নবা হোৎনগদবনি । করিগুম্বদা নংনা নুপী অমা নকনবগী তাঞ্জা ফংলবদি নুপী অদুগী খুবাক ময়ি য়েংশিন্নদুনা মাগী হৌজিক্কি অমসুং তুংগী নংনা খংবা খরদং হায়নবা হোৎনৌ খুবাক ময়ি য়েংবগী লাইরিক লৈবনি; মাইবা শাবগী লাইরিক লৈবনি; ব্লেক আর্ট হায়রবসু; ঐখোয়গা মরি লৈনবা লাইরিক পুন্নমক পাশিল্লু । হৌজিক মীত্রং তৌবগী লাইরিক মরাং কায়না ফংলে । ঐখোয় ধর্ম্মদদি মীত্রং তৌবা মীবু লাইনি লৌনরিবনি । অদুম তৌরগা নখোয় অসুম অসুম ঐঙোন্দগী হেন্না খঙলক্কনি ।

হৌজিক ইচাশা শেলগী মথৌ ঙাক্ক ঙায়বে। ঐখোয়সু শেল তাননবা তৌসি । য়ুমথোঙ খুদিংগী মখোয়গী ইমুংনা করম্বা যুম্বাগ্নো, অনা অয়েক য়াওব্রা, কবম্বা মখলগী অনা অয়েক্লো, শঙজিল্লু । ঙাংনবা নুঙায়বা ইমুং নুঙাযতবা ইমুং, ঙাংনবদা ঐনা ঙমগদবা মী থীবগা শমহৎনবা তৌ । যুম অমত্ত চিৎথদন লোয়না খঙজিনগদবনি । ভোৎ লেপ্পা মীনা ইমুং অসিদা ভোটর কয়া লৈ খঙবগুম ঐখোয়সু ঐনা ঙম্বা মফমদা অনাবা চিৎথদনা মশিং থীদুনা থমগদবনি ।

হৌজিক য়ুম খুদিংগী ইংখোল মতোন্দা লাইশং মচা অমমক শারগা লাই অমমম লাৎনরি । ঐখোয়না হৌজিক নুপী মাইবী শেমগৎপা য়াম্না দরকাররনি । মাইবী হায়বসে নুপী অমনা হেক ওইবা খ্নাবা নত্তে । গ্লোসোসালিয়ানা নারবা মী হায়বদি কুইনা মশাদা ঈ ব্রাৎলকগদগী তোয়না তোয়না নাবা, তোয়না শাগৎপা ফিবর তৌরুবদগী চোইরোন পারোল লোনবা, অমুক মতম খর ফবা অদুগুম্বা মী থীয়ু; মাইবী শেম্বা থোক্কনি । হৌজিক মী অয়াম্বা ঙাওরবনি । কলকপা, মীহৌবা অপাম্বনা লাকশিনখিবদগী মী অয়াম্বা শা ওনখ্রে । অদুগী মথক্তা চংি কয়া লিশাং শিৎনা লাল থেংনদুনা লাক্লবনি; মীশি মীনা কুংলে । হুরান চিনখি, মীহাৎ, মীপুন ময়ামসিদগী অমা য়াওদ্রবা ইমুং লৈশিল্লক্রে । কনানা মাইবা মাইবী

থীদুনা খয়োম লাক্নুনা লাই খুরমদুনা চবান থাদোকপনচিংবা তৌরগা ফগনি খন্দুনা তৌনবি । কনা অমা নুমিৎ খুদিংগী ডাক্তরদা চত্তুনা অনাবা য়েংনরি । থম্মোইগী লাইনাসিদি য়াম্না লুই; হেক ফবা যাবা নত্তে । মখোয় অসে ঐখোয়গী শেল লাকফম্নি । মাইবী, মাইবা য়াম্মিখৈ কান্নরবনি । ঐখোয় চংখিবদা মখোয় শিরোই নারোইদবগুম খল্লিবনি । নংনা মী অমবু মাইবী ওইহনবদা মাসু কান্নজবনি; নংসু শেল খর খর মানা ফংবদগী খায়বিবক্কনি । ঐখোয়না তৌরিবা অমসুং তৌদৌরিবা থবকশিং অসি মীগী মাঙনবা তৌবনি হায়না খনগনু । কনাগুম্বা অমা ব্রাখন্না নারবদা মমা মপা অদুনা ইবুঙো নংবু লাই ফুরন্বিগদবা মাইবা লাক্লে'দা হায়রুবদা খব ফবা মী লৈবিবনি । মী খবদদি ঐখোযসে লাই ওইনা উরিপোৎনি ।

মাইবা মাইবী হায়বসিমকপু লাইগা নক্লবা মীনি । অহৈবা মাইবদি হৌজিকসু লাইগা ব্রাবি শায । মহৌশাদি লৈখিদ্রবা মমা মপাগা ব্রাবি শানবিয়ু 'স্বৰ্গদা লৈবা ঐগী ইমা ইপাগী অব্রাৎপা করি লৈবগে হংবিযু' হায়নবৰ্ম্বনি । অদুবু হৌজিক্তি থামন্দা হংনরবনি ।

হিদাক ঙাক্তনা অনাবা ফবা যাদে হায়না ঐখোয়না মীঙোন্দা তোযনা হায়গদবনি । ডাক্তবনা ত্রানকুইলাইজব ১সুং সেদেতিব গুলি পিজদুনা অনাবা অদু শোয়দনা ফহনগদৌরি । অদুম তৌরিঙৈ মরক্তা ঐখোয়না লাইগী নুংশিৎ লৈ; লাইগী নুংশিৎ অসিদং খায়দোকখিসি হায়গদবনি । ডাক্তরগী হিদাক চানা চানা তৌবা করিসু কায়দে হাযদুনা লুপা ১০০/২০০ লৌথোক হৌবা যাবনি । ফহনবদি ডাক্তরগী হিদাক্কনি । অদুবু নংনা তৌবদর্গা ফরে হায়বক্কনি । খুঙ্গংদা, লব্রায় থব্রায়দা অনাবা য়েংবা ডাক্তবনা ফাওবা গুলি খর পি জরগা ফগদবদো শেল লৌবা য়ানবা হিদাক মচা অমা কাপশিল্লম্মি । অদুঙমদুনা ঐখোয়না ত্রানকুইলাইজর পিজবদা অনাবদো ফরবসু অঙাউবগী ইমুংনা দক্ষিনা তৌনিংদে । অদুনা লাই খুরম্নবা হোৎনহৌগদবনি ।

মীনা পোৎশেম তৌবিবদগী মহাক নারিবনি । কবম তৌবদগী করি তৌবদগী মহাক নারিবনো ? মাগা যেক্লবা নুংশিনদনা কনা কনা লৈবগে ? খঙলবদি ঐখোয়দা হাযদোকপিয়ু হায়গনি । খঙই হায়বসু তাশিল্লু । খঙদ্রে হায়রগা লাই অমা খুবমথোক্কনি হায়য় । খুবম্বিয়ু । অদুদগীদি খংঙে, খংঙে, হায়গদবা । অদুদগী নথন্ত মুরুম মুরুম খব শোনগদবা । নশা অদু লেপতুনা লৈরগা নমিৎ উইশিন্দুনা অনাবগী মমিং হায় হায়দুনা নকোক অদু, উরু উরু লৈগদবনি । অসুন্না অনি/অহুম্লক তৌরবা তুংদা নংনা হন্দোক্লিংবা চফু মপাদা নমিং পাংনা পুৎ অমুক্তং তিংথোক্লগা লাই খুরম্বা লোইশিল্লো । অদুগা অনাবদুগা পাদগী নক্লবা মী কনানো খংদোক্লগা মাগা তুমিন্না ব্বারি শাদুনা নংগা মানা নাবগী মবম পিগনি । অদুগা মঙোন্দা পোৎশেম তৌশিল্লকপা মফম অদু ঐঙোন্দা লাইনা তাক্লকএ । হৌজিক ঐখোয় অনি চৎলগা পোৎশেম অদু লৌথোকপিরসি" হায়গদবা । নত্ত্রগা নংনা ঐখোয ওজাব্ তৌহল্লু, নত্ত্রগা মী "মহাক অদু হৈবনি মী তৌহল্লু" হায়গদবা ।

হৌজিক নংনা নহান ফুমখিব চক্ল পোৎশেমগী থমফমদা চত্নুনা কপে পনপিবো অদগা শোয়দনা ফবনি হায়বো । মঙোন্দা মাস তৌশিনবিবরূপা যা অদ ওাগদগী থা অমগী মনুঙদা শিবগদবনি । নখোয়না কনানা তৌরনো মশক অমুক্ত খঙগে হায়বদো ঐনা হাযদোকপা যাদে । হাযদোক্লবদি হোবেন নুংদাং ভুটনা চরম মেৎখ্রনি; অদুননি নখোয শাওনু । মহাক থা অসিগী মনুঙদা শোয়দনা শিগদবনিকো অদুদা অদুম খংজরো ।

দক্ষিনা অচৌবা অমা ফংগ্রে ।

মী লিশিং লিশিংনা থবক তৌজগে থীরি । মী লিশিং লিশিংনা ব্বানোম্বিনবা ব্বা জাৎ জাৎ হায়জিল্লি । খরনা হায 'ঐ মন্ত্রিগী মীনি; খবনা 'ঐ চিফ সেক্রেটবিগী মীনি; খরনা 'ডিরেক্তরগী মীনি হাযনি । সিফাই খনবগী থার্দ গ্রেদ কি পৈশানা ব্বাই চাযখৈ লৈ । থবক্তা লুপা লাক্ষ ১৫

য়ৌরে । শেন্দি চাওই থবক্তি মচানি । মন্ত্রিগা শেল য়েন্নরমগদ্রা ? শেল পিশ্রগা থবক খল্লক্তবা করিগীনো ? থবক থীবা মীদা ব্রানোম্বিগে হায়য়ু ঐখোয়সু থবক ব্রাত্তনবা তৌশি । ব্রানোম্বিগে হায়দুনা শেল পায়নবা হোৎনৌ । করিগুম্বা মহাক খল্লক্লবদি শেল অদু নংগী ওইরে । খল্লকত্রগা শেল অদু মচিৎ মচিৎ হনখো । তংখাইমুক লৌথোকখ্রগা ইকায়বদগী নত্ত্রগা তনবদগী অদুম শেল থৌবা লাক্লরোইদবনি । ঐখোয়দি সেক্রেটরিয়েট অফিসতা চংবা য়াইয়াদে য়াম্না ভৌইদনা । ব্রানোম্বা মীশিংদি লোয়না চংবা য়ারিসিনি । কনাগী লৈশাবি, মৌ মচা, মৌয়াই, নুপা কয়া কয়া হোটেন্দা ব্রাথি ঙাংঙিবা মখোয়শিং অদু নং মশক খংবা নত্ত্রা ? মখোয় মী ফানবা লৈনরিবনি ।

হৌজিক মতমসে মী লোয়না নারবনি । কনানা মচা কায়নবগী, কানা মপুরোইবা কায়নবগী কনানা মখোঙ মখুত্তা শোকপদগী মখল মখা কয়াগী শোয়নায়বা ময়াম অমা । মখোয়বু পোকপা মমা মপাদো কমদৌরি ? মখোয়গী থম্মোয় ফাথবিয়ু । কয়িনখ্রবা, শিশ্রবা মচাশিংগী ব্রাখন্দা মমা মপা ঙাওরি । ময়াম অসিবু লায়য়েংনবা হোৎনবদা ব্রাবদু উবদা মখোয়দগী অমুক শেল করম্না লৌথোকাশিগে খন্নরি । য়েন ১গী মশাদা ঈ খিত্তং থোকপা উবদা য়েন অতৈগী মচিন অতুম্বনা কক কক তন্দুনা ঈ থোকপা য়েন অদু হাত্তোকপি । অদুগুম্বনি মীওইবসু দষা তারিঙৈ মনুংদা লাইদা কৎলগা ফনি হায়জিনবিরিবনি । ব্রারিবা মী অদুগী চরম মেৎপিবা ঙাক্তনি ।

পাখং লৈশাবী কয়ানা থবক ফংদবগী ঙাওচৎনবা, এদস পকপা কয়াগী লাংদা থুকপা; অহল লমন কয়ানা এদসনা শিশ্রবা মচা মমৌগী মশু কোন্দুনা পোদুনা লৈনরি । শেল থুম খব্র পায়জবা ইমুংদা শেলগী দিমান্দ লাকাশিল্লে । শেল পায়বা হায়বদো ব্রারে; শেল পায়দ্রে ব্রারে । অসিগুম্বা মতম অসিদা তনবু তন্দ্রবদি শেল ভানবা য়াম্না লায় । শেল হাযবসে মীবক্তা লৈ । চীংদা চৎকনু, পাত্তা চৎকনু, মীগা নকশিন্নৌ । শেল য়াম্না পাম্বা মী

উরগা শেল মচা পোকহনগে হায়য়ু । অৱা অনা তারবা ইমুংশিংদা চং চংদুনা অসিগুম্বসি মতুংদা অমুক থোক্তনবা চুক শাবিগে হায়য়ু । লাইরবা ইমুংদা অনাবা য়েংগনু । মরল লৈবা ইমুংদগী শেল লৌথোক্লবা তৌগদবনি । য়ুমলোন্নবা ইমুংশিং ইনাক খুল্লবদি অমগা অমগা খৎনন্নবা শিনগদবনি । অমগী পোৎ লোন্ন লৌথোক্লগা য়ুমলোন্নবদা থমজিনবা তৌ । অদুদগী হুরানবা হুরানবী হায়না তৌনরক্কনি, খৎনরক্কনি খৎনবদুদা নংনা অমদসু হংজিল্লু, অমদসু হংজিল্লু অদুম তৌরগা ৱাখল ফাথবা ঙমদবা ইমুংনা নঙোন্দা থবক অমা পিরক্নীনি ।

চহি থবগী মতুংদা ওজা বিত্রাশিং য়াম্না কন্না নারম্মী । মাগী মচা অতোম্বা বিজয়না মপা অনাবগী মনাকোংদা চংশিল্লগা হায়রম্মী- বাবা ঐখোয়গী ইংখোন্দা ভুং-লৈ হায়বদো বাবানা হিংলিঙৈদা লৌথোকপিরম্মু । মপানা মচা য়েংলগা খুন্নম্মী - ইপাগী ইবুংঙো ইপা ভুং শান্নবা হৈতে । ইপানা ঐখোয়গী ইংখোন্দা হুরানবা চংলক্তনবা ভুং লৈ হাযজনবনি । মচানা অমসু হংলম্মী- বাবানা মনাবগী য়ুম চংবদা ভুংনা হেক হেক কোল্লকপদা করম্না ভুং তগী নাম্থোকপগে তাকপিরম্মু ? মপানা খুমলক্খি- মশক উদবা অনাবগী ভুংনা কোল্লকই হায়বদো ঐনা হাযজিনবনিদা খাজগনুদা- ইপা চৎলগে ।

নুঙায় য়াউশঙ নুঙায়

ইতাউ, হুরাল্লগা, নিবগা হরাউবা অমা লৈ । মসিগী হরাউবা মখল অসি য়াউশঙ মৈ থাদ্রবনিনা মুৎশ্রগনি খল্লম্মি । য়াউশঙ মৈদি থাদ্রে । অদুবু মৈরিদি মুৎখিরোইদৌরি ।

য়াউশঙ মৈ থাবদি উদ্রে । অদুবু ঙাউজবা পাম্বা ঐখোয়গী জাতি অসিগী লৈশাবি পাখংশিংনা নোংমা নোংমগী মশিং লাকঙমদনা হেনগৎলকপনা হরাউবগী থাকসু চহি খুদিংগী হেনগৎলকই ধর্ম্ম অসিগী মিংদা মখোয়না হেক পোকপদগী মমিৎ উরকপদা ঐখোয়না নিবা তম্বিবে । 'য়াউশঙনি পৈশা পিয়ু হায়য়ু, য়াউশঙনি অচাপোৎ লৈবিয়ু হায়য়ু'।

লৈশাবী কাংবু কাংবু হৌনদুনা শেল খায়বা য়ুম্লক্তা চৎলি । লৈশাবী কাংবু খরনা সড়ক্তা থৌবি তীংদুনা মীঙোন্দগী শেল মুল্লী । নুমিদাংগী মতমদা লৈশাবীশিং শেল তীংনা থাবল চোংই । অয়ুক নুংথিলদা মীগী লৈকায়দা ময়ুম পানখ্রবা মখোয়গী লৈকায়গী নুপীশিংগী মনাক্তা চত্তুনা শেল খায় । নুপী খরনা কার তোংদুনা, মেজিক তোংদুনা, জিপসি তোংদুনা পাখং খরগা শেল খায়বা চৎলি ।

নুপা মচাশিং, নুপী মচাশিং অনি/অনি, অহুম/অহুম হৌনদুনা অদুগা হনুবীশিংসু অনি/অহুম, ২/৩ হৌনদুনা য়ুম খুদিংদা শেল খায়বা চৎলি ।

ইমুং খুদিংগী অঙাংশিংগী ফিরোল লৈবদা চংখিবা শেল য়াউশঙ কোয়বা অঙাংশিংনা হুখিবা কোবি, অলু, য়োংচাক, ব্রা, ই, অসিনচিংবা; মচানুপি লৈশাবীনা থাবল চোংনবা লৌখিবা শেল; মচানুপানা য়াউশঙ কোয়নবা শেল; শেনখায় লাকপদা অঙাং, অহনশিংদা পিখিবা শেল; হোলি পালা লাকপদা তৌখিবা দক্ষিনা ময়াম, স্পোর্টকি খায়খিবা শেল; কয়া য়ামখ্রবা মীতৈগী ইমুং অমদগী থা অমদা অরেম্বদা চংখিবা শেল ।

য়াউশঙ লোয়র লোয়রগা লৈশাবীশিংগী থবক কনখৎলি । নুমিদাং অকে অমৌ শেমদুনা থাবল চোংঙ । অয়ুক নুংথিন্দা চাক চানৈ । অদুক য়াম্না খায়খিবা শেল অদুনা থাবল চোংবদা, শুমাং লিলা খর তৌরগা পুমলোয় লোয়শিনখি ।

পাখং মচা কয়ানা নিশা চাদুনা, মমায় মমিৎ পুম্মু মুরদনা, গাড়ি অয়াংবা কয়া থৌনদুনা পংকোয় কোযনৈ । খর অমানা নিশানা ঙমদুনা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা শিখ্রে । খর অমনা মমায় মমিৎ য়াওদনা হোস্পিটান্দা লৈ ।

হনুবিশিংনা লৈকায়দগী শেল্ খায়বা লোয়রগা মাইল ৫/৬ ফাওবগী মনুংদসু চত্তুনা খায়রুই । মখোয়না ব্বানা তানবা শেলনিনা অরেম্বদা মাঙহন্দে ।

থবক তৌবা, ত্তার শান্নবা য়াম্না পামজবা মখোয়গী মফমদদি য়াউশঙ অসি অমৃত চফু ফংগুম্মি । অয়ুক, নুংথিল, নুমিদাং লেপ্তে; মকোক ঙাউঁিি ঙাউরি অদুম শান্নে ।

থাবল চোংগদবা লমপাক্তা মৌবি ব্বা টাটা মপোৎ অমা, জেনারেটর, ইলেক্ট্রিক ব্বায়ার অসিনচিংবা ময়াম অমা পৈশিল্লরে । য়াচংলকপদা য়েংবদা কয়া ফজরবা । মৌবি ব্বাশিং অদু কারন চনগনি । মখোয় খুদিংমক্তা টিয়ুব লাইট অমমম নপশিল্লি । স্বিটচ অদু কিট নম্বদা খংহৌদে, টিয়ুব লাইট পুম্নমক মিকুপ অমগী মনুংদা পুমঙান ঙাম্হোরক্তুনা ককচেং চৎপা উই । অদুদগীদি নুমিদাং পুং ৮/৯ তাবা অদুবাইদা কলচর ঙাক্কনি হায়বা লৈশাবি খরনা তংখায় শারি, শারি মপুম শেক্তুনা ইফুন ব্বা ব্বা হৌরবা লমপাক অদুদা বেন্দ পাটিগী তান য়েং য়েংদুনা থাবল মতেক মতেক চোংঙি । নোংয়ায় চবুক্তা নোংমৈ মখোল অনি অহুম তারবদি থাবল চোংবা লেপখ্রগনি ।

য়াউশঙ মৈ থাবা নুমিৎদগী বারুনি মতুং ফাওবদা ঐখোয় লৈকায়দা চাকচা হৈজানবদা মাঙখিবা চেং কুইন্টন ৪০, ঙা কুইন্টন ২০ লফু পাম্বি

চামা ১সুং অতৈ থৌতৈ মনামশিং অলু, হব্রাই, কোবিনচিংবদা কুইন্‌ন ৬০ মাংখি।

য়াউশংঙ মৈ থাদ্রিবৈঙদগী থাবল চোংবা হৌবদগী চাখিবা, থকখিবা, অবের তৈনখিবা, লৈখোম কাপশিন্নবা ময়াম অসিগী ফলনা চহি খুদিংগী হোস্পিটালগী থোঙ্গাল ফাওবা অনাবা লৈ।

য়াউশংঙ মনুংদা অঙাংশিংনা নুংশা মরক্তা অথুম অহাও চাশিনখিবা থকচিনখিবা ময়াম অসিনা চহি খুদিংগী য়াউশংঙ লোয়রকপদা অঙাং ১০০দা ১৫শি, ১০০ দা ৫না মখোঙ মখুৎ শোয়নায়, ১০০দা ৩দি মাঙখি; থীবা খংদে।

চাকচা হৈজানবদা থোঙবা থাকপা তৌনবা বামন লৈতবদগী মীতৈনা বামন শারগা থোঙ থাক তৌবসু য়াওখি। য়াউশংঙদা বামন্না অতোংবদা লৈখি।

ঐখোয় য়াউশংঙ কুইনা তৌরকপদগী থবক শুনিংদবা জাতি অমা ওইরে। নিশা চাবা ফজনা হৈরে। হুরানবা ফজনা হৈরে। শেল নিরগা চাবা হৈরবা উপজাতি অসিনা ইং-শোক কয়া ফাওবা লৈখিগদগে।

....

লাইবুদি মীয়াম্ম হেন্না লুই

লালমনিগা লালহরিগা মচিন মনাউনি । মতম অমদদি মখোয় শেল পায়বা, লল লৈবা ইমুং ১ ওইনা মীনা ব্যাবাহার তৌনরম্মী । মচিন মনাউ অনিমক ওজা ওইরম্মী মখোয় অনিগী নুপানা ওফিসতা থবক তৌরম্মী । খুঙ্গংগী লমনিনা ওজা ওইনা ওইনা শীং য়ানবা ঈঙ্গোল কোইবনচিংবা থবক কয়াসু শুবম্মী । মমা মপানদি মখোয় অনিদা লৌরাক অমমম দি পিবনি । অদুবু হৌজিক্তি মখোয়না থবক কন্ন শুজবগা তলব চাবগনা মচিন মনাউ অনিমক লৌ পরি তরেৎ নিপাল/তরেৎ নিপাল লৈজরম্মী, মখোয় অনিমক লমদম অদুদ খুঙ্গংগী অকোয়বা য়াউনা শ্রাদ্ধগীদমক্তদি শেল পুবা য়ারম্মী । মরমশিং অসিদগী মীপুম খুদিংনা মখোয়বু লুনা চান্ন তৌরম্মী । মখোয় অনিবু পোকপা মমা লৈরিবনি মমাগী লৌ লৌরাক অমা লৈরী করিগুম্বা নাব য়েকপাগী লাইয়েংবদা য়োম্ছোক্লগা শিজিন্নবা, করিগুম্বা নাবা য়েকপদা শিজিন্নদ্রবদি মমানা "বামনগী লাইদা কৎখো" হায়রম্মী ।

ইং ১৯৭১ গী য়াউশং মৈথাবা নুমিত্ত লালমনিগী য়ুমদা অহল কুনমুক চাক ঈশিং চানখি । চাক ঈশিং চাবা লোয়রবা তুংদা লালমনিনা অহনশিং অদুদা হায়রম্মী - ঐ ঙসিদগী ঐ ১সুং ঐগী ইমুং মনুং পুম্বা গৌরধর্ম্ম থাদোক্কুনা মীতৈ ঐগী ইপা ইপুনা চৎলম্বা ধর্ম্মদা চচ্চরনি । ঐনা ধর্ম্ম অসিদা লাইমীং লৌজদ্রিঙৈ মমাংদা হান্ন লাইমীং লৌবিশ্লবা/ লৌবিশ্লবিশিংবু ঐনা হন্ন হন্ন খুৎ লোন্নদুনা খুরুমজে । ধর্ম্ম ওনবা অসিদা তাবিবা উবিবা ইচিন ইনাউশিংনা; ঐবু পোকপা য়াবশিংনা ঐগী মীংগী মনিংদা মীতৈ হায়বিয়ু । কনাগুম্বশিংনা ধর্ম্ম মীতৈদা ওনবিনিংলবদি অহল লমল তিল্লিঙৈদা চংশিল্লক্কুনা য়াউবিরবা য়াগনি ।

হৌখিবা ইং ১৯৭৬ কী কালেন থাদ মমা তোম্বীমচা তাইবংপাল থাদোকখি । মমাদি মচা অতোনবগী মনাক্ত অমুক লৈবা; অহনগী মনাক্ত

অ ুক লৈবা তৌবন্মী । মমা অদুনা তাইবংপান থাদোকখিবা মতম অদ অহনগা লৈম্মিন্নবন্মী । মমাগী পোলোইবদা মচা লালহবিনা মমাগী লাইব ক্তগী অষ্টী লৌন বা পোলোইনা যাউবা মী অমা অনিদা হায়বন্মী । অদু মযাম্বা লাল [illegible] গী মীনা তৌদনবা হাযবগী মচিন মনাউ কবিসু লৈতবা [illegible] [illegible] শাউনবন্মি । মখোযনা শাউনখিবসে অদুগী ভাব [illegible] । মসা [illegible] পদা মীতৈগী ঈশে শকপা, মীতৈগী পুং যৈবা [illegible] পুং যৈবা লাক্লম্মী । কনানা ধর্ম্ম অনিগী পং [illegible] থীনবা কান্দাদি কনা অমত্ত 'ঐনা তৌবনি' [illegible] । অদুম্ মচল লালমনিনা গৌবগী পুং যৈবা ঈশে [illegible] হাযবা [illegible] শিজিন্নদুনা হলহনখি । মহাক [illegible] থংদনা মীনা ফৌবা ওইবমা [illegible] । [illegible] চিন মনাউ অনি [illegible] । [illegible] অকনবা ব্রাহ্মৈ, ব্রা [illegible] শিজিন্নদুনা বা [illegible] ।

[illegible] না মা [illegible] কম্মুকে [illegible] শকদবা [illegible] [illegible] । [illegible] উ [illegible] মযাম্ন [illegible] ইমাদি মাত্তৈ নত্তে । অদনা ঐনা [illegible] শকপা পুং যৈবা হাযজকবসু [illegible] । যবে, ত বন শোবাত্তি ইমানা [illegible] “ [illegible] খানে হাব. [illegible] নত্তে । ইমানা [illegible] গৌব [illegible] । [illegible] শিনবানা [illegible] বা অদু [illegible] হাযবন্মী “তাধন ইমাদি [illegible] পুক্লিং লুপচৈ এখোযনা ইমাগী শোবাৎ মীনৈদা শোনবা হাযবসে ইমাদা লংজবগুম থোকলোযদ্র ?” ননাউ

ঐগী ব্বাদি ইমাগী শোরাৎসিদি গৌরধর্ম্মদা শোনসি অদুগী তুংদদি ঐ ঐগী অপাম্বা তৌনসি হায়বসিনি ''। লালমনিগী মাইথোং ঙাংশিল্লম্মী । অশাউবা ফাউরম্মী । ব্বা খবা কল্লপ তৌরগা হায়রম্মী - ''হরি, ইমাসে ঐগীদা লৈবা কান্দা শিবনি । করিগুম্বা ইমানা নংগী নাক্ত লৈবা কান্দা শিবা ওইরল্লবদি ঐ ব্বাফম অ.সে হায়রল্লোইদবনি । মীগী ধর্ম্মদা শোরাৎ শোনবা মখোয়না শোল্লিবসে করিলোন্নো করি হায়রিনো অর্থ খংব্রা ? নং ঐগী ইমা ইপাগী থবক্লি । মখোযনা শোনবিবা অসি চুম্ব্র চুমদব্রা খংদবা নক্ত্রনে । করিগুম্বা লাল্লবদি অমুক হন্না শোল্লু হায়গদবা নক্ত্রা ? ঐখোয়না খংদবা লোন্ন লান্না চংখ্রবা শোবাৎ শোনবগী অর্থ কবিনো ? অর্থ খংদবা অদুদা নুংশিখ্রবা ইপা ইবুংঙো অদুগী শোরাৎ শোনখি । মদুগী নিংঙমদবা ফাউবিঙে মনুংদা ইমা অমুক । নযাম্না ঐদি পামদ্রেবো'' মীকুপ খর লালহরি তুম্লিা লৈরম্মী । অদুগা য়াম্না শাউনা শৌগৎলগা চংখ্রে । মখোয় অনিগী মমাগী মৌপ্পা অমনা মাবু লাকখো হল্লকখো হায়না কৌরম্মী । অদুবু মহাক হঞ্জিল্লক্ত্রে ।

ঙশাইখৈ ব্বা ঙাঙনবা তাবা মখোযগী মামা অমবা অসুম্না হাযবম্মী - ''ইমাকশা ইচেনা নবান্নি পোকচৈ; নবান্নি ধর্ম্ম তিন্নদ্রে । নবান্নিগী ধর্ম্মদি অমত্তনি তোঙান তোঙান উবসু তৌদে । অমনা মুসলিম, খৃষ্টানগুম্বা পুমতোপ তোপাখিবা নত্তে । ঐগী ঈ-দা অহোঙব পিবা নত্তে । থবক মতৌ-খবা খেন্নবানি । ঈশ্বব মহাক অদুনা উ পাম্বী ওইরগা ধর্ম্ম পুম্নমক অসি উ শা ওইবনি । অমরোমদা হায়রগা নোংপোক থোঙদগী চংলক্লগা কংলা লাইফম তাই; নোংচুপ খোঙ্দগী চংলক্লবসু কংলা লাইফম তাই । মীতৈনি ঐখোয় গৌর ধর্ম্ম চংলগা মীতৈ নত্তে হায়বা য়াগদ্রা ? নবান্নি চপ চপ লেপকনু । ঐদি খোঙফম লেংলরোই খন্নগনু । খর খর হন্দোকনৌ । হৌজিক ঈশৈ পালা নেকপা চংনবা তৌরসি । অসুম্না মাখোয়না মামানা ব্বা ঙাংলিঙে চৈরক্তা লালহরি শাউনা মখোঙ্ পরপ পরপ থাঙদুনা লাক্লগা হায়রম্মী - ''তাধন ঐখোয়বু পোকপা ইমানা লৌ

লৌরাক অমা থনম্মী । নিংশিংবিরমগনি । ঐনা শঙম অমা তাধন্না শঙম অমা উই । করিগুম্বা ইমানা নারগা লৌ য়োল্লগা লাইয়েংনবনি হায়না । নাদবা থোক্লবদি লৌ লৌরাক অসি বামন লাইদা কৎলুকো ইচাশা"। হৌজিক ইমা অদুনাখিদ্রে । লাইয়েংবদা শেল তিংখিদ্রে । অদুনা ইমাগী লৌ শরুক বামন ঐজ্ঞা কাম্থাইদা কৎকদবনি । কাউবিনু অসি হায়রম্লগা শাউনা অমুক হনখি । অদুবু ময়াম্বনা 'ঙায়খো' ঙায়খো হায়না কন্ন হায়মনবদগী লালহরি চপ লেপ্লম্মী ।

মাগী মামনা চংলকখো চৎখিনু ব্রা খর হাযনগবা ব্রাৎলি হায়বম্মী । লালমনিনা কবিমতা শাউবা তৌদনা অসুম্না হায়বম্মী - ইমাদো অহলগী মতম ওইশিল্লকপা কান্দা মশাদ কবিগুম্বা খব শিরমদাইদা ফাউদগুম তৌমাল্লে । নোংমা ইমানা তুম্লমদাইদা ঐঙোন্দা হায়খিবা লৈ । "ইমাগী ইবুঙো নখোয় নখোয়না হৌজিক পায়রিবা লৌ-শিং অসি কায়থোক্তবা ঙম্বা ওইয়ুকো । য়ুম্বানবা হাযবসে য়াম্না চেকশিল্লু, য়াম্না লুবনি । মদুদা ঐনা মবক থত্তুনা হায়খি - "অদুগা ইমানা কবিগী লৌ লৌরাক অমবু বামন্দা কৎলু হাযখিবদুদি" । ইমানা - "অদুদি শুম তৌরো ইমাসু হাযদোকখ্রবনিনা নুঙাযদ্রে । নাবে ফবে; কবিগুম্বা নাদনা শিবা থোক্তলবদি লৌ য়োনবগী শেন্নি খন্দুনা লুপা চামদং বামন লাইদা কৎলু । অদু ঙায়দনা ইচাসিদি" হায়বম্মী । অদুনা ঐদি ঐনা উবা শঙম অদু কৎলবোই; নংসু কৎলুবনু' হায়বম্মী । ব্রা অদু তাবদা লালহরিনা য়াম্না নুংশিদবা খুনোক অমা নোক্লগা 'তাধনগী মঙগী ব্রাদো পিথোক্লিংদগী ব্রানি ননাউদি কৎকনি' হাযরমলগা চৎকে তৌরম্মী । অদুবু মমাগী মৌপ্পা অতোম্বা খম্বনা ফাদুনা অমুক ফমহল্লম্মী । খম্বনা শাউরংননা হায়বম্মী- "ইমাকশা, ঐখোয় ভাব ভারে; ইচেগী শোরাৎসে অনি থোক্তৌরিনে । মদু নখোয় নহৈ নশিং লল থুমদা মতিক চানা লৈববা নখোয় শোরাৎ অনি থোকপা হায়বসে যাম্না ফজদে । মদু হেক তৌবদা নখোয় অনি মীনা ব্যাবহার তৌরম্বদো তোকখ্রদবনি । অমমম কৌথোক্লগা

ফুবিখ্রনি । ননাউ চৈবদা ময়াম্বনা তুমিন্না 'ঐঙোন্দা নত্তে' লৈখ্রনি । ময়াম্বা চৈবদা মনাউনা 'ঐঙোন্দা নত্তে' হায়খ্রনি । মদু অশোনবগী খুদম্নি । মনাউবু ময়াম্বগী মমাংদা ফুবিবদা ময়াংনা মদু মনাউগীদমক্তগা পাম্মোম তিঙদ্রবদি নংবু ফুবদা ননাউনা পাম্মোম তিঙদ্রোইদ্ । লোকমিন্নবা ইচিন ইনাউ ওইবগী করি কান্নরি ? ব্রা তেনশিন্নবা লৌনি । ঐ ব্রা হায়গে । শোরাৎ অনি থোক্লগা লৈকায়গী মী য়াম্ন ব্রাননি । মীতৈগী শোরাৎকা গৌরগী শোরাৎকা নোংমা নিনি খেন্ননা শোল্লবসু পোৎসোক লুপা ৬০ চৎকদবদা ১০০/১২০ চত্তৌরিবদি য়ুম খুদিংদগী । নত্রেঙ্গু ইচে ইপাই হোয়না লৈকায় মীয়াম ব্রাননবা পোল্লকপ্রা ? অদুহৌরিঙৈ ঐ ব্রা হায়গে। নখোয় শোরাৎ অনি থোক্লিংঙি । মদু থোক্নবনি মহৈল অদুনা লুপা চৎপি অমা পুদোক্লগা হায়রম্মি । শেল, অসিগী মমায় অনি পাল্লি । অশোক চক্র অসিনা মথক থংলবদি গৌরদা শোরাৎ শোক্লে । নবান্নি করি খল্লি ? অশোক চক্র থোক্লগনা মীতৈদা শোনবা মদু য়ানসি । তিল্লিবা মখোয় ১৪ মুক অদুনা অদুম তৌসি অদুম তৌসি হায়নবম্মী । মখোয় অনিদি ব্রা অমত্তা ঙাংনমদে । "নবান্নি ব্রা অমত্তা ঙাঙদে বরিগীদো মখোয় অনিগী মামহন্না শাউপ তৌনা হঙলম্মী লালমনি নং করি হায়রিবা ? লালহরি নংদু করি হায়রি ? লালমনি য়াবগী ইঙ্গিৎ পিরম্মী; লালহরিবসু য়াথোক্লক্রে । ইউজিক মমাং অনি পানবা চান্দি অসে রেপ্পা পায়রগা শুমাংগী মথক্তগা লংখৎলম্মী । অশোক চক্রনা মথক খুঙলম্মী । শোরাৎ গৌরদা অমত্ত ওইনা শোনবা তারম্মী ।

শোরাৎ শোনখিরম্মী । শোরাৎ শোনবদা লালহরিনা মান্দব মপু নায়নিংলম্মী । অদুবু মাগী মামত্তোন্না নখোয় অনিগী ধর্ম্ম য়েৎনবসিদা মান্দব মপু নায়বা ফত্তে" হায়রম্মী । লৈকায়গী মীশিং স্কুল ওজাশিং, মচিন মনাউগী নুপীশিংনা অফিসতা থবক তৌবগী মাগী মাগী সঙ্গনা চাউরবা শুমাং অনিদু পিক থল্লম্মী । ঈশৈ শকপা ওজাশিং, পুং য়ৈবা ওজাশিং হৌগৎলগা ঈশৈ শকচবা ফংলমদে । শোরাৎকী লাকপিবা পুন্নমক লোইনা

শেল থাবা হৌনবি ওইরম্মী । উপ্ মচা অমমম পায়দুনা কেসিয়ার অনি লৈরম্মী । লালমনি 'অমা লালহৌ' অমা ওইরম্মী । শোবাৎ লোয়রগা লালমনিগী কেশিয়ারনা লুপ লিশিং২১০৫০ লালমনিদা খুৎশিন্নরম্মী মতৌ অদুগুম্না লালহরিনা ফংবা শেল লুপা লিশিং ২৮৫০০ ওইরম্মী । নোংঙানবগা উশব লৈবনিনা "হয়েংগী উশব ফংবিয়ু, য়াউবিদবা য়াদে" হায়দুনা মরুপ মপিজা অহল লমন কয়ামরমদা খুরুমজরম্মি ।

হৌখিবা য়ুমজকৈশা নুমিত্তা মমাগী শোরাৎ শোনখি । মথংগী নুমিত্ত উশবসু শগোলশেল নুমিত্তা মীয়াম অমবু হাউনা পিজদুনা লোয়শিনখ্রে । অদুম ওইনমক লালহরিগী মপুক্লিংদদি করিগুম্বা অমা ইচিং চিংনবগুম তৌরম্মী । অতৈ কবিগুম্বগী নত্তে; বামনগী লাইদা "লৌ কৎপা অসি ইমানা শিরমদায়দা তৌগনু হায়রম্মী হায়বসি অচুম্বা ওইরিদ্রা; ঐঙোন্দনা করিগী হায়রমদে । মসি তাধন্না শাজিন্নবা ব্রা ওইগনি । মাগী লৌ কত্তবসু ঐগীদি কৎকনিদনা" অসি খন্দুনা মানা ঐজ্ঞা কাম্বাইদা চৎলম্মী ।

ঐজ্ঞ কাম্বাই মশক মতৌ ফজে, ব্রাঙ চাওই, কুচু পাল্লি মাগী হায়বমক্তবু শাউগল্লি । নহা ওইরিবৈঙদদি খ্বাঙদ চেন ফাবিগা তৌদনা মী য়াম্না ফুনরম্মী । লালমনিগা লালহরিগা মমাগী শোরাত্ত মাবু মান্দব মপু শোয়দনা ওইহনগনি খল্লম্বনি; অদুবু ওইখিদ্রে । মানা নোংমা অয়ুক্তা শ্নান তৌরুরগা কাখৎলকপদা সুমাং মতোন্দা লালহরিগা কোক হেক উন্নরম্মী । লালহরিনা খুরুলম্মী । কাম্বাই শর্ম্মসু ঙক খর নোম্বুরপ তৌদুনা খুরুম্বা ওক্লম্মী । শর্ম্মনা কৌরম্মী - "করিনো অতো, হৌজিক কানসে মান্দোব মপু য়াউদনা শোরাৎ শোন্নরেনা । অতো নংবু করি হায়গে লাকপনো ?" "ঐজ্ঞা লৌ শঙম অমা লাইদা কচ্চগে লাকপনি" অসি হায়রগা খুন্নম্মী । "এ হরি, জগৎ সংসার অসিদা তৌনরিবা হিংনরিবা পুম্নমক অসি মানা মানা তৌখিবা থবক্কী মহে় চানবা ঙাক্লি য়াম্না ফবা ব্রানি । নমা ইবেমা বৈষ্ণবি মরাইবক ফৈদা; মচা অফবা পোকপগী । অতো নংবু ব্রা অমদি হায়গে, হৌজিক কানসে কলি যুগ হায়বদুনি; মী ফত্তবসে খম থেংলে ।

মৈতৈনা/মীতৈনা বামনগী শ্রীহরিদা, গৌরচন্দ্র প্রভুদা মপানা কৎলন্নবদুবু মপা লৈত্রবা তুংদা মচানা লৌথোকই হায়বসু তারি । অদুনা নং ঐগী হাক্তক্তা মদু থোক্কবসু কোন্ন থোক্লকপা য়াই । মসিগুম্বা অসি থোক্তনবা ইবুঙোনা মীং ওন্দুনা রেজিষ্টার তৌরকউ"। "ঐজ্ঞা ননাই ঐ মদুগী মতাংদা হংজরুরে । মীং ওন্দুনা রেজিষ্টার তৌবদা লুপা লিশিং অমাগা চামঙামুক চংগনি হায় । ঐ হৌজিক পট্টা পুজরক্লে; পট্টু অসিদগী পোইন্ট হুম্ফুনিথোই (.৬২) ঐজ্ঞাহোয়না শেল লিশিং অমা চামঙা তিংলগা লৌবিরো" হায়রম্মী । "য়ে; অদুদি কদায়দগী য়াদগে । লৈবা য়োনবা নত্তে । লাইদা কথোকপা হায়বনি । পুন্নমক কৎলগদবনি । নংনা লুপা লাক্ষ পিবা অফবা লৌফম অদুবুদি কৎলগা করিগী লিশিং অমগা চামঙাবুদি পাম্মুরিনো ? ঐখোয়না শেল পুথোক্তুনা তৌরবদি নংনা কচ্চবগী মহৈ মপুং ফাররোই হায়বনিদা; য়ৌরো, য়ৌবো অদুগা শিমসু হায়গে, রেজিষ্টার তৌরবা অনৌবা পট্টা অদু খুৎশিন্নবা নুমিত্তা নংনসু লৈকায়গী অহল তরা অমা কুন অমা চাক ঈশিং পিজগদৌরিবনি । নংবু মখোয় পুন্নমক্না ব্যাখান তৌবিগনি । মখোয়না লাইদা কৎপা অদুগী শক্তি ওইরগনি । নংগী নতৌ পুন্নমক্না তম্নিংগনি । চৎলো চৎলো ।" হায়রম্মী ।

লালহরি লৌ কৎপা পাম্মুরবনি মমানা হায়রম্বা তৌগেদি খনবনি অদুবু লৌসু পিবা রেজিষ্টারসু ঐনা শেল তিংখৈ তৌবা অমুক মী খর চাক পিজবা মসিদি - মসিদি তৌহৈবা থবক নত্তে ।

লালহরি মরু লুক্না, মাইথোং লাংশিন্না তৌফম খংদনা কৃষ্ণনগর খুঙ্গংদগী লবুক ফাউদুনা রামনগরগী খুঙ্গং তম্না লাকপদা সেলুংবা কৌবা মাগী মরুপ স্কুল অমত্তদা ওজাসু ওইমিন্নবা গা থেংনরম্মী । সেলুংবনা - "করিনো ওজা নশা ঙমদনা উই । শোরাৎকী শিল লাংবদা নারব্রা ? হৌজিক্ল কদায় চৎলুবগে" হংলম্মি।

"ওজা সেলুং ঐ ঙাউরে । ঐজ্ঞা কাম্ছাইগীদা ইমানা থনম্বা লৌ অদু লৌজরো; নখোয়দা নামা পানশিল্লো হায়রুবনিদা । নামা ওনবগী রেজিষ্টার

তৌবদা লুপা লিশিং অমা চামঙা চংগনি । শেল অদু ঐজ্ঞা হোয়না পুথোক্লগা পট্টা অ.সৈদগী পোইন্ট হুমফুনিথোই লৌথোকপিয়ু হায়রুবদা মখোয়না শেল পুথোক্লগা তৌরবদি লৌ অদু লৈব য়োনবরোমদা তারে । লৌ কৎপা হায়বদু থোক্রে । নংনা লোয়না তৌগদবনি । লৌগী পট্টা অদু ঐগী খুত্তা হেক তহ্য় তহ্যনা শিন্নবিগনু । মী ১০/২০ মান্দোব তা চাক ঈশিং পিজরগা মখোয়গী মমাংদা লেম্ল শিন্নবিগদবনি হায়রকই” খুন্নম্মী ।

সেলুং-নংগী পট্টাদগী পোইন্ট হুমফুনিথোই লৌথোক্লগা কনাগী মীংদা ওন্দৌরিবা ?

হরি- ঐজ্ঞা কাম্বাইগী মীংদা

সেলুং-ইমানা হায়রম্বদি লাইদ কৎলু হায়রম্বনি । ঐজ্ঞা কম্বাইদা নত্তে । কাম্বাইদি লাই সেবা তৌবনি । অদুনা নংনা পট্টা নামা রেজিষ্টাব তৌবা কান্দা “শ্রীশ্রীগৌরাঙ্গ মহাপ্রভু” হায়না তৌগদবনি ।

হৌজিক হরিদা মঙাল অমা লাক্লে ।

হরিনা সেলুংগী মখোঙ পায়দুনা খুরমলগা - “ওজা নহাক ঐগীদি গুরুনি ঐ পুম্নমক, ভাব তারে; ঐ চৎলে “চৎন চৎন” হৌজিক্তি ইনিঙ তন্লে পুক্লিং য়াংলে বামন লাইগী মমিংদা নমা পট্টা অমা তৌরগা ঐগী অদুম ওইরেদনা । ‘ঐজ্ঞা কাম্বাই ! নংনা পট্টা অসি পায়শিন হৌরবদি ঐ অদুম্মক পংঙদবা । হৌজিক্তি নং লৌ ফংলরোই’ । ওজা শেলুংনা খল্লম্মি “ওজা লালহরিগী ব্রাফম অসি অকায়বা লৈ । মমানদি হায়রম্বা য়াই । ঐখোয় ইমানা শিরমদাইদা করিগুম্বা অসিগুম্বা লাইদা কৎলু হায়রক্লবদি ঐনা ইমাদ য়ানিংদবা উৎকনি । ঐখোয় খুঙ্গং অসিদদি য়ামগ্রবা শেন্নি । মীয়াম অমা কান্নবা থবক পুন্সি তৌবা, লৌখোঙ তৌবা, ঈশিং থিংদোক থিংজিন তৌনবা শেম্বা, মখোয়শিং অসিনা খুঙ্গংগী মীশিংগী পুন্সি চাউখৎহনগনি । ওজা লালহরিদা মমানা লৌ লাইদা কৎলু হায়বগুম ওজা লালমনিদসু শোয়দনা হায়রমগনি । মখোয়গী লৈখিদ্রবা ইন্দোন অদুনা

থাইনগী চৎনবি অদুদা হায়জরম্বনি । মীয়ামগী ফনবরোমদা লৌ অদু কৎপনা লাইদা কৎপদগী হেন্ন মহৈ চাউই ।” অসি খন্দুনা ওজা সেলুংনা মাগী চৎকদবা থবক অদু তোক্তুনা লালমনিগা লালহরিগী য়ুমদা লাক্লম্মী । মানা য়াম্ন খংনিঙলিবদি ওজা লালহরিনা বামন্দা লৌ কৎকদবা লৌ শঙম অদু মখোয় অনিগী অপুনব্রা অসিনি ।

লালহরিগা ওজা সেলুংগা ইকান কান্নদনা লালমনিগী য়ুমদা থুংলম্মী । মচিন মনাউগী য়ুমদি শাইজিনগা শাইজিনগা লোন্নবনি । হরিনা ময়াম্বা লালমনিগী মখোঙ শোক্তুনা খুরুম্লগা য়াম্লা নোম্লুক্লা হায়জরম্মী । “তাধন ননাউ পুকচেন য়াম্লা পিকপা পাংদবা, করিসু খঙদবা, ঐনা তৌবা ঙাক্ল অচুম্বনি খনবা মী অমা ওইজরম্লে, ঐবু ঙাকপিয়ু ।”

হন্দক মমা লৈতবগী শোরাৎ অদুদা লালমনিদি মাগী ধর্ম্মদা শোন্দে হায়বগী করিসু নুংঙায়তবা তৌখিরমদে অদুবু লালহরিনদি ময়াম্বনা মাবু য়াম্লা লান্ন খনখ্রে অসিনি । মখোয়গী মামা অনিনা তৌবা বিচার অদু অচুম্বনি খল্লম্মী । অদুবু লালহরিদদি মমাগী ১দি মশাগী ধর্ম্মদশোক্তে হায়বগী নুঙাইজবা ফাউজরম্মী । মমা লৈতবা নুমিৎকি নোংঙানবদগী মচিন মনাউ তাথোক তাশিন তৌদনা শোরাৎ শোনগদবদুবু ময়াম্বগী অধিকার ইরৈ লৈতবগুম তৌখি । মাগী মামা অনিনসু থবক অয়াম্বা হরিদ শিন্নরম্মী । অচংবা শেলগী তাংখায় তংখায় পুথোক্লবা মামা অনিনা শিল্লম্মী ।

লালমনিনা লালহরিদা করিগুম্বা কানদা হরি কৌই; অয়াম্বা মতমদা নুংশিবদগী মনাউনুপাবু ইনাউতোন কৌই ।“হরি, ইনাউতোন, করি তৌখ্রে; নং করিসু লান্দেদা হৌগৎলো, হৌগৎলো ওজা সেলুংনা য়ৌশিল্লকপদা লালমনিনা ওজাবু শোমদা লেংশিল্লকউ” হায়রগা ফম্লম্বদগী হৌগৎলম্মী ।

“ঐদি শুম চখোকচরকপনি” সেলুংনা ফম্ন ফম্ন খুল্লম্মী ।

“তাধন ঐসু ঙসিদগী মীতৈ ওইরগে”

"নংবু মীতে নত্রনে" মনিন হংলম্মী নহাক য়াম্না বাখন নুঙায়বা মাল্লি; অদুগা করিগীনো নমিত্তা ইরা চেল্লিবা ! ফম্মু ফম্মু।" হরিনা বা ঙাংনবগী তাঞ্জা মনিনা পিরক্তে অদুনা হৃরি তুমিন্না চৌক্রিদ ফমদুনা লৈরম্মী। মনিনা মখা তারম্মী "শোরাৎ শোনবগী মতাংদা মামা অনিনা কয়া রাজত্রবা । নংনা হৌজিক ধর্ম্মগী বা হৌদোরকইবসে করিগীনো ? ধর্ম্মগী বা- হৌথোকপা হেক য়াবা নত্তে মচিন মনাউ নুংশিনদে, মপা মচা য়েংথিনৈ, পাখং লৈশাবী শিম্মিন্নে । মাদি লুবাক মনুংদা থম্ব পোৎনি । ধর্ম্ম তিন্নবা লাক্লগা লুবাক হাংদোক্কদবনি । য়েংউ উচেক মতু মান্নবা মান্নবা পাইম্মিন্নে, চাক্তামিন্নে । ঐখোয় শোরাৎ ফাইবোক শোল্লমদবা খজিক্তা ঙায়বনি । চফু কায়রগা ক্বাক হরাউবগুম তৌরমগদবা খজিক্তং বাৎপনি" । 'ইহে ! ওজা সেলুং ইনাউতোন নখোয় অনি কদায়দা চৎলুবগে' ?

সেলুং- ওজা ঐ থবক অমা চৎকে হোৎনরুই । অদুবু মতাং চাদ্রে খনবদগী শোমদা হায়জিঞ্জরকপনি ।

মনি- ওজা হৌজিক অসিদা পৃথীবিগী মী খুদিংনা লৈবাক, লোল, ময়েক, থীগৎনদুনা মাগী মাগী আইদেনটিটি কায়দনবা কন্না হোৎনরক্লি । ধর্ম্মদি অচৌবশিংনা মচাশিংবু য়োৎশিল্লি। দুকান ফম্বা মক্ত ওইরবসু দুকান মচা কয়া অচৌবা দুকান্না য়োৎশিল্লি । মানা পোৎ হোঙনা পিবগুম দুকান মচাশিংনা ঙমদে । ঐখোয মনিপুরসু অপিক অপিকপা জাতি ৩২ (কুম্ভ্রানিথোই) না পুনশিনবা লৈবাকনি । অপিক অপিকপা জাতিশিং অসিসু মখোয মশানা মাংদনবা হোৎনজগনি অদুগা ঐখোয়সু হোৎনবিফম থোকই । অকনবা লংজা ৩২ পুল্লগা থৌরি তারবদি অকনবা অচৌবা থৌরি ওইগনি । ঐদি মানা মানা চৎনিংবা ধর্ম্ম অদুদা ঐনা য়ানিংদবা তৌদে । করিগুম্বা ধর্ম্মগী 'লাইদা কৎলগা মহৈ চাউনা ফংগনি' হায়বদো পামজদে । ধর্ম্মদি 'অচুম্বা' হায়বা পোকশক অদুনি । মাদি লাইদা কৎলরোই, ওইদবা বা ঙাংলরোই, কল্লকপা মীহৌবা লৈরোই । ঐখোয পুনশিনসি অচৌবা পাঙ্গল অমা শেমসি ।

মনিনা ব্রা ঙাংলিঙৈদা ওজা সেলুংনা- ।"ঈশ্বরদি লৈ হায়রবসু মামুক চাউবা অমা লৈত্রবনি । পোৎ অমা চারমদাইদা ঈশ্বরবু নিংশিংনৈ" । ইপা ইপুশিংনসু অচা অথক পুন্নমক সনামহি লৈমরেন শিদবিদা হান্ন কৎলগা ঐখোয়না কোন্না ফংঙি । কনাগুম্বনা হায়- "মী পিজনিংদবা অরিকপা, লাইদা কৎপা পাম্মুবা মীনবু মী ওইগদ্রা"? হয়েংমুক্কী মপোক্তা অফবা মী ওইনা পোক্লনবা, নত্তগা লৈখিদ্রবা ঐগী ইমা, ইপা, ইপু, ইবেন্ন (স্বর্গ) লাইরৈবাক্তা নুঙায়না চারুনবা কৎপিবা ওইরিনি । বামন্দা ইপা ইপুশিং অদুগী খজিক্তং কৎপদুনদি মখোয় নুমিৎ মঙানিসুনা চারম্মোয় । লৈখিদ্রবা কনানা থোরক্কুনা চাবা ওকই নত্ত্রগা ওক্তে হায়রকপা য়াউখ্রবগে ? ঐনা ব্যাবহাব তৌজৈ ঐগী মরুপ মপাং খবনা চাহি খুদিংগী মখোয়গী লৈখিদ্রবা অহল লমন অদুবু নিংশিংবিনবগীদমক হাযবদি লৈখিদ্রববু কাউবিদনবগী ইমা ইপাগা তিন্নবম্বা হৌজিক হৌজিক হিংলিববু চাক পিজবা মসিদি য়াম্ন ফবা থবক্নি । পিজ-পিথক তৌবদগী হেন্না চাউবা অমমুক লৈত্রে । ঐনা ঙকই মবল মথুম ইবে লৈজদবা ইমংনা মখোযগী চহি অমা চাবা ওকপা চেংবু র্তপন লাকপদা নোংমদা মী ৩০০/৪০০ দ পিজথোকখিবা মথংগী নুমিত্তগী চেং কেজি ৩/৪ গী হন্দিবা সুবা চংনম্মা । মবল মথুম লৈবন র্তপন কৎপবু লাযববনা মতৌ তম্বা নত্তে ।

স্বাম্মী বিবেকানন্দনা হায়বম্মী । "ধর্ম্মগী ওইবা পুজা তৌবা হায়বসে ব্রাখল য়াউদবগী থবাক্নি । জাতি ভেদ খায়দুনা মীনা মাব ওৎপাসনা হিন্দু ধর্ম্ম মাঙননবগী মচাক্ন । মশিং লাব ঙমদ্রবা সুদ্রশিং অসিনা ভাব তাবকপা কান্দা ইনাকখুনবা খুজোক অসি মাংখিগনি । বৈশ্য ১সুং সুদ্রাশিংবু চাহি লিশিং কয়াদগী শেৎপা চাবা নিঙ থুংহন্দবা মখৈ ইনাকখুনবা খবনা ওৎপিদুনা লাক্নি । লাই খুরুম্বা চৎপা শেল পায়বশা নংগী নখুত্তা পায়রিব তল মচেৎ খর মঙোন্দা পাজৌ; য়েংসি মানা কযাম হবাউবা । বিবেকানন্দা .... দা হায়খি মখোয়শিং অসি সুদ্রনি; অমোৎপা থবক তৌবানি । নংনা ব্রাই শিৎপবু লুনা তৌবিয়ু । কারিগুম্বা মখোয়না নুমিৎ হুম্নি ষ্ট্রাক

(Strike) তৌরবদি সহর পুম্বা Epidemic লায়না লাইচৎ থোক্কনি । ওৎপিরবা থাগী শেল খজিক্তুং ফংজবা মখোয়গী পোত্থানবগী মতম লৈতে । মখোয় অসিনি ঐখোয়বু অনা অয়েক য়াউদনা হিংহনবা । অদুগা নংনা হায়রি মখোয়বু শোক্ক শম্লবা য়াদে"।

রুসকী কবি লিও টোলষ্টোয় হায়খি - 'নংনা লাই খুরুম্বা চৎপদা লশ্বাদা অনাবা মী নক্তগা শা উচেক থেংনরবদি লাই খুরম্বা চৎপা তোকথোক্লুনা ওনাবা অদুগী শেবা তৌবিয়ু । অদুনা লাইদা কৎপা, লাই খুরম্বদগী মহে হেন্ন চাউই' ।

ওজা সেলুংনা য়া মখা তারম্মী - তা মনি (লালমনি) নহাল সড়ক লমজাউদা Public Health Sub-Centre অমা মাইকৈ অশোমনা লিংনবা সর্কাবনা হোৎনবিরি । "লাক্লিবা নোংমাইজিং তাং ৩ থা ৮ অযুক্কী পুং ৮ তাবা মতমদা ওমবঘাটকী কুম্যনিটি হোল্দা মীয়ামগী ওইবা মীতিন অমা পাংথোকচগদৌরি । ইবমদম অসিদা লৈরিবা ইরৈবাকচাশিংনা মতম চানা লেংখিবক্না মীতিন অসিগী শরুক যবীয়ু" হায়না লাউরবদুদা ঐসু মীতিন অদু যাউজরুই । ঐখোয খুল ৫/৬ অসিদা লৈবা কনাগুম্বা পুকচেন চাউবা খবরা লম সর্কারদা পিথবদি সকারনা শাবা হেক্তা হৌহল্লনি হায়রি ।

মনি-ওজা সেলুং গম কয়ামুক চংগনি হায় -

সেলুং "মখোয়না হাযবদি যামদ্রবদা লম লৌ পরি অমা হাযখি"।

"য়া অদু তাবদা মনিগা হৌগিগা মরু লকথদুনা তুমিন্ন লৈরম্মী" । সেলুংনা মখা তারম্মী - যামদ্রবদা ফমুং য়াঙ্খেগী বিলদিং অমা O.P.D. গা বিলদিং ডাক্তর, স্টাফ নর্সকী লৈফম চাফম । লৌ পরি অমবু খুঙ্গংগী মী ৫,০০০ হেক কৎপা ওইথোক্কে । অদুবু চীংয়াদ লৈবা লৌগা চীংগী শরুক খরা পুল্লগদি যাগান । চীংযাদা লৌ নৈবা মীনা য়াথিরক্লবদি ঐখোয পুল্লমক্কী কান্নবা ওইগনি ।

মনি- ইনাউতোনদি লৌ অদু বামন্দা কৎনিংলিব্রা নত্তগা কৎস্ত্রা ?

লালহৌবি- তাধন, ঐগী ব্রাখল লাল্লুরে '। বামন্দা ঐগী লৌ কৎলরোই মনি- মী অমা ফনবা শেম্ববুদি মীযাম অমা শেম্বনা ফৈ । লাইদ কৎকনু হায়খিবা রামকৃষ্ণ পরমহংশ, স্বামী বিবেকানন্দা, দয়ানন্দ স্বরস্বতি, ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগর, রাজারামমুহন রোয় অসিনচিংবনা য়াদবা থবকপু ঐখোয়না তৌফম থোক্তে । ঐখোয় অনিবু মী 'পুম্নমক্না নুংশিবিনববা তাঞ্জা অদু লাক্লে । নংনা খঙইবদুনি the voice of the people is the voice of God ঐখোয় অনিনা লৌ লৌরাক অমমম পুথোক্তনা মীয়ামগী ফনবা তৌহৌসি । ইমানা লাই কৎলু হায়খিবদো লাইনা মফম পুম্নমক্তা লৈবনিনা কবিমতা অকায়বা লৈতে । সিসু লাইদ কৎপনি । ইনাকখুনবা লৌ-শীং য়াম্না লৈবা মী কয়ানা লৌ পিথোরক্লোয় হায়নিঙাই লৈতে । ইচিন ইনাউ ঐখোয় অনিনা হোস্পিটালগীদমক কথোক্লবাদি ঐখোয খুনগী মীশিংদি কয়াদ হরাউগবা চা-পোকপা, অশোক অপন, খুদোং থীবা হায়বসিদি মতম চুপ্প মীওইবগা শাগোন্নরিবনি । মীনা লম পিরকত্রিঙৈদা ঐখোয়না হান্ন পিদুনা ঐখোয়গী খুন্দা থমহৌসি ।

লালহৌবিদি মখোয অনিগী মমা লৈতবদগী মাগী ময়াম্বা লালর্মনি অসি য়াম্না লিকপা, মীঙোন্দা পিজনিংদবা, পিথোক্লিংদবা, লায়নানা নারে হায়না লৌবর্ম্বনি । হৌজক লৌ লৌবাক অমমম পুথোকপা হায়বসি মচিন মনাউ মখোয অনিদদি কাবসু নত্তে । "মায়ামগীদমক ফনবা তৌব অসি ঈশ্বরবু নুংশিবনি" হায়বা ময়াম্বগী ব্রাফম অদু মাগী নাকোঙদা কয়ারক হন্ন ভাখ্রে । মদুবু মানা অচুম্বনি খঞ্জদুনা ময়াম্বগী ব্রাফম অদুদা অয়াবা পিরম্মী ।

Public Health Sub-Centre গী বিলদিং অদু শাবদা খুঙ্গংগী ঠিকাদার অমবু শাহল্লম্মী । মীশিংনা, ঠিকাদার অদুদা 'নংগী খনগনু ঐখোয় পুম্নমক্কী ফনবা খল্লু' হায়রম্মী । ঠিকাদার মশামক মাগী মপোৎনি খন্ন থবক ফজনা য়েংশিল্লম্মী । খুঙ্গংগী মীশিংনা লৈবাক পোরক্তুনা লম মচি' অমা তোংহল্লম্মী । মখোয়না শেল খর খর খায়গৎনরগা নূঙঙৌনা শাবা মচিন মনাউ অনিদুগী মুর্ত্তি খিল্লম্মী ।

হীঙমিন্নবগী লম্বি

ইতাউ ঐখোয়না নুতিগী শিন্দিন্নদবা যাদবা পোৎশিং লৈ পোৎশিং অসি দুকান্দা মরাং কায়না ফংই । নং ঐনা কবি শাদুনা নোঙানবদগী নুমিৎ তাবা ফাউবগী মনুংদা শিন্দিন্নবা যাউবগে? ইনাক খুনবা খবনা চিন শেংনবা মপোৎ শারক্কনি । খরনা চা থকনবা মপোৎ মচৈ, খবগা, অঙাংনা পাম্বা পাম্বা পোৎচৈ, খরনা অহন্না পাম্বা পোৎ চৈ শাবি । অসিদা নত্তনা ফজ ফজরবা খোংউপ, ফিবোল. মনম নুংশি ।া কযা অমা শাবি । অদুদগী হেন্নাক্কুনা ঈ পাউ তাবদা নুংশইবা রেডিও, টেলিভিজন কযা, থৌবদা নুংঙাইবা মখোং অনি পানবা কয়া শাদনা কৈথেল্দা পুখোল্লি । পোখোক পুম্নমক অসি ইনাকখুনবা খব তনা লাইনবা লাক্ক লাক্ক রু খাগী তলব খজিক খজিক্কং পিবগা সুহনবনি । খবক সুবা কুলি নত্ত্রগা মজদুব অদুনা তলব খব হেনগৎশিনবা হায়জকুববদি মহাক অদু য়াম্ন থীন ফুবি অদুগা কোল কাঁখানা, ফেক্টরি অদুদগী তাম্থোকপি । অসিগুম্বা মীবু ওৎতুনা থবক শুহনবগী মওং অসি ক্যাপিতালিজম সমাজ মনুংদনি । শেন্দোংতা লাইনিং ওইবা মখোয়না শেন্দোং শেক ফংলিবা মখৈ পোৎ অদু মথং মথং অদুম শাথগনি । করিগুম্বা কৈথেল্দা পোৎ অদু শিৎলক্তবা তাবগদি দুকান থোং লোনশিনগনি অদুগা মজদুবশিংগী তলব পিবিরোই । কনাগুম্বা কোমপানি অমনা শেন্দোংগীদমক্তা পোৎচৈ শাবদা অযেৎপা পিবা তৌনদে, মসি ক্যাপিতালিষ্টকী হৌনবিনি ।

অদোম্মা বৃন্দাবন চৎপদা উরি, সড়ক্কী মতায়দা নত্ত্রগা ওভর ব্রিজকী মখাদা প্লাসটিক্কা, বোড়া শেগায়বনা, কা কা খাজিল্লগা পুল্লপ লৈবা । মখোয়গী লৌ ঈঙ্গোল লৈতে, মখোয়গী পোখোক পুথোক্লবা খুৎলাই লৈজদে । মখোয় অসি কুলিনি । ফংলগা চাবা ফংদ্রগা তোকপা । ফেক্টরিশিংগী মজদুরি হায়বদুসু মখোয়নি । মখোয়গী মচা য়োনথোকই ।

মপু লৈতবা কান্দা কার মনুংদা মচা হাপচিনখি । করিগুম্না মতমদসু উম্নংদা পুরগা উমং লাইগী মমাংদা বলি গৌথোকই । করিগুম্বদা মচা খর হু পিজরগা হাৎপি । মসিনি লাইরবগী পুন্সি ।

মাগীনি হায়বা করিসু লৈজদবা সুপ্নগী মপাঙ্গল অদুতং পুথোক্লগা ক্যাপিতলিষ্ট কয়াগী মরল মথুম তানবিখ্রে । মরম অসিদগী ক্যাপিতালিষ্টশিং হেন্ন হেন্ন শেল পায়খৎলকই । অনৌবা ক্যাপিতালিষ্ট কয়াসু অফ অফবা খুৎসু খুৎলাই শিজিন্নদুনা মার্কেটতা পোৎ থাদরকই । অদুদগী হান্ন পিরম্বা পোৎ/মমল হোংবা তান্নরকই । পোৎকী মমল হোংনা তান্নরগা কাখানা থবক সুঙ্গরম্বা মী কয়া লৌথোকপিরকই । অদুগা কর্খানা মচা মচা কয়া শিথরক্তুনা অপিকপা দুকান ফমদুনা লৈবা য়াউরি । মতম অমগী মহাজন ঙসিনা কুলি । মতম অমগী কুলি, ঙসিনা মহাজন ওইবা য়াউরি । কর্খানা শিদনবা হোৎনবদা মী কয়া থবক লৌথোকপিবগা লৈহৌরিবা ব্বাকার খরখক অদুনা নোংমদা পুং ১৫/১৬ খনজ্জ তুনা থবক সুফমদ নুতিগী মী ব্বানথৈ। হৌজিক কর্খানা অদুদা মী য়াম্না থবক তৌদ্রে অদুগা মখোয়গী তবলসু য়াম্না পিদ্রে। মরম অদুনা কর্খানা অদুগী পোথোক হোংন য়োনবা ঙমজরে । পোৎশিং অসি হোংনা য়োন্নবা হোৎনবদা ব্বাকর লৌথোকপিদুনা অদুদগী থবক সুবা খরদুবু শেল খাজিক্তং পিবা হায়বসি ক্যাপিতালিজমদদি অচৌবা মী ওইনা শিংথানৈ ।

ক্যাপিতালিজম্না অসুক্কী মতিক চাউখৎলকপা হেল্লকই মখৈ লাইরবা, কোলকর্খানা থবক তৌবা মী, মজদুর নোংম নোংমগী নংথরক্কনি । ঐখোয়না খংই য়ুম শানবগী য়ুমফম থোনবদা কদায় কদায়দনো কুৎহৌরগা য়ুমফম অদুনা অসুম অসুম ব্বাংখৎলক্কনি । ক্যাপিতালিষ্টনা, তলব পিকনা ব্বাকরশিংদা পিরবনিনা হৌজিক ব্বাকরশিংনা কর্রি তৌগনি চানবা চেং চাক ইনশাং, শেত্তবা য়াদবা ফি খর অদু নত্তনা করি মতা লৈবিদ্রে । দুকান্দা চেং চাক মরাং কায়না পৈরি । অদুগা মখোয়না লৈনবা শেল লৈতবদগী মপুক থন্দ্রি । দুকান্দা ফিরোল পৈদুনা লৈ, অদুবু মদু লৈবা

ঙম্নবা মখোয়গী মহ জন্না শেল পিবিদে । মরম অসিদগী মখোয়না নিংগম্ থাদা নিকই, নায় নত্ত্রগা শি । অচৌ অচৌবা অহাংবা য়ুম্না তাদুনা তৌরি । শোমদনা লৈফম লৈতদুনা ভুংফম চাফম লৈতদুনা অহিংদা ইংবনা শিনরি ক্যাপিতালিষ্ট শিং অসি অসুক্কী মতিক নুংশি হৈতে । মখোয়গী গোদাম কয়াদ চোন্না লৈরিবা চেং চাকশিং অদু চাবা ফংদদুনা গোদাম মমাংদা খরদং ওইরবসু হাপ্পিরকদ্রা খন্দুনা তিনলিবা মীয়াম অদুদদি পিদদুনা হবাদ চেং সোদ তৌরগা শমুদ্রদ হৈদোকখি ।

ক্যাপিতালিজম অসি মখোয়না কোল কাখিনা শাবা পোৎশিং য়োনফম লৈরমদে । মরম অদুদগী কোলোনি লৈবা France & England গা কোলোনি লৈতবা র্জমনশিংগা লাল থেংনরম্মী । লাল অদুদা ইটালি রুশ ১মুং ইউ এস এ অহুম অসি ফ্রান্স ১সুং ইংলন্দগী মীচং চংলম্মী । লাল অদুদা র্জম্মনশিং য়াম্ন শাথিনা মাইথীবা ফংলম্মী । অদুগা রুশতি হান্নগী রুশ লৈবাক অদু ওইরমদ্রে । ক্যাপিতালিজমগী থৌনা পুম্নমক লৌথোক্লগা অনৌবা সোসিএলিজম লিংখৎলম্লে । অদুবু মসি দেমোক্রেতিক সোসিএলিজম অদুনি । ঙসি পৃথীবিগী লৈবাক পুম্নমক্তা ইনাকখুনবশিংনা দোমোক্রেসিগী মাইখুম উপ্পগা লৈবাক ঙাক্লি । মসিবু বুর্জেজায়া দোমোক্রেসি কৌই । অশেংবা দোমোক্রেসি অদু ইকুই কুইদনা লাক্লগনি । মতম অদুদ সোসিএলিজমগী অশেংবা উৎলক্কনি ।

কৈথল্দা পোৎ য়োন্নবগী শাদ্রে; শিজিন্নবা ওক্লবা পোথোক পুথোক্লবা হোৎনবা তায় । ক্যাপিতালিষ্ট সমাজদা ইনাকখুনবা অদুনা শাবা পোৎ অদু শেন্দোগীদমক্তনি । অদুগা হৌজিক লুরিবদি ক্যাপিতালিষ্টশিংনা শেন্দোং য়াম্না লৈবা অদুগা মীশিংনা য়াম্না পাম্নবা অদুগা মার্কেট ইরৈ লৈতবা পোৎ খল্লগা শায় অদুম তৌবদু সোসিয়েলিষ্ট লৈবাক্তদি য়াররোয় । রুস দেশতা বিপ্লব অমা থোকখ্রিঙৈ মনুংদা র্বাকিরশিং তপ্ন তপ্ন সোসিয়েলিজমগী মপাঙ্গল কনখৎহল্লি । অদুদগী Capitalism গী মতমদা রুশকী র্বাকিরশিংনা তৌখিবা অদুগুম সোসিয়েলিজমগী মফমদসু তৌবা তাই । র্বাকিরশিংনা

দকাব ওইবা পোৎচৈ কয়া শাগদগে ১সুং মদুগী Raw Material কদায় কদায়দা ফংবগে খংদোক্লম্মী । কারিগুম্বা পোৎ চৈ শাবগী ভাব তানদবা য়াউরবদি বাকরশিং ইঞ্জিনিয়ারশিং পুনশিন্নরগা বা খন্নে । সোসিয়েলিষ্ট সমাজদা থবক পুরিবা মপুশিং প্রজাশিংগী শেৎহন্নিংবা ফি শেৎহল্লি । চাহন্নিংবা পোৎ অদুতমক চায় । মরমদি করিগুম্বা অমা (পোৎ) শাবা তাবদা প্লান অমগী মখাদ শেম্বনি । মরম অদুনা পোৎ অমা পুথোক্রিঙৈ মমাংদা দরাকর কয়াম লৈবগে হায়বদো প্লানগী কাংবুনা হান্না য়াৎথোক্কনি । ক্যাপিতালিষ্টশিংনা পোৎ শারিঙৈদা য়াম্না শাজিলহৌই । মরম অসিদগী দরকার ওইবা পোৎতমক শিংথ্রগা কয়া অমা মাংদুনা লৈ । সোসিয়েলিষতকিদি লৈগদবা চৎকদবা পোৎ অদু হান্ন খংদোক্লগা কোন্ন শাবনিনা গোদামদা লেমহৌদে । অসিদা নত্তনা থংনবা লৈবাকশিং দরকার লৈবা পোৎশিং কাখানাদ শাদুনা পোৎ অদু মরাং কাযনা য়োম্থোকই মদুদগী ফংলকপা শেল অদুনা লৈকায়গী সেনিতরি, স্কুল শং, ময়ামগী পোত্থাশং, ঈশিং পুথোক পুশিন তৌনবা থবক নচিংবদা শিজিন্নে । অতৈ ফংলকপা অহেনবা শেনশিংনা কাখানা শেমজিনবা, কাখানাগী পোৎ চৈ অৱাংপা মেনশিনবা, অতৈ দকার ওইবা ফেক্টরি লিংখৎপা তৌই । চহি ৩/৪ চাবা ওক্লনবা চিঞ্জাক পৈশিনবা ঙম্মী । ইং ১৯১৯ দগী ১৯৩৩ ফাউবদা ক্যাপিতালিষ্ট সমাজদদি মপোৎ মচৈ (Raw Material) ফংদবদগী শিথরক্লম্মী অদুবু রুশতদি মদুগুম্বগী অৱাবা অমত্ত লৈরমদে ।

মতৌ অসুম্না সোসিয়েলিষ্ট সমাজদদি মী অমত্ত লেম্ন লৈতবা য়ায় । শেৎপা চাবা ফংদদুনা লাইনা তম্বনি খন্দোক্তুনা ৱানা লেনবা পুম্সি লৈতে । ক্যাপিতালিষ্ট সমাজদা ক্যাপিতালিষ্ট অদুনা ৱাকির খরদমক্ল য়াম্লবা থবক অদু শুহল্লি । নোংমদা পুং ১০দগী ১৫ ফাউবা শুহনবা য়াউরি অদুগা মানা খুৎসুমন খজিক্তমক পি । সোসিয়েলিষ্ট সমাজদদি মসিগা পুমওন ওন্নবনি । কনাগুম্বা অমনা থবক খরদং সুজরগা মদুগী মমল ফংজবনি । য়াম্না সুরগা য়াম্না ফংজবনি । মহাক কনাগীসু মনায় ওইদ্রে ।

অতে লৈবাক্তা মী কয়ানা মীরেম ওইদুনা তাদুনা লৈরিবসে লৈররোয় । মদুগী প্রমান হায়ববু ঐখোয়না রসিয়া লৈবাক্তা উগ্রে ।

ক্যাপিতালিষ্ট লৈবাকশিংন কোলোনি মুন্নবগী লাল হে হেক তৌনে । মখোয়না কোলোনি পাম্বিলবসি মখোয় মখোয়না শাবা পোৎশিং অদু য়োন্নবনি । পোত্তি শাজিন্নুরগা মখোয় মখোয়গী লৈবাক মনুংদসু শিত্রবা পোৎ অদু অমাঙবা ওইরে । অদুনা মরম ওইরগা কমপনি অদু শিথরকই । সোসেলিষ্ট সমাজদদি লৈবাক্কী ওইবা দরকার লৈবা পোৎ অদুতমক শায় অদুনা কোলোনি লৈবগী কান্নবা লৈতে । মসিনা কোলোনিগী প্রজাশিংসু অৱাবা পিদ্রে । অতে অতে লৈবাক্লা কোলোনিগী লাল থেংনরবসু লাল থেংনদনবা কন্না হোৎনৈ । সোসেলিজমদদি নুপা নুপী খাক্তনা মহৈ তম্বগী খুদোংচাবা ফংই । লাইববা ইমুং, নাম্ম শোয়রবা, বুদ্ধী লৌশিং ৱাৎপা মীশিং খনকৎলগা মা মাগী মেরিংকী মতুং ইন্ন থবক পী । ক্যাপিতালিষ্ট লৈবাক্তদি মখোয়শিং অসি ওৎপি নৈবী ১সুং থুনা শিনবা শিল্লি ।

মীশিংনা চানবগী, শেৎনবগী লৈফমগীদমক শেল তান্দবা য়াদে । ক্যাপিতালিষ্ট সমাজদদি মী কয়ামকমনা চেক শায; য়ুম শায় । রিক্স থৌদুনা; শনগাড়িনা পোৎ চিংদুনা শেল তাল্লি । পাঙ্গন্না লৌ উদুনা, উ য়ান্দুনা, কাখানাদ অরুম্বা কয়া থাঙ্গত্তুনা পাঙ্গল ফুদোক্লা থবক সুরি । খরনা ওজা ওইদুনা, কেরানি ওইদুনা, উকিল, ডাক্তর ওইদুনা চৌকিদার, য়ুমগী পোৎশঙবা, শা ষন পান্নবা খোঙউপ কাপ থাবা, শেম্বা ওইরি । কনা অমনা নুঙগী, গ্রাইন্দব শান্দোক্লুনা, লৈবাক তৌনবা এক্সকাভেটর, ট্রেক্টর মখোঙ মরি পানবা টাটা গাড়ি, লাইন বস শান্দোক্লুনা মযুমদা নুঙাযনা ফমদুনা লৈরগ শেল তাল্লি, শেল লাকই ইনাকখুনবা কয়ানা অচৌ অলৌবা য়ুম কযা শদুনা মী কযামরুম ভারাদা থমদুনা নক্তগা অফিস ওইহন্দুনা নক্তগা হোস্পিটাল, পোলিস ষ্টেসন, ওইহন্দুনা শেল ফংলি । মসি পুম্বা ক্যাপিতালিষ্ট লৈবাক্কী শেল তানবগী মওংনি । মীনা খবক সদনা তানবা শেনবুদি মী অদুনা মী থল্লগা থবক সুহনবদা শেন্দোং লৌবা

অদুনা নুঙায়বা হেল্লি। পাঙ্গন্না নোমদুনা ফংবদগীদি শমপত্তিদগী লাকপা আয়নসু য়াম্না হেন্ন কান্নে । মরমশিং অসিদগীসু শেল ফংলগা লোয়রে খনবদগী ক্যাপিতালিষ্ট সমাজদা চোন কর্বাবার তৌবা, নত্তবা পাম্বে অমনা শেল তানবগী থবক য়াম্না তৌনে । অসুম তৌনা শেল মরাং কায়না লৈরবা মীশিংগী লৌ ঈঙ্গোল ১সুং কোল কর্খানা লিংদুনা অচৌবা ইনাকখুনবা হায়বদু ওইরকই । ক্যাপিতালিষ্ট সমাজদদি ইঞ্জিনিয়ার ওইরবসু, লৌশিং লৈবা মী ওইরবসু শেলবু পায়দব্রবদি মীরেম ওইদুনা তোকই । ক্যাপিতালিষ্ট লৈবাক্তদি মী লিশিং লিশিংনা সড়ক মতায়দা থবক থিদুনা নত্তগা চানিংঙায় লৈতদুনা মীরেম ওইদুনা লৈ । মখোয় অমগা অমগা নুংশিনদে ।

সোসিয়েলিষ্ট সমাজদা করিগুম্বা লন থুম অমত্তগী মপু ওইদ্রবনিনা ফমদুনা চাবগী মরম লৈতে । থবক সুদুনা চাদ্রবদি করি চানি । অদুনা থবক সুবা তায়, নোম্বা তায় । পাঙ্গন্না সুবনা মখুৎ মশা হৈশিংবগী মওংনা, লৌশিংনা ওইববসু মী পুম্নমক সুদুনা চান্নে । শম্নে হায়রবদা মা মানা হৈজবা শিনফমদা থবক শুদুনা চানে । অদুনা সোসিয়েলিষ্ট সমাজদা ফেক্টরি ১গী কর্ম্মচারিশিং, সরকারগী কর্ম্মচারীশিং থবক থদর্পিরক্কনি হায়বগী কিনিঙায় লৈতে । মীপুম খুদিংগী থবক লৈ । মরমদি মী পুম্নমক্কী মা মানা সুরিবা থবকশিং অদুগী খুলায় লৈজে । অদুগা মী পুম্নমক্না থোকহনা খুলায়গী মপু ওইবনা মদুদগী থোক্লকপা শেন্দাং পুম্নমক মখোয়না ফংজে । অহানবদদি লৈত লায়ববদগী পোৎ চৈ ঙশিং শিংলমদে । অসুম অসুম ইমুংগী ফিবম ফরকপনা মবম ওইদুনা পোৎ চৈ লৈবিবগী চাং হেনগৎলকই । মীশিং মখল মখা কয়াগী খুংলায় লৈজদুনা তোঙান তোঙানবা পোৎসু পুথোকচবদা অথিংবা পিবিদে । সমাজ অসিদদি মীশিংনা অসুক্কী মতিক দিমান্দ তৌরিবখৈ পোৎ শাবগী চাংসু য়াম্না হেনগৎলি । সোসিয়েলিষ্ট লৈবাক্তদি ডাক্তর তমনিংবনা তম্বা ইঞ্জিনিযাব তম্নিংবনা তম্বা য়ায় । তম্বা লোয়রগা মখোয়বু পব্লিক ব্রাকস ১সুং অতৈ অতৈ মরি লৈনবদা থবক তৌহল্লি । হনুরগা মী পুম্নমক পেনসন পি ।

কনাগুম্বা অমা নাবদা য়াম্না থুনা মাবু লাইয়েংনবা শিনবি । অদুনা শিবা হায়বসি ওইররোই । মরম চাদনা নারগা শিদে ।

ক্যাপিতালিষ্ট লৈবাক্তদি মহাজন অদুনা অরাম চৌক্রি অমদা ফম্লগা টাটা গাড়িদা পোংচৈ হাপ্পগী হিসাব অদু Clerk শিংগা পান্নে । মদু সোসিয়েলিষ্টনা য়াদে । ক্যাপিতালিষ্ট সমাজদদি মী খরতনা পোংচৈ পুম্ন মক্ত লোয়না পৈশিন্দুনা থমখ্রে । ক্যাপিতালিজম সমাজদা অয়াম্বা মীনা থবক ফংদ্দুনা লৈ । কয়া অমানা চাকনিবা ওই । অদুগা মখোয়গীদা থবক সুজবা মীনায মীশন, Clerk ফাউবা কদৌঙৈ থবক লৌথোকপিরক্কদগে খন্দুনা লৈ । মখোয়সু মফম অদুদা থবক তৌবগী হিংবনি খঞ্জে । থবক তৌদ্রবদি শিবা তাই । মরম অসিনা মখোয়না মহাজনগী নত্তুগা অফিস, অমাগী কর্ম্মচারি ওইবিঙৈদা শেল অঙম্বা খব খর তুংশিঞ্জে । করিগুম্বা থবক শুফমদগী ঋানা হল্লকপা উবদা মাগী নুপীনা য়াম্না কিজৈ । অতৈগী নত্তে মাগী নুপা থবক তোকহল্লব্রা খনবনি ।

সোসিয়েলিষ্ট লৈবাক্তদি মহে হৈবা অমগা মহে হৈতবা অমগা তলব মান্নদবগুম, মী পিকপা মশা শোনবা অমগা, মপাঙ্গল কনবা, ঋাং চাউবা অমগা তলব মান্নদে । মবমদি মহে হৈবনা তৌবা ঙম্বা থবক অদু মহে হৈতবনা তৌবা ঙমদে । মশা ফব অকনথা নিপা অমানা তৌবা ঙম্বা থবক অদু অশোনবা নিপাদুনা তৌবা ঙমদে । মহে হৈবা ১সুং মপাঙ্গল কনবনা পোংথোক পুথোকপা যাম্না হোল্লি । মানা মানা সুজবা থবক্কী মওং য়েংলগা, তৌবিবা থবক মতা অদুগী মখাদা খর্ক্কী শেল ফংজগনি । ক্যাপিতালিষ্ট সমাজদদি কোল কাখানা নত্তুগা মজদুর অচৌবা অপিকপা শায়দে তলব চপ মান্ননা ফংগান ।

হৌজিক ঐখোয় : হীশাগী মীশিংন লৈবম্বা কাযদা অদু নিংশিংশি । মহৌশাগী মীশিংনা কাংবু কাংবু নায়না লৈবগা লিরুং, তেন, থাং, তা, পাযদুনা পুল্লপ পুল্লপ শা তানমিন্নরগা চামিন্নরম্মী । মী ওইবনা মতম মতমগী

অসুম অসুম অওনবা পোরক্লম্মী । নিংথৌ পানবদগী ফিউদেল সমাজ লাকই, ফিউদেলদগী ক্যাপিতালিজম সমাজ লাকই ক্যাপিতালিজম সমাজদগী সোসিয়েলিজম সমাজ পোকলক্ই সোসিয়েলিজম সমাজদগী অমুক হায়নবা নায়দনা তপ্ন তপ্ন কম্যুনিষ্ট সমাজ ওল্লক্কনি । থাইনগী মীশিংনা (Primitive Age) তৌরম্বা থবক অদুবু (Scientific) ওহ্লোকপনি । পোংচৈ শাবগী নিয়ম হান্নগী সোসিয়েলিজমদা তৌবদুনি । কম্যুনিজমদা মা মাগী থবক্কী মতুং ইন্ন শেন্দোং হোংদোক হোংজিন তৌগনি । মতম অদুদা ঐগী পোং মাগী পোং হায়না থোইদোকপা খায়নরোয় মীশিংনা ক্যাপিতালিষ্ট সমাজদা লৈরিঙেদা ঐগী ঐগী হায়না খোপচিন্নবা অদু হৌজিক কম্যুনিষ্ট সমাজ ওইরবা ফাউবদসু নম হাদুনা লৌশিনগদগী য়াম্না কন্না হোংনৈ । অদুনা হৈনবা মতম খরদি পোং ফজনা য়েন্নবা ঙমদে । মসি থোক্তবা মীশিংবু মহৈ মশিং নিংথিনা তম্বীবা মথৌ তাই । মীওইবগী পুক্নিংনা অসুম চাউখথলক্কবা মতমদা ইশাগী ওইজবা থাদোক্করক্কনা মীয়ামগীবাখল শোযদনা তৌনবক্কনি । মতম অদুদা পোং নিয়ম চুম্না পোং লৌনগনি নত্তগা পিনগনি ।

ঐখোযনা উবা ফংই, পৃথীবিগী কাচিন কোয়া পুন্নমক কম্যুনিষ্ট পাটি লৈ । হিন্দু, মুসলিম, খৃষ্টান, জেন, বৌদ্ধ অসিনচিংবা ধর্ম্ম পুন্নমকতা লাইরবা, নৈহৎপিববা ওৎপিনবা কয়া কযা নোংমৈ চিন্দোনগী মমাংদা ব্রা ঙাংবা য়াদদুনা লৈবি । মীওইবনা মতম কয়াম্র শাংনা চাক মপুক খন্দনা লৈবা ঙমগদগে ?

মী পুন্নমক্কী, চাকথুং ফংনববদি অমনা অমবু ইকায় খুম্নরগনি । সরকারনা ইচাশিং মহৈ মশিং তম্বীখ্রগনি । অনা লায়েংবা, অহল ওইবগী শোম্থবা পুন্নমক সরকাবনা লাযেংবিবনি লৌউ-শীংউবগী পোখোক মরাং কায়না ফংদুনা চাবা থকপা ব্রাংলবোই । মহৈ মহৈ চাবা থকপা ব্রাংনদবনিনা, চাখ্রো, থকখ্রো, লেকখ্রো হায়নবনি । মবমদি ইমুং খুদিংগী দবকাব ওইবা পোং খুদিংমক সবকাবনা চপ মান্না পিগনি । অদু ওইরবদি

ধর্ম্মগী খেন্নবা লৈররোয়; জাৎ বিজাৎ খায়ররোয়; অমাঙ অশেঙ লৈররোয় । কনা অমত্তগী পোৎ মাঙলরোয় । পুলিস লৈবগী মথৌ তাদ্রে । মীশিংনা হেনগৎলঃখৈ কম্যুনিষ্ট লৈবাক্কিদি অমাংবা লৈতে । ঈশ্বরনা ঐখোয় পুম্নমকপু নুংশিবিরগনি । অশি অনা মীকপ মীরাউখোল তাররোয় । লাইগী শাপ লৈররোয় লুপ্রাবী মশিং হত্থরনি । মী পুম্নমক্কী দশা লাঙফম কোক্লগনি ।

ইতাউ হোয়দি নশাতং ফনবা লাই নিংঙি । ঐখোয়দি ঐখোয় পুম্নমক ফননবা লাই নিংঙি । ইতাউনা হায়বিরি 'মানা মানা তৌবনা মানা মানা ফংঙি' অদুগী অর্থদি নখোয় মাঙ্গে মাংউ, ঐদি মাঙবা য়াদে হায়বনি । মসিা বুঞ্জোবাগী নিয়মনি । মসিনা মরম ওইদুনা ঐখোয় নোংম নোংমগী মাঙথরকই । ঐনা হায়জগদৌরিসিনা ঐখোয় পুম্নমক Conunumist বু মশক মুন্ন খংমিন্নরবদি, ঐখোয় পুম্নমক ঈশ্বর ফংলবনি ঐখোয় সিদা নত্তনা য়ুম্লোন্নবা লৈবাক্কি প্রজা পুম্নমকসু লোযন অফবা ওইরগদবনি । ঐ প্রমান অমা তৌজগে, ইতাউগী ইচাশিং অদু য়াম্না ফবা মী ঙাক্তে ওইহন্নিংগনি । অদুবু ইতাউনা লাই কন্ন নিংদুনসু লৈকায়গী অঙাং পুম্নমক নিশা চাবা ফত্তবা ঙাক্তে ওইরবদি ইচাশিং অদু করি লমদা চংলগা মমান্নবগা তিন্নগদগে ? লৈকায়গী অঙাং ফহনসি অদুগা ইচাসু শোয়দনা ফগনি । ঐ ফগনি । পুম্ন মক ফগনি । ৰারিদি অসিনি-পৃথীবিদা নিপা অমখক পোকখি । মহাক জর্ম্মন জিয়ুনি (ইং ১৮১৮ - ১৮৮৩)তুংদা থোক্লগদবা কয়াগী মরমদা লাইরিক ইরিঙৈদা ইহান হানবদা জর্ম্মনগী ইনাকখুনবশিংনা, সরকারগা লৌতুনরগা মাবু ফাদুনা হাৎননবা হোৎনরকখি । মরমদি ৰাদনা হিংবা, ফম্মগা চাবা অদু য়াররোয় খনবদগীনি ।

পাউ অসি ফংবদগী মহাক ইংলন্দা চেল্লম্মী । মরমদি মানা ইরিবা লাইরিক অদু অরায়বা নত্তে । তাইবংপান্দ লৈবা মীওইবা ঐখোয়গীতা নত্তনা থৱায় পানবা জিবা খুদিংমক্কি, চীং পাৎ তুরেল ১সুং সমুদ্রগী, পৃথীবিগী হৱা নুংশিৎকী অসিনচিংবা পুম্নমক্তা অকায়বা পিদনবনি ।

মোনার্কিজম, বুঞ্জুৱা, ক্যাপিতালিজমগী অওৎ অনৈগী সরকার, পৃথীবিদা লৈবা পুম্নমক মুথৎতুনা নুঙায় যাম্লবা নিংতম্বা সোসিয়েলিজমগী সরকার ওইননবনি । মহাক্কী মমিং কার্ল মার্ক্স কৌই । মহাক্না মাগী মরুপ Engels গা England দা থেংনবম্মী ১সুং Engels গা অচৌবা Building অদুগী খ্বায়গী মতোন্দা মখোয় অনি লাইবিক ইবম্মী । ইং ১৮৪৮ দা Communist Party গী Menifesto পুথোক্লম্মী । মার্ক্স ১সুং এঞ্জেলনা মাগী মরুপশিংগা লোয়ননা ইউরোপকী মফম পুম্নমক্তা কোয়চেন চেনদুনা সাইন্টিফিক কম্যুনিজমগী মরমদা ৱা তান্নবা ১সুং ইবা তৌবম্মী । ইউরোপ পুম্বগী লৌমীশিং কোল কাখানাদা ফেক্টরিদা ফার্মশিংদা উপায লৈতদুনা শিন্মী, ওইবা প্রজা লাক্ষ লাক্ষনা অনৌবা মপোক অমা পোকপিগদৌরে খনবগী নুংঙায়বা ফাউরম্মী ।

মফম মফম খুদিংদা শীন্মীশিং পুনশিনহল্লম্মী । মার্ক্স ১সুং এঞ্জেলনা শীন্মীশিংদা ইহৌ শাগৎনবা হোৎনখ্মী শীন্মীশিংবু নোংমদা পুং ১২দগী ১৪ ফাউবা ৱানা থবক সুহল্লগা মবুক থনবা ঙমদ্রবা প্রজাশিং মীকপ থোকহল্লম্মী । শীন্মীশিংনা মহৌশাসু লুচিংবা কয়াগী মখাদা পেন্দবগী ইহৌ কয়া শাগৎখ্রবনি অদুবু মদু পুম্বা ৱাখল য়াউদবগী মওংদা পোলোয়দা নিংবা কায়খি । মার্ক্সনা হায়খি- 'মালেমগী শুরি নোল্লিবশা নখোয়গী অপুনবা শক্তি শাগৎলবতদা মাই পাকপা পোরকপা ঙমগনি । ইং ১৮৪৮ Communist Menifesto ইংলন্দ ফোংখি । অহানবদা ইউরোপকী শীন্মীশিংগীদমক ওইরম্বনা অমেরিকা ১সুং অষ্ট্রিলিয়াগী শীন্মী পুম্নমক মথুম মরাং হৌনখি । মহাদেশশিং অসিদা স্লোগান কয়া লাউদুনা "খুৎসুমন হেনগৎলু, নোংমদা পুং তরুকতগী হেন্ন থবক সুরোয়" অসিগুম্বা স্লোগান অসিনা পৃথীবিগী অফাউ অফাউবা সিতিগী ষ্ট্রীটশিংদা শীন্মী লিশিং লিশিংনা লাউ খোঙদুনা চৎপদা কোল কাখানা মপুশিংনা নোংমৈনা হাৎপদা ঈনা ঈশিংগুম চেনখি । ঙসিদি পৃথীবিগী শীন্মীশিংগী অনিংবা অদু খরমখৈ থুংজবে । ঈগী তুরেল অদু ঙসিগী মালেমগী মীয়াম্না "মে দে" হায়না পালন তৌরি ।

ইতাউ মীয়াম ত মবু তুম্বা চাবগী মতম ফাউবা পীদনা থবক তৌহল্লগ, শেল খজিক খজিঙ্গা পীবসিনা নুপা অঙাং থাকপা কোন্নদদনা তলব খর হেনগৎপিয়ু হায়জবদা ঃ যাকপ্নে যশিংনা নোংমৈনা ব াপতুনা হাত্তোকপিবসিবু চুম্ননে ? মখোয অসিগী মরক্তা সমুদ্র ইথত্তগী ফাদুনা পোরক্লগা তলব পিদনা থবক শুহন : কয়াসু য়াওরিবনি । ইতাউ ঈশ্বরগী শক্তি চেনবা তৌবা ঙম্বা মী পুম্নমক্কী চিঙ্গাক পীবা ঙম্নবা পান্থে পুথোক্লম্বা নুপা অমনি কার্ল মার্ক্স হায়বসে ।

ইতাউ কার্ল মার্ক্স কী মীং তাদ্রবা, ফ্রেদবিক এঞ্জেলস মীং তাদ্রবা, ভি, আই, লেনিনগী মীং তাদ্রবা ১সুং জন নেতা ইরাবত মীং তাদ্রিবা মহা ঃ অদু সোসিয়েলিষ্ট সমাজগী য়েক্লবা মী ওইরমগনি নত্তবদি খুল্লক্কী লাইরিক হৈত্তবা মী ওইবা তায় । “নোংমদা চারা নামবা চাবা নত্তগা সুকচা চাদবা মীগী য়ারিবু তাথগা ঐখোযদা কবি কান্নবা ফংগদগে? অহাউবতা চাবা, ফজবদা শেং চাবা লিককোল ফজবা শিবা ফুরা দলান্দা লৈবা নঙায যায়ফবা মীগী য়াবি শাবগা হকচাং তেকখৎলি” লাউখিবম্বা মীওই কয়াগী মখৌরি চরম মেৎখিবা নিপা অমা পোকখি । চহি অমগী মনুংদা থা মরিখক নত্তনা অতৈ মতমদি উন্ত কুপ্পুনা লৈবা রুসিয়া লৈবাক্কি । পোখোক চাথোক লৈজদবা, চাকথুং ফিথুংদবা; অদুগী মথক্তা জাপান ১সুং জর্ম্মনীশিংনা তোয়না লান্দাবিরকপদগী লায়রবা হায়বদু ওইরিবনি । পৃথীবিগী অহানবা লাঞ্জাউ মনুংদা কার্ল মার্ক্স ১সুং এঞ্জেলসনা মঙখিবা মঙবু মঙফাউনহনখিবা ভি আই লেনিননীন । রুসিয়াদা রিভোলুসন থোক্কুনা সেসিয়েলিষ্ট সমাজ পুরকপা ভি. আই. লেনিন অশেংবা কার্ল মার্ক্স ১সুং এঞ্জেলসকী সেবক্কি । বুর্জোবাশিংগী লৌনম, নমথাক লাংদগী হেক হেক নাম্থোকপা ঙম্বা ১সুং মশাদ নোংমৈ মরু কয়ানা পানবদসু শিবিদ্রবা ভি আই লেনিনা রুসিয়াবু চহি ৭০ চুপ্না সোসিয়েলিজম চংহল্লম্মী ।

মতম অদুদা পৃথীবিগী ইনাকখুনবা মীশিংনা ভি. আই. লেনিনবু অসুক্কী মতিক নুংশিরমদে । মরমদি কোর্ল কাখানাগী মপুনা, ফেক্টরিগী মপুনা

ফার্মগী মপুশিংনা মপু ওইবা য়াররোই । পৃথীবিগী মফম পুম্নমক সোসিয়েলিজমগী লাংদা থুরম্মী । মনিপুরদসু অদু মগুাই জন নেতা হিজম ইরাবত সিংহগী মখাদা স্বাধিন্তগী অন্দোলন শাগৎলম্মী । য়াম্না শম্না জন নেতাগী ৱারি তৌজগে ।

হিজম ইরাবত সিংহ য়াইস্কুলদা (১৮৮৬-১৯৫১) দা পোকখি । মহাক্না অঙাং ওইরিঙৈদা মপা ইবুঙো লৈখিদ্রে । ক্লাস টু পাস তৌরগা ধাকাদা ক্লাস নাইন, ফাউবা তম্লগা মমা লৈতবগী পাউ ফংবদগী মহাক লাইরিক তম্বা তোক্লম্মী । নিংথৌ মচা ইবেম্মা খোমদোনসনাগা লুহোঙলম্মী । নিংথৌ মচা ইবেম্মদা লিককোল, সনা লুপা লৌ, ঈংখোল কয়া উল্লক্লম্মী । ইরাবতপু দর্বার মেম্বর হাপ্লম্মী । নোংমা নোংমগী নিংথৌগা বৃটিশকা লৈবাক্কী অঙম অথৌ খরগনা প্রজা ওৎপা নৈবগী পাউ মাগী নাকোংদা তারম্মী ।

নুপী অমত্ত সনা সড়ক লমজাউদা মশম থাদোক্তুনা চৎপা য়ারমদে । অয়ুক্তা চাক চারগা ক্বা চাজবদা মনাইশিংনা মাংই হায়দুনা ফুবিরে । চন্দন থিন্দবগী ফুবিরে; থিল্লগনা চন্দন শেনখায় লৌরে । নিংথৌনা মবুক কংবগী ৱারি শান্নবদা তাহৌবা মীনা “নখোয়না ঙাংনবদো সন। নাকোং য়ৌথ্রে হায়জিনবিদুনা শেন লৌথোকপিরে । নিংথৌগী মনাইশিংনা মাংই হায়নবা ইম্বোকপিবা মীশিংগী খুল লৈরম্মী । ঐগী পুম্রিগী ঙা ফাবা য়াহন্দবা, ঐগী ইম্খোলদা তেরা পাম্বী হৌববু খজনা লৌবা অসিনচিংবা মখল মখা কয়াগী তেক্স খোমগৎপা তৌরম্মী । নিংথৌনা ইম্বোক্লবা মী অদুনা শিরগা মৈ থাদুনা সংস্কার তৌবা য়াহল্লমদে । অসিগুম্বা থবক অসিবু উরুরগা ইরাবতনা থম্মোয় শোক্ল শাউনিংলম্মী । মানা মাগী মমান্নবা খরগা লোয়ননা নিংথৌগী মায়োক্তা লৈদুনা অশিবা হন্দোক্তুনা সংস্কার তৌরম্মী ।

ইং ১৯৩৪ দা মহারাজ চুরাচন্দনা প্রেসিদেন্ট ওইরগা “নিখিল হিন্দু মনিপুরি মহাসভা” কৌবা অমা লিংখৎলম্মী । মদুদা ইরাবতপু ভাইস

প্রেসিদেন্ট খলম্মী । ইরাবতনা তৌথোরকপা খুদিংমক নিংথৌদা মকোক চিকপা ওইবনা ইরাবতপু ফাজিন পুনশিন্দুনা থম্লবনি । চহি খুদিংগী মীফম পাংথোক্লম্মী । মরিসুবা কনফরেন্স অদু চীঙাদ ইং ১৯৩৮ ফম্লম্মী । নিখিল হিন্দু মনিপুরি মহাসভাগী মমিং নিখিল মনিপুরি মহাসভা কৌরম্মী । চীঙা কনফরেন্স অসিনা মনিপুর ইতিহাসতা য়াম্না চাউনা অহোংবা পোরক্লম্মী । ইরাবত ১সুং মাগা লোয়বশিংনা স্লোগান কয়া অসুম্না লাউরম্মী - "প্রজানা ভোৎ পিবনা কাবা মীনা লৈবাক ঙাকহল্লু । লাঙ্গোল পায়বনা লৌগী মপু ওইহল্লু ।" ধর্ম্মগী মীংদা সরাকরনা টেক্স লৌবিগনু, প্রজাবু দোলাই চাকথাক, দোলাইরেং, পোৎথাং পুবা অসিনচিংবা লৌবা য়ারোই হায়না রিজোলুশন কযাসু পাস তৌরম্মী । অদুবু রিজোলুশন অদু দর্বারদ থাংগৎলুবদা যাবিরকপগী মহুত্তা নিখিল মনিপুরি মহাসভা অসি পোলিটিকেল পাটি ওম্বোক্লম্মী । পার্টি ওল্লবনিনা কনাগুম্বা সরকারগী থবক তৌবা মী অমত্তা য়াউবা য়াবোই । ৱা অদু তাবদা মহাসভাগী শ্রী এলাংবম তোমপোক ১সুং শ্রী হিজম ইরাবত নত্তনা অতৈ মেম্বরশিংদি কিবদগী ১সুং পাঙদবদগী মরৈবাকপু নুংশিবা লৈতবদগী তোকখিরম্মী । চুবাচন্দ মহারাজগী খাখলগী ওন্ন তৈনবদা ইবাবত অদুম্মক লৈরম্মী । চুরাচংদ মহাবাজনা খল্লম্লদ ইবাবতনা দর্বার মেম্বর অদু অদুম ওইনিংবদগী নিখিল মনিপুরি মহাসভাগী মেম্বব ওইবা তোক্লক্নি অসিনি

দর্বার মেম্বব ওইবা তোক্লবসু সনা ইবেম্মা খোমদোনসনাদা উল্লকপা সনাগী লিকোল ময়াম অদুদগী হেন্দোক্তনা লৌ-শিং শম্পটি পুম্নমক অসি শিজিন্নদুনা নুঙায়না হিংবা যাবনি অদুবু মানা (ইরাবত) নিংথৌ ১সুং অঙসম্পংগী মায়োক্তা অথাং কন্না লেপ্প ঙম্নবা মাগী খুত্ত শম্পটি লৈবা পাম্লমদে । মবস অসদগী মচা ইবেম্মদা উল্লকপা পুম্নমক নিংথৌদা হন্দোকখি । নিংথৌ মমাক ওইবগী মানা শেৎপা অনানবা ফিশিং অদুগা খোমদোনসনাগী ফিশিংগু চৈরাপ মমাংদা মৈ থাদোক্লগা খাদিগী ফিরোলশিং শিজিন্নরম্মী । ইরাবতনা হায়রিমখে য়াদবা ১সুং ইরাবত থৌনা হাপ্লিবা খোমদোনসনাবু ঐখোয়না কাউফম থোক্তে ।

মতম অদুদা ভারতকি মফম কয়াদা নিংতম্বা পাম্বগী অন্দলোন কয়া ব্রিটিশকী মায়োক্তা হৌরম্মী । ইরাবতসু ভারতকী নোংপোক্তা লৈবা লৈবাকশিং অসাম, ত্রিপুরা কছারনচিংবা মফমদা চত্তুনা অন্দলোন হৌননবা শীল লাংঙম্মী । তাল্লক অসিদ মনিপুবদা খুৎশেমগী চাকতাংবা অমা থোক্লম্মী । মশিং থিঙমদ্রবা চেং গাড়ি মপোৎ কয়া কয়া মনিপুরগী মপান্দা থাদোকখিবদগী ইং ১৯৩৯ ডিসেম্বর তাং ১১গী অয়ুক্তা চাদ থক্তবনা লান্নবা নুপী কয়া হৌনরুবা তৌদনা খ্বায়রম্বন্দ কৈথেন্দা থোরক্লগা চেং থাগদবগী গাড়ি পরেং লেংলিবশিং অদু থৎলম্মী । অদুবু অবেম্বা তারম্মী ।

মথংগী নুমিৎকি অয়ুক্তা (Dec. 12, 1939) চাদবনা লান্নবা নুপী ইমা ইবেন লিশিং কয়া কয়ানা অমগা অমগা হৌনবা নায়নদনা খক্কায়রমবন্দ কৈথেন্দা পুল্লরে । ঙসিসু ঙরাংগুম্না মাব্বারিদা থানবা থৌরাং তৌরম্মী । অদুবু ইমা ইবেনশিং অসিনা য়াম্মনখিবনা অব্বাবা অমা ওইরম্মী । উরিপোক্লোমদগী লাকপা, শীংজমৈরোমদগী লাকপা, মাইকৈ কয়াদগী লাকপা চেংগী গাড়ি, ফৌগী গাড়ি পুন্নমক ইমা ইবেনশিংনা পুলিশ ষ্টেসন্দা খুদুম চন্দুনা থম্লম্মী । মতম অদুগী দর্বারগী প্রেসিদেন্ট Mr. Sharp না নবদ্বীপ্ত লৈখিবা মহারাজগী ব্রা তাদনদি থিংবা য়ারোই হায়রম্মী । নবদ্বীপ্ত লৈবা মহারাজনা ইমা ইবেনশিংগী খোল্লাউ তাবিরমদে । নুপীশিং অদুনা 'ঐখোয়দা চেং পিয়ু, চেং থাবা য়ারোই' হায়না মপাম্বোম তিংথোক্তুনা হন্ন হন্ন লাউরকপা মতমদা সিফাই থাজিল্লক্লম্মী । মশিং য়াল্লবা সিফাইশিং অদুনা চৈ লাং পায়জদবা ইমা, ইবেনশিং অদুদা থিনবিবা, বদনা শুবিবা, চৈনা কনবিবা তৌবদগী ইমা ইবেন কুনতরুক অশোক অপন নংখি ।

মতম অদুদা ইরাবত কছারদা লৈরম্মী । মথৌনা মরিংজেল লৈবা ইরাবতকী চানববা মরুপ খরগা নুপীলক্তগী অথোইবী খরগা তান্নরগা টেলিগ্রাম তৌদুনা ইহৌ অসিগী লুচিংবিরনবা কৌবম্মী । টেলিগ্রাম হেক ফংবগা ইরাবত কছার থাদোক্তুনা মনিপুরদা য়ৌবক্লম্মী । য়াম্না থুনা মহাসভা

ফম্নবা কৌরম্মী। অদুবু নুমিৎ অদুদা লেংবিরকপা মেম্বর অয়ামম্বদি মীকিথী ওইবনা ইহৌ অদু পান্নমদে। মতৌ অসুম্না 'নিখিল মনিপুরি মহাসভা' কায়খি। ওগনাইজেসন অসিনা হিংলিঙৈদা মমিৎ উদ্রবা, মনা তাদ্রবা, অপঙবা য়াম্ন কান্নবা পিরম্মী। অমুক থিম্নবা তৌদনা মনিপুর মহিলা সমেলোনিগী প্রেসিদেন্ট ওইদুনা ব্বারেপ লৌরম্মী। মদুগী ইহৌ অদুনা মনিপুরদা লৈবা চেংগী মিল ১৮ বু মাগী মাগী লৈকায়গী ইমা ইবেনশিংনা থিংলম্মী। মতৌ অসুম তৌদুনা চেংগী মিল চেং তকত্রবদা হব্বা গাড়ি লাইনা থিংলম্মী।

ইমা ইবেন কয়ানা অসুম্না খোয়শাউনদুনা লৈরিঙৈদা প্রজা সমেলোনিগা 'কৃষক সভাগা' পুল্লগা ইররাবতনা লুচিংদুনা মনিপুরগী মফম কয়াদা কোয়না চত্তুনা সরকার অসিগী পেন্দবগী মথক্তা ইহৌ কনখৎননবা মীতিন কয়া তৌরম্মী। খোইশাউনরবা প্রজাশিংনা পার্মিশন লৌদনা উ ব্বা য়াম্থলম্মী। ঈ ফাল্লম্মী। উমংগী উহৈ ব্বাহৈ হেক্তোক্লম্মী। পাত্তগী, তুরেন্দগী পাৎশেল পিদনা ঙা ফাদোক্লম্মী, থম্বৌ তাল্লম্মী। উমংদগী খোইহি লোক্লম্মী। দোলাই পুবা, অমিন চাকথাক লোয়না তোক্লম্মী।

ইং ১৯৪০ গী জানুব্বারি তাং৭তা ইরাংতনা অচৌবা মীতিন অমদা হায়রম্মী - "মনিপুরি নুপীশিংনা চাক লাম্বদগী চেং খুজোক অমমম নিজবদা শঙ্গিন্না থিনবিবদগী চেংগী মহুত্তা ঈ খুজোক অমমম তাখি। পৃথীবিগী লৈবাক কযাদ ঙসি পেন্দবগী ঈহৌ কয়াগী অন্দলন কয়া চত্থনরি। মসিদা ঐখোয়না অসুক পাঙদনা লৈবিবসি কবিগীনো ? অচুম্বগীদমক ঐখোয জেল চংবা কবিগী কিগদগে ?" অদুদগী ইবাবতনা রসিয়ান রিভোলুশনগী মরমদা মীয়ামদা ভাব তাননবা ঙাঙঙম্মী। অসুম্না লেপ্তুনা মনিপুব সবকাবগী মাইয়োক্ত। ব্বা ঙাংবসিনা মঙাকপু ফাবগা চহি অহুম জেলগী মযাদ পিরম্মী। খোইশাউনরবা ইমা ইবেন প্রজা পুম্নমক্না, ব্বারম্বন্দ বক্তব থীংদুনা চাউরবা রাজনিতিগী রিভোলুশন তৌখিবম্মী। চহি অমা চুপ্প ব্বাযবম্বন্দ কৈথল থোং লোল্লম্মী।

ইরাবত্তা নত্তনা নুপীলক্তগী থৌনা লৈবী শাবী, তোংঙৌ অসিনচিংবা কয়া অমসু থা৬ কী মিয়াদ, থা৯ গী মিয়াদ তাদুনা জেলদা থল্লম্মী। মখোয়না জেল য়ৌবা কান্দদি জেলগী ফিবম অসুকী মতিক ফৎলমদ্রে। চাননবা পুখম তেক্কোৎ লৈতবা, থক্লবা ঈশিং ফত্তবা, ফত্তবা অচাথাও পিজবা, চাক পুক থন্দবা ৱাচেৎকী ফমুং, ফিরোল মতিক চানা পিদবা পুম্নমক অসি মীওইববু মীওইবনা তমথীনা য়েংবিরে খল্লুবা অসিগী খোইরাং খোইশাউনরবা বন্দিশিং অসিগী অকনবা ইহৌ অমনা জেলগী ষ্টাফ পুম্নমক খাংবা ৱারম্মী। অদুবু মতম কুইনা জেলগী হৌনবিনি খন্দুনা অসুম লৈরক্লবা বন্দিশিংদদি য়াম্না ঙক্ল থোক্লম্মী। জেলগী ফিবম নুমিৎ খরনিগী মনুংদা পুন্ষ ফারম্মী। জেন্দা থম্বদসু ৱাথোক ওইরবা থাদোক্লবসু লৈবাক লাংগদবা ওইবদগী নিংথৌ ১সুং ব্রিটিশ মকোক চিক্লম্মী। উপাই লৈতদুনা ইরাবত সিলেট জেন্দ থম্নবা থারম্মী।

মতম অদুদা ইউরোপ পুম্বা, র্জমনিগী হিটলর ইটালিগী মুসোলিনি ১সুং জপানগী টোজো মখোয় অহুম্না যোৎশিনগদবগী হোৎনরম্মী। অদুগা অমরোমদনা পৃথীবিগী মফম কযাদ নিংতম্লিংবগী থোল্লাওনা ইনিল নিল্লম্মী। ভাবত মচাশিংনা ব্রিটিশপু তাম্থোক্লবা হোৎনবদা কাঙ্গ্রেস ১সুং কম্যুনিষ্টকী লিডব কয়া ফাক্লিন্দুনা ভারতকী ষ্টেটকী জেল পুম্নমক্তনা থমজিল্লম্মী। কম্যুনিষ্টকী লিডর কয়াগা ইরাবতকা ৱারি শামিন্নবদগী খংলে মানা তৌবিবা নিংলিবা ৱাখল্লোন অদুমক কম্যুনিজমগী ৱাখল্লোন্নি। জেল মনুংদা কম্যুনিষ্টকী লাইরিক কয়া পারম্মী। অসুম্না ইরাবতনা সিলহেট জেন্দা লাইবিক পাবদগী মাক্সিজমগী সোসিয়েলিজম অসিনা সমাজ ১দি বাজনিতিগী ফত্তবা ইথিন কয়া নমহত্তুনা লৌমী শিন্মীশিংদা ওৎলিবা নৈরিবা অসি কোকহনবা ইরাই লায়না ঙল্লগনি থাজরম্মী।

চহি অহুমগী মিয়াদ লোইদুনা ইবাবতনা জেন্দগী থোবক্লগা C.P.I. অসাম প্রদেশ কাউনসিন্দা মীং চল্লম্মী। অদুদগী মাগী মরমদম মনিপুরদা হল্লক্লবা হোৎনবম্মী। অদুবু ওন্থোকপনি, তাহৈদবা ৱাফম অমা ইরাবত্তা

থুংলরে । অমুকহন্না ইরাবত চহি অহুম অমগা মমা লৈবাক মনিপুবদা চংলকপা থিংলম্মী । মনিপুর মচাশিংবু নিংথৌ ১সুং ব্রিটিশনা অওৎ অনৈ কয়াদগী ইরাবতনা থেংনরিশ অদুগী মহৈ ওইনা ইরাবত চাহ্ অহুম জেন্দা লৈরুই । হন্দক অমুক ইরাবতনা C.P.I. দা মীং চল্লুবা অসিনা ইরাবতকী তৌবা ঙম্বগী শক্তি হান্নদগী শরুক কয়া হেনগত্তুনা ব্রিটিশ ১সুং নিংথৌগী মকোক ঙাউহল্লগনি খনবদগীনি । ইরাবতসু উপাই লৈত্রদুনা কছারদা লৈরগা কছার, ত্রিপুর, অসামনচিংবগী মফম খুদিং চত্তুনা লৌমী শীন্মীশিংগা হকথেংননা ৱারি শাদুনা, মখোয়বু ভাব তাহল্লবা মতুংদা, মফম খুদিং কৃষক সভা লিংদুনা কম্যুনিষ্টকী মপাঙ্গল কন্নবা হোৎনরম্মী ।

ইং ১৯৪৫ গী অঙনবা শরুক্তা মনেম ইবেম্মা মনিপুরগী মহারানি লৈতবগী শ্রাদ্ধ য়াউননবগী পার্মিশন লৌরগা ইরাবত মনিপুরদা থোরক্লম্মী । মশিং লকঙমদ্রবা ইমা ইবেনশিংনা চহি তরুক্কী মতুংদা অমুক উননবগীদমক লম্বী সড়ক্তা ইরাবতপু ঘোট চফু খিন্দুনা ওক্লম্মী । মদু উবদা নৃঙগুম্লবা ব্রিটিশকী থম্মোয় ফাউবা খাংঙমদে । মরম অদুনা মখোয়না মহাকপু মরক মরক্তা মনিপুরদা থোরকপা য়ানি হায়রম্মী ।

ইরাবত কছারদা হল্লম্মী । কছারগী লুচিংবশিংনা ইরাবত Assam Legislative Assembly, 1945 গী C.P.I. গী candidate ওইহল্লম্মী । অদুবু Congress গী মথংদা মহাক্লা লৈখি । ভারত পুম্বগী কৃষক সভাগী কনফরেন্স অমা বেঙ্গলদা য়াউরনবা বার্টন ফংলম্মী । মদুদা মাবু All India Central Kishan Council গী Councillor অমা ওইনা খল্লম্মী । অদুগা ইরাবত মশা য়াউনা মৈতৈ জগোয় অমা অদুগা ইরাবত মশানা শৈরেংবা লৌ উবগী ঈশৈ অমা মহাক মশাসু য়াউনা শক্লম্মী । মতৌ অসুম তৌদনা ইরাবত ভারতকী অফাউবা লিডর ওইখি ।

রুসতা ইং ১৯১৭ কী ওক্টোবর বিভোলুশন মাই পাকখিবনা মরম ওইদুনা পৃথীবিগী মফম পুম্নমক্তা রিভোলুশন কনখৎলম্মী । ভারত্তসু 'ভারত থাদোকউ' হায়বা খোল্লাউনা ব্রিটিশনা মতম শাংথনা ভারত্তা পানবা য়াররোই নিংলম্মী ।

মতম অদুগী ভারত মচাশিংদা ব্রিটিশ হনখিনবগী কাংবু অনি থোক্লৈরম্মী। কাংবু অমনা, ব্রিটিশকী মথক্তা লান্দাশনদুনা ভারত নমদুনা লৌবা পাম্লম্মী। অদুগা অতোপ্পা কাংবু অদুনা ব্রিটিশকী মথক্তা লাল তৌদনা মরুপ মপাং ওইবগী নুংশিনবা মওংদা চংহনখিবা পাম্লম্মী।

ইরাবত মনিপুরদা হল্লক্লম্মী। ব্রিটিশনসু মঙোন্দা করিসু তৌবিরমদ্রে। মাগী মপা মপুগী হৌরকফম জল্মষ্টান্দা খাংপোকশং অমা শারগা লৈরম্মী। হান্নদি ইরাবতনা অচুম্বা অশেংবা, অফবদা য়ুমফম ওইরগা মনিপুরি মচাশিংগী ফনবা তৌরম্বনি। হন্দকসিনা ইরাবতনা মনিপুরদা থোরক্লগা মহৌশাগুম লেপ্তুনা থবক তৌজরবসু কম্যুনিজম হায়বা য়ুমফম অদুগী মথক্তনি। মসিনা মঙোন্দ হান্নদগী হেন্না পুকচেল শেংনা থবক তৌবা মী ওইহল্লম্মী।

ইরাবতনা 'অনৌবা যুগ' কৌবা মেগাজিন অমা ফোংলম্মী। মসিনা মনিপুরি মীয়ামবু অমম্বদগী ঙালহল্লম্মী। ভারতনা মনিং তল্লবা মতুংদা ইবাবতনা খঙন চান্নবা মরুপ মপাং কয়াগী মফমদা কম্যুনিষ্টকী মরমদা ঙাংলম্মী। ইচং থৌবা নহারোল কয়া, থৌনা লৈবা অহল কয়া থোরক্লুনা ইরাবতকী ঋাফম অদু য়ারম্মী। নহারোল কয়া কম্যুনিষ্টতা মীং চল্লম্মী, অহল কয়ানা কিষন্দো অদুগা ইমা ইবেন কয়ানা প্রজা সমেলোনিদা মীং চল্লম্মী।

ভারতনা নিংতম্লমদাইদা কংগ্রেসতা শাশন শিন্নরনি তাবদা মনিপুরগী শক্লায়রবা খরনা লৌতুনরগা ইরাবতপু কম্যুনিষ্ট ওইবা তোক্লুনা কংগ্রেস যাউননবা তৌরম্মী। অদুবু মদুদা ইরাবতনা য়ারমদে।

ইং ১৯৪৬ তা অনিশুবা কনফরেন্স অমা মনিপুর কৃশক সভানা শিল-লাংদুনা নম্বোলদা পাংথোকখি। মদুদা মীয়াম অদুনা দাবি তরানিথোই য়াউবা রাজনিতিগী ঋারেপ চে অমা ইরাবতনা প্রেসিদেন্ট ওইদুনা পাস তৌখি।

ৱারেপশিং অর্দু। - (১) মীয়ামগী মীহুৎনা লৈবাক ঙাকপা (২) মপুং ফারবা মীতগী ভোৎ লৌবা (৩) খুঙ্গংশিংদা গ্রাম পঞ্চায়েৎ লিংবা (৪) খুঙ্গংশিংদা স্কুল অমমম থম্না (৫) স্কুল প্রাইমারি থাক ফাউবা লেম্না মহৈ তম্বা (৬) খুঙ্গং খুদিংদা অনা-অযেক্কী Health Centre অমমম থম্বা (৭) খুঙ্গং খুদিংদা পোষ্ট ওফিস থম্বা (৮) লৌমীশিংগী খুদোং চানবা ঈথে লৌখোং শেম্বীবা (৯) লৌমীনা লৌগী মপু ওইবা (১০) লাঞ্জাউদা শোকপশিংগী ক্ষেত্রিপুরোন থুনা পিথোকপা (১১) লমগী খজনা লুপা ১১দগী ৬তা হন্থবা ১সুং (১২) চীং, পাৎ, তুরেলশিং নিলাম লাউদবা।

দিমান্দশিং অসি পিদবা য়াদে হায়দুনা সরকারগী মথক্তা ষ্ট্রাইক তৌদুনা কিহল্লম্মী।

ইরাবতনা য়াম্না হৈ শিংনা চীং তম অনিমক্কী লুচিংবশিং উনদুনা মনিপুরগী লৈবাক ঙাক্লানগী মরমদা খন্নবা পাল্লম্মী। মরম অদুনা ইং ১৯৪৭ কী নভেম্বর তাং ৩০ নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৫ দা MDU হোলদা মহাক্লা মীতিং অমা কৌরম্মী। অদুদা ইরাবতনা চীং তম অপুনবগী মীহুৎ সুনা য়াউবা United Front কৌবা ওগেনায়জেসন অমা শেমদুনা মনিপুরগী ফত্ত নুংদা, থৌদোক ৱাথোক অমা থোরকপদা থেংনমিন্ননবা ১সুং দায়ত্য লৈবা সরকার অমা লিংননবা ৱারেপনরম্মী।

মনিপুর প্রজানা পাম্বগী মতুং ইন্না মনিপুরদা দায়ত্য লৈবা সরকার লাকপা য়াই; অদুনা মনিপুরগী Constitution অমা শেম্নবা ব্রিটিশকী পোলিতিকেল এজেন্ট অদুগা মনিপুর ষ্টেট দরবারগী প্রেসিদেন্টসু ওইবা Mr. Pearson না মনিপুরি প্রজাশিংদা হায়রম্মী। অদুবু প্রজাগী ৱা অমত্ত তাবিদনা মানা শেমনিংবা মওংদা হায়বদি য়াম্না দেমোক্রেতিক ওইদবা মরমনাইরাবতকী পাটিশিংনা বোইকোৎ তৌদুনা Constitution শেম্বা য়াউরমদে। অদুম ওইনমক Constitution অদুদি 1947 দা Act ওস্থোকখ্রে। Act 1947 গী মখাদা 1948 তা ভোৎ তৌনরম্মী। ইরাবতনা

উৎলৌ Constitution দগী কারকখি। অদুবু পাটি অমত্তনা Absolute majority ওইবা ঙম্লমদে । অদুনা caretaker government লাকখি ।

ভোৎ মতুংদা মনিপুরগী রাজনিতিগী ফিবম চয়েৎনবা লৈবনা র্সদার পটেলনা ভারতকী নোংপোক্তা লৈবা ষ্টেট মনিপুর, কছার, লুশাই হিলস ১সুং ত্রিপুরা মরিমক অসি পুনশিল্লগা পুবর্বানচল প্রদেশ কৌবা অমা শেম্লগনি তৌরম্মী । মসি ইরাবতনা খংলকপদগী চীং তম অনিমক্তা পুবর্বানচল শেম্বদা মনিপুর য়াউদনবা হায়নরম্মী । অদুবু র্সদার পটেলনা য়ারমদে । মরম অদুনা চীংগী লমদা মিষ্টব এ দাইহোনা লুচিংদুনা কন্না ষ্ট্রাইক তৌরম্মী । মহাকপু ফাদুনা কলিকতা জেন্দা থন্লম্মী । তমপাক্তা ইরাবতকী পাটিশিংনা খুঙ্গং খুঙ্গং খুদিংদা চংদুনা মীয়াম পুম্নমক ভাব তাহল্লগা ইংশোক ১৯৪৮গী সেঃ তাং ২১দা MDU হোলদা প্রজা সঙ্ঘ, ১সুং কৃষক সভা অনিনা পুবর্বাচনচল প্রদেশ শেম্বগী মায়োক্তা অচৌবা মীতিন অমগী শিল্লম্মী ।

মনিপুরগী চীং ১সুং তমগী মীশিংনা MDU হোল তম্না লাক্লরম্মী । লম্লাই পুংদোংবমলোমদগী লাকপা মীয়াম্না পুবর্বানচল প্রদেশ শেম্না য়ারোই হায়দুনা লাউ লাউদুনা লাকপদা পুলিসশিংনা অন্দোলোন কারিশিং অদুবু তান্ন তান্নদুনা চৈনা কল্লম্মী, শঙ্গিন্ন থীল্লম্মী ১সুং ফাইয়ার তৌরম্মী । মীয়াম পুম্নমক কায়দুনা চেন্নখ্রে অদুবু মথৌনা লৈবা নুপা অমনা নোংমৈ মখা তান্না কাপ্তনবা O.C. সাহেবকী মতুংদগী কোনশিল্লক্তুনা নম্নবদা O.C. সাহেবকী অরোয়বা পুন্সি ওইখি ।

ইরাবতনা সিলহেট জেন্দগী কম্যুনিষ্ট ওইরকপদা মনিপুরদা থোরক্লগা মরুপশিং ১সুং নহারোল খর খোম্লগা ইং ১৯৪৮ দা মনিপুরদা কমুনিষ্ট পাটি অফ ইন্দিয়া লিংখৎখি । চহি অদুমক্তদা ইরাবতনা বোকুলগা লোইননা হোজাযদা কিষান কনফরেন্স য়াউবা চৎলম্মী । অদুদগী হল্লক্লগা আসাম প্রদেশ কমুনিষ্ট পাটিগী অনিসুবা কনফরেন্স য়াউরুই। চহি অসিমক্তদা

মহাক্না অসামগী দেলিগেট অমা ওইনা সেকেন্দ কনফরেন্স য়াউবা কলিকতা চৎলম্মী ।

নুমিৎ অদুগী মীতিংগী প্রিপরেসন তৌদুনা লৈরিঙৈদা পুঙদোংবম থৌদোক অদুগী পাউ ইরাবত্তা পিবা লাক্লম্মী । পাউ হেক ফংবগা ইরাবতনা 'ঐ শ্বায়দা লৈবা য়াররোই, মীতিং য়েথোক্লসি নখোয়সু হন্নত্রো' হায়রম্লগা নম্বোললোমদা একাগাড়ি তোংদুনা চৎখিরম্মী । মতম অদুগী সি এম, মহারাজকুমার প্রিয়োব্রত্তনা ইরাবতপু ফাবা ঙম্বা মীদা লুপা লিশিং তরা মনা পিগনি লাউথোক্লম্মী । অদুবু অরেম্বদা তাখি । কৃষক সভাগী মেম্বরশিংবু ফা ফাদুনা য়াম্না থীনা লাক্লবিখি । মানা লেকঅম চারম্বা ইমুংশিং য়াম্না থিনা থিনা ওৎপিরম্মী । মাসু খুল অমদগী অমদা লোৎনা লোৎনা মীশিংবু ভাব তাননবা হোৎনরম্মী । মীশিংনা ইরাবতকী মরমদা পাউ পিবা ঙম্লমদে । মহাক মশাবু উহন্দনা 'অনৌবা যুগ' মেগাজিনসু ফোংবা লেপ্লমদে । অদুদা নত্তনা লিভলেট, পমপলেট কয়া সরকারনা মরাল লৈজদবা প্রজাশিং ওৎপগী মরমদা ইবা চে কয়াসু থাদোরকখি । উপাই লৈত্রদুনা সরকাবসু পুঙদোংবম ঘটনাগী মতুংদা কিষান সভা, প্রজা সংঘ, এস এফনচিংবা থিংজিল্লম্মী । অদুম ওইনমক কম্যুনিষ্ট পাটিদি অদুম্মক থবক তৌরম্মী । কলিকতাদা তিন্নখিবা মীতিন অদুগী রারেপকী মতুং ইন্না মনিপুরসু All India Armed Resolution গী মখাদা নোংমৈ পায়বা পাম্লম্মী । Mr. Thakin Than Tun কৌবা বর্ম্মগী Communist কী মকোক অদুনা মনিপুরদা লাক্লগা তোঙান তোঙানবা মমিং থোন্দুনা কম্যুনিষ্ট লালহৌবা ময়াম লৈবসি পুনশিনবিনবা ইরাবতপু বর্ম্মদা লাকপিনবা কৌরম্মী । ইহ ১৯৫০গী মে থাদা ইরাবত বর্ম্মগী মাউলিক ডিষ্ট্রিক্তা ·ৎলম্মী ।

মফম অদু য়ৌরগা মানা বর্ম্মাগী লালহৌবশিংগী রারি তারম্মী । বর্ম্মাগী Communist লালহৌবা অহুম P.C.P., C.P.B., B.C.P. অদুগা অসি নত্তবা শান মোন নচিংবসু মতম অদুদা উনু সরকারগী মথক্তা লাল

হৌরম্মী । মখোয় লালহৌবা মশেনসু অমগা অমগা উনবদা লাক্লেংনরম্মী ।

ইররাবতনা বর্ম্মাগী লালহৌবশিংগী মকোকশিং উনদুনা, কম্যুনিষ্ট রিভোলুশনগী মরমদা ভাব তাহন্দুনা, মখোয় অমগা অমগা পুনশিন্নহন্দুনা উনুগী মথক্তা লাল তৌহল্লম্মী । ইরাবত কৌরবগী মরম ১সুং ইরাবতনা পাংথোক্লিংবা থবক মাই পাক্লবনিনা, ইবাবত মনিপুররোমদা মাই ওল্লক্লম্মী ।

P.C.P. পাটিনা ইরাবতপু সেঃ তাং ১০দগী চীংলক্কী অখুবা লম্বীদা থিন্দোরকপদা অঙ্গো চীংখোঙদ তাবা খুল তাংবোদা মশা ঙমদদুনা পোত্থারম্মী । অদুবু মতম চুপ্পগী ওইনা মহাক তাইফদ না ইং ১৯৫১ গী সেঃ তাং ২৬ তা তাইবংপান থাদোকখি মনিপুরনা হিজম ইরাবত সিংহ কৌবা, অসাম, ত্রিপুর কছাররোমদনা জন-নেতা কৌবা অদুগা বর্ম্মদেশনা মহাকপু কমরেদ আই, সিং হায়রগা খংনরম্মী ।

ইরাবত হৌজিক মতমগীতা নত্তনা মীৎয়েং শানবা তুংদা লাক্কদবা উবা নিপা অমা ওইরম্মী । মহাক্লা পৃথীবিগী ওইবা য়াওনগী ইহৌদা মনিপুরসু পুশিল্লম্মী । রাজনিতিদা, সাহিত্যদা, র্জনেলিজমদ, ড্রমাদ, শান্ন খোৎনবদা অসিনচিংবা হিরমশিংদা মহাক্লা ঐখোয় পুম্নমক্কী লময়ানবা ওইবিরম্মী ।

কমরেদ ইরাবতকী পুন্সিদি মতম চুপ্পদা, ওৎপি নৈবিরবা মীশিংগী, লৌমী শীন্মীশিংগী, কনা লৈজদ্রবা তোল্ল তারবা মীশিংগী অওনবা নুংঙায়বা অমা পোরক্লবা শিবা ফাউবা হোৎনখি ।

মতম অসিদা চাওরেনগী নুপীনা চাক লোয়রে তাক্লরে ।


চাওরেন-ইতাউ, চাক ঈশিং চারুরসি ।

ঐনা লোয়শিঞ্জরকপদা ইতাউদা হায়জনিংবদি - কনা কনা লাই নিংবদা লাই ফংখ্রবগে ? লাই নিংদবা কনা কনা দষা তাখ্রবগে ? লাই

নিংবসু দষা তাই । লাই নিংদবসু দষা তাই ইতাউদা ঐনা হায়জবদি লাই নিংবিয়ু, তৌবতদি লাই নিংবদা শেল তিংগনু, শেল হন্দোকপা চৎকনু। অফবা তৌরগা অফবা ফল ফংজবনি । ফত্তবা তৌরগা ফত্তবা ফল ফংজবতনি । মসিনা তাকপদি লাই নিংবসু য়াই; লাই নিংদবসু য়াই । লাই নিংবশিং অদুগা লাই নিংদবশিং লোয়না উহৈ-ৱাহৈ, মরু-মরাং, চাক-ইনশাং চায় । চাদনা হিংবা য়াউদে । ঐখোয়না চাগদবা পোৎশিংদো কদায়দৈনো ? চাগদবা পুম্নমক ইনাকখুনবনা মুনবিখ্রে (ইনাকখুনবগী খুত্তা লৈখ্রে)। ঐখোয়না ফংগদবা পোৎ পুম্নমক নাথৈরগা চৎখ্রে । লৈজবা সনা, লুপা, লন থুম, লোয়না মখোয় খরনা মুল্লগা ঐখোয়বু মখোয়গী নুপী অঙাংগী ফিরোল শুহনগনি । থবক ইনখাং শুহনগনি । য়াদ্রগা ঐখোয়দা ফু-চৈবা হাৎপা তৌগনি । মখোয়না হায়গনি ঐখোয়না ৱারিবা চানিংঙায় লৈতবা, শেৎনিংঙায় লৈতবা; য়ুম ঈংখোল লৈতবসে নহানমুক্কী মপোক্তা ঈশ্বর নিংঙত্তবা, লাই থাজদবদগী থোকপনি, হায়গনি । মখোয়নি ঐখোয়বু ৱাহল্লিবসে । লাইনা নত্তে । ঈরাইবক্তা তল্লক্লবনি খনগনু । সোসিএলিজম পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি ।

ইতাউ ঙসিদি হাওবা হাওতবা চাক চাৱা অমা চামিন্নসি । মথংগী অমুক চাক চামিন্নবদা ইতাউগী ৱারি তাজগে ।

....



ফোঙলবা লাইরিকশিং

১। অচুম্বগী মমি
২। নুংশিবগী শক্তম